চেনোয়





শ্রী [illegible] সিংহ


চোলোম



অইবা

শ্রী এলাংবম চাউভল সিংহ

নট চোলোম গুরু জেঃ এনঃ এমঃ ডিঃ এঃ ইম্ফাল।



অফোংবা :	- শ্রী এলাংবম চাউভল সিংহ কৈসামথোং ইবোম পুখ্রি মপাল, ইম্ফাল। ফোন নং ৪৪২২৪৯ অমসুং শ্রী লৈমপোকপম শুবোল সিংহ কৈসামথোং ইবোম পুখ্রি মপাল, ইম্ফাল।
অহানবা ফোংবা	- তাং ২১/৩/২০০২ লমতাগী ৭নি পানবা সগোলসেন
লাইবিক মপিং	লিশিং অমা (১০০০)
মমল	লুপা ১৫০ /
মখুম যেকপা	বোবিন বাঙ্গেংবম
নম্ফম	মোনিকা প্রিনটর্স কৈশামথোং কৈথেল ইম্ফাল
কম্প্যুটর ডিজাইন অমসুং	
লাইবিক সেম্বা	লাইহুই কৈশামথোং কৈথেল ইম্ফাল।
লাইবিক্কি মীং থোন্নিবা	রতন থিয়াম ডাইরেক্টর কোরস।
ফোটোগ্রাফি	রমনকুমার শর্মা, তেরা অমুদোন ইম্ফাল।

cholom

A Book on Cholom Tradition of Manipur

By — Elangbam Chaobhal Singh

খুরুমজবা

খুরুমজরি তাইবংবু শেম্বির
ভাগংকি মবুংঙো হে অথোইবা
পোকপা শিবা নাইদবা
কৌফম লোইফম লৈতবা,
শকউদবা, শক্লাইদবা ইবুঙো
কণ্ঠরি নখুয়া থম্বালদা
লৈরাং লৈখল থরদং
চোলোমগী নাচোমসিমতু।
শাযোন পুম্বা নশক্কি
মকু খুদিং নওালনি
খোন্জেল পুম্বা নরোলনি
মীংলেন কোঙোই কৌনবা
শোম্বীংবা কোল্লোই শোজবা
নতিক নগুন ওাক্তেনি
লেংদবা নংদি লেংদবনি
রাধা গোবিন্দ নিংজবা
প্রেম ভক্তিদা লুপচেখিবা
নট সঙ্কীর্তন চোলোমদা
থরাই হকচাং কুরুন
পুন্সি পন্দোল লোমখ্রবা
শুকদেব ওঝাগীদমক
কণ্ঠবনি তোল্লবা ননায়বা
লৌশিনবিয়ু তবন্নু
চবন জেবা থোগলগী
লৈবাংলক্তু নিলহনবীয়ু
পামজনম্বা ওঝাগী মেক্লান
পেনবীননবা ননাম্নু
শ্রী চবনতবু পামজবগ্ন
ওঝাগী অঙাংবু থম্বায়ু
লেংদনা [illegible]
নিত্য তোল্লবা ননায়বা।
পিনবিয়ু ভাগংগী মবুংঙো।



শ্রী এলাংবম অঙাহল

শ্রী এলাংবম অঙাহল সিংহ,

(রিটয়ার্দ) সেনিয়ার গুরু চালোম,

জৱাহরলাল নেহরু মনিপুরি ডান্স একাদেমী, ইম্ফাল।

য়াইস্কুল হিরুহনবা লৈকাই।

পোকপা তাং ৪।৬।১৯২০ নোংমাইজিং - লৈখিদবা ১৯৯২-৩-১১ লৈপাকপোকপা

কচ্চবা

খুরুমজবি নচানা কচ্চবি মনাইনা
লাইওইখ্রবা গুরুদেবগী চরন্দা
পাম্দেবা ঐগী লৈচল শুদ্রবা
চোলোম লাইবক মচা সিমহুং
চংচৎনা নাপুরুংশিংদি অবেপ্পা ওইজরব
ইংত্রক নত্তু পোক্লুমদি ওই
লেম্না লৈরবা মতমগী খোংচৎতি
চৌখি অসুম লোইমলো ই
[illegible] থকোইহনা যুম
[illegible] লমন [illegible]
[illegible] চায়না লেপ্লবগা
কচ্চবনা গুরুদেবগী [illegible]
[illegible] তোমানবা ওইগ
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible] পোক্রবা ওইরবন
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
লাম্বা যংজরা [illegible]
কচ্চবা [illegible] চরন্দা
পাম্না [illegible]

কচ্চবিবা

শ্রী এলাংবম চাউভল সিংহ
কৈশামথোং মনিং ঈবোম পুখ্রি মপাল,
ইম্ফাল,
(জে এন এম ডি এ সেনিয়র গুরু চোলোম।)

অইবগী ৱাবোল খবদং

মৈহৌবোন্দগী লৈজবক্লবা শেংলবা মৈতৈ ইনাৎকী ইরন ওইজবা ইপা ইপুনা মীবোন মীথাং যৈনা প্রকীতিগী খুৎশেমগা লোযননা ওঝা গুরু কযামকন্না মৈতৈ নাটকী শাজৎ শানোম, শাথেক, খোংফম, ফীরেপ্পচিংবা কযাদগী লৌখৎনা নাচোম ওইনা শেম্বীবম্বা নট সঙ্কীর্ত্তনগী যাংলেন শব ওইদুনা শিজিন্নবীবা নট পালা চোলোম পৃথিবীগী মফম অতৈদা অনিশুনা লৈত্রবা ফজববা চোলোমগী মশকশু মতম যাওনা ইচেল ঈথাই লাকপা কযানা হান্নগী ওইবম্বা মণ্ডপদগী লোংনা লোংমগী মগুং ইম্বকপা অশেংবা মশক মাংশিল্লকপা অসিদা ঐগী গুরুদেব [illegible] অভুহল সিংহনা। তাকপিবম্মী। কবিগুম্না নট চোলোম্না অসুম না খল [illegible] নট সঙ্কীর্ত্তনগী অশেংবা মহাও যংলবোই।

ওঝানা অহল মতম্নদি ওইশিল্লব্রবদা চোলোমগী [illegible] অমশুং চৎনবী [illegible] ভুংগা মীবোলগীদমক্তা থম্লম্না ভমদেদ [illegible] পেন্দবা ৱাখলনা নিংদোল পোমদুনা লৌনীনম্না ওঝাগী থম্মোয় [illegible] লেমজিং ওইদুনা ওঝাগী শক্তম্বু মা দা থমজনা ওঝাগী যাথ [illegible] ইপচবগী মহৎক চাব মাদু বাহৈ নৈচল গুরু শুদে ৱভজদনা [illegible] খনজদুনা কৎচগো নিংজবনা অবেম্পা লাইনিং ওইজবগী ঐগী [illegible] ইমশুং থেংনজবকপা বাখলনা লাম্বা ফংবা খবদ ওঝাগী মফম [illegible] সম্প্রদাযগী মবান খুভম ওইশ্লবিবা নট সঙ্কীর্ত্তন মতম্না [illegible] লম্ভম নুংশিবা মনম চেন্না শাংলবা মতম অসিদা থম্বালগী [illegible] নট চোলোম্নু লাযখোবপা চুমদে হাযনা থক্লে। নট সঙ্কীর্ত্তন্দা [illegible] ওৱাশিংনা যৌনা থম্লবা মতম ওইরে থক্লে।

চোলোমগী [illegible] খিজ্রাঙ্গুং লিজাকবদা ঐম্বা [illegible] থাম্বম্লবা কাংখুৎকগী [illegible] লোংবা লাইবরোইদবা [illegible] অসে [illegible] শেংলবা ইবলোন [illegible] ওইবদা [illegible] ইজাতি পুম্বগা ইবলোন। [illegible] অসি মণি [illegible]

অওনবা কয়া লাক্লবসু মৈতৈ ইমা লৈবাক্কী মচানি, ঐখোয়গী ঈরন্নি হায়বসি চৎনবিনা যেক- সলাই 'অমদি মণিপুরী লোনগী খোম্লোক শৈশক অসিনা লেংবা য়াদ্রবা খুদম ওইবি। খুদম ওইনা হায়ববদা পিক্লিবা অঙাংনু মমানা ইকজবীবদা, লক্লবদা তীং তীং চাওরো নুমিৎনা কাবিঙৈ কাহৌরো থানা ৱাংলিঙৈ প্রাংহৌরো ইপা মচুম তারো ইপু মচুম তারো চাওরো শাংডো হায়না চোংদুনা অমশুং মমানা মচানদা পঙলোন য়েদুনা তাদিং তোদং হায়না মচাবু জগোয় অমশুং চোলোমগী মমী তম্না তৌখ্রবনি। মাগী মাগী লৈফম, ফিজেৎ তোংবা য়াই অদুনু যেল্হৌঙৈদগী ওইবক্লিবা মৈতৈ হন্নাগা ঙ্গ শাসিদি তোংবা য়ারোই। মদম অসিনা ইনৎকী শাগোম্মনা লাক্লবা লোয়বা শানেম চোলোমবু লাইথোকফদে হায়না খল্লে। লোয়বা নাইদনা পাক চাওখ্রবা নট সংকীর্তন চোলোমগী মনুংদগী ফংজবা হবদং অমশুং পুক্লিংদা ফাওবকপা কয়াবু হুন কপানা মমকপা লৈতনা লৌখৎচবানি।

লাইরিক অসি অসিনা তুংদা হৈবরাবা নট সংকীর্তন চোলোমবু পামজবা [illegible] তুম্নবদি তোংনজ্রমন মইহৈ যাম্লে খঞ্জগনি। লাইরিক অসিদা মশাগী অরান অরাৎপা কয়া য়াওববসু তাকপীবকপনি [illegible] [illegible]

চোলোমগী লাইরিক অসি পুথোক্লবা হোংলনদা অরা থৌদাং লৈবাখিবা লাইরিক অসিবু হন্নবা হোৎনবদা অতিং নংগাইহনবা থাকনা অবাবা থাংমান্নদুনা ৱাহৈ ৱাংই, অরান মখই মকুপ্পা কয়াবু য়েন্নদুনা ৱামান্নবকগী ***লৈমপোকপম সুরেন,*** কৈশামথেম হরোম পুখ্রম মপান অমশুং মশাগী অচিনবা কয়া কাইথোকপীদুনা অরা মনা ফজনা মতম শংনা হেমান্নদুনা ফাতোগ্রাফগী থৌদাং লৌবীখিবা ***শ্রী কেন্দ্রাইলাংপম বমনকুমার শর্মা*** শাগোলবন্দ ওবা অমসুং লাইরিক অসিগীদমক্তা তাম্নজারুবা ওঝা গুরুশিং অমদি অরাবা য়াওবিবা ইচা-ইনাও মরূপ মপাংশিং পুন্নমক্কী লমন্দি লাইরিক অসিনা লৈরিবমথৈ তোল্লগনি।

অইবা

শ্রী এলাংবম চাউভল সিংহ

নট চোলোম গুরু জেঃ এনঃ এমঃ ডিঃ এঃ ইম্ফাল।

'ৱাহৈ-খরদং'

গুরু শিষ্য পরম্পরাদা অসুক য়ৌনা থাজবা শিষ্য ঐ উখিদ্রি। অদুনা ঙসি শ্রী চাউভল দুহার হায়না লৈপাক্লা শকখংঙনরবা চোলোমগী তাঙলবা ওঝা অমখক থোরকই। গুরু কয়াগী মশাইগোন্দা চহি কয়া নৈনরুরবা শিয্য অসিনা গুরু অমুক ওইরকপা মহৌশানা তাবনী। ঙসি ওঝা চাউভল ঐখোয়না খঙজবা ফংলে।

গুরু অঙাংহলগীদমক ঙসি ওঝা অসিনা তল্লিবা খুদোল অসি মণিপুরগী লোইনাইদ্রবা চোলোমগী তৌফম থোকপা খঙফম থোকপা অদু খক্তা নত্তে। ওঝা কয়া কয়াগী খোঙদা তৃদুনা মতম কয়া লৈকংবগা মবীক মরীক ওইনা ফংলকপা চোলোমগী চোলোনশিংদুনা সমুদ্রগুম্না লৈ. অদবু খঙহৌবনা ৱাৎপনী হায়দুনা য়াম্না নোল্লুক্লুনা তম্বা খুদোলনী। ঐহাক ওঝা অঙাংহল থেংনজহৌই। ওঝানা তম্বীবম্বা ঙসিস্ কাওজদ্রি। অদুবু লৌশিনবা হৈহৌদ্রবা অপংবনীনা কবিমত্তা তৌবা ঙমদে। লৌশিনবা হৈহৌরবা মতাক চারবা ওঝা চাউভলনা লাইরিক অসি ঙসি লৈখিদ্রবা গুরু অঙাংহলগীদমক খুদোল তম্বগী খুরুম্বদা থৱায়সিনা য়াওজরি। করিগুম্বা মণিপুবগী সঙ্কীর্ত্তনদা চোলোম হাযবসি করিনো হংলবদা লাইরিক অসিনা অহানবা পাউখুম ওইরগনি হায়বসি ঐগী অচেৎপা থাজবনি।

৫, মার্চ, ২০০২.

রতন থিয়াম

'য়াহৈ-খরদং'

শ্রী এলাংবম চাউভল সিংহ নট সংকীর্ত্তন চোলোমগী লমদা মীয়াম্না শক খংলবা মীশক অমনি। শ্রী চাউভল নট সঙ্কীর্ত্তনবু অৱাংবা থাক্তা মথং-মথং কাখৎনবা, সঙ্কীর্ত্তনবু মরাই চায়থদনবা কন্না হোৎনরিবা মীওই অমনি। মহাক্না পুথোক্চরিবা "চোলোম" হাইবা লাইরিক অসি মৈতৈ লৈপাক্কী ওইজবা মৈহৌরোন্দগী লৈজরক্লবা শেংলবা ইনাৎকি ইরল ওইবগী খুদম কয়া লাইরিক অসিদা য়াওরি।

নট সঙ্কীর্ত্তনগী চোলোম অসি করম্না ওইরকখিবনো অমসুং হৌরকফম অমাদি হৌজিক ওইরিবা মওং কয়া শন্না অপাবা মীওইশিংদা চোলোমগী লীখুল খবদা ওইববসু খঙবা ঙমগনি হায়বা অসি ঐগী থাজবনি। অসিগুম্বা ইজাতি অসিগী শক-তাক্লিংঙাই শরুক অমা ওইবিবা হৌবক্লিবা মীবোল কয়াগী নীংশিংনিংঙাই ওইবা মাইকৈ অসোমদা খোংদাবক্লিবা মীওই কয়াদা লাইরিক অসিনা কান্নবা ওইগনি, মাঙখ্রগদ্রা হায়না চীংনবম্বা নট সঙ্কীর্ত্তনগী চোলোমগী শ্রী ওঝা চাউভল সিংহনা চোলোমগী পাদমগা লোইননা অরেপ্পা শক্তম অমা পীদুনা পুথোক্লবা আস ইবমদম অসিগী লেঙদ্রবা ইবল ওইগনি হায়না হায়জনিংই।

শ্রী চাউভল সিংহ নট সঙ্কীর্ত্তনগী কলাকার অমা ওইনা দুহারগী মাইকৈদা লৈপাক্কী কান্নবা লাইবিক কয়া মথং-মথং পুথোবকপা ঙম্বা ওইশনু হায়না ঈশ্বরগী মফমদা খুরুমজাবি।

তাং ৮। ৩। ২০০২ ইং

(শ্রী শৌগাইজম থানিল সিংহ)
প্রধান গুরু,
জে.এন এম.ডি.এ ইম্ফাল, মণিপুর।

'ৱাহৈ-খরদং'

শ্রীএলাংবম চাওভল সিংহনা ইবা চোলোম কৌবা লাইরিক অসি ঐহাক হৌবদগী লোইবা ফাওবা পাজবে। লাইরিক অসি চোলোমগী মরমদা খঙনিংবা মীওইশিংদা অচৌবা কান্নবা অমা শোয়দনা পীগনি। হীবম অসিদা ইবা লাইবিক অসি হৌজিক ফাওবদা য়াম্না তাংনা থোক্লি। তাঙ্গা আসিদা অসিগুম্বা লাইবিক অমা পুথোবকপা হায়বসি পুন্সনক্না শোয়দনা তারামনা ওক্লনি। লাইবিক অসি ইরিবা শ্রী এলাংবম চাউভল সিংহ চহি কযা নট সঙ্কীর্তনগী মাইকৈদা পুন্সি কংথোক্তুনা লাক্লবা মীশক্নি। ওঝা গুরু কযাগী মফমদা চংদুনা চোলোমগী অকুপ্পা বিদ্যা অসি নৈনদুনা লাক্লি। অসিগুম্বা মীশক অমনা হীরম অসিদা থাম্মোয় শেংনা চংশিন্দুনা মীয়ামগী নান ওইগদবা পোংশক কয়া খোমজিন্দুনা লাইরিক অসিদা নিংথিনা থম্লি। মসি হীবম অসিদা খঙনিংবা মীওং খুদ নক্কী কান্নবা লাইবিক ওইবদা নত্তনা ছাত্রশিংগী অচৌবা মরাংপা অমম্ শোয়দনা মের্শাক্না ওমগনি। ওঝা গুরুশিংগী জ্ঞানদি মপাল নাইদ্রবা ঈপাকনি। মদুগী মপাননা নান পেন্দুনা শাম্নরপা নত্তনা ঈপাক অদুদা কুমথদুনা চপ চানা মশাক খংবা লাইখাক্নি। মসুঙ মপাল নাইদ্রবা জ্ঞান অসি, নিংথিনা লা-চনবা বাংলগী তুংগী মীয়ামনা নিংথিনা খুনবা ওমদ্রি। মতাং অসিদা লাইবিক অসিনা পুথোকপা হায়বসি য়াম্না তঙাইফদবা ওইবাক্নি। লাইবিক অসি ইবিবীবা ওঝা শ্রী চাউভল সিংহনা মাসিগী মরাংপা অসি পুক্লিংদা ফাওবরগা মীয়ামগী য়েংদুনা লাইবিক অসি পুথোকপগীদমক হায়না নিংঙি। মাসি পাবগা খঙবিয়ু, নৈনবিয়ু, অমাং হেন্না কুপ্না থিদুনা মাগী পুবগী নাট সঙ্কীর্তনগী মরু ওইববা হীবম অমবু অমুক্কসু হেন্না কুপ্না খঙনদবা তেংবাংবিয়ু। লাইবিক অসিগী অচৌবা মগুন অমনা, অইবনা অয়েকপা অমাদি হোৎনগা কোন্নবা চোলোমগী বিদ্যা অসিবু অপাবশিংদা মায়েক শেংনা খংহনবা ওম্বা অসিনি। অইববু মতম কুইনা হীরম অসিদা লৈপাক্কী সেবা তৌবা ওম্বা ঈশ্বরনা পীনবিসনু।

লোংজম জয়চন্দ্র সিংহ

দিরেক্তর জে.এন এম ডি এ ইম্ফাল.

লাইরিকসিগী মরিদা রাহৈ থরদং

মণিপুরী নট সঙ্কীর্তনগী শরুাইববা দুহাব শ্রীএলাংবম চাওভল সিংহ ওঝানা ইবিবা "চোলোম" কৌবা লাইবিকসি পাজবে। লাইবিকসি শ্রীগোবিন্দজিদা কৎত্রিঙৈ অমসুং নৈপাক মাঙদা পুথোকত্রিঙৈদা ওঝানা নুংশিবীদুনা পাজবগী খুদোংচাবা পীবিখিবা অসিগীদমক ইযাম্বগী নমল তোল্লে। ওঝা চাউভলনা লাইবিকসি পাবগা রাহৈ অম নিদং ফোঙদোকচৌ তার্কপিবকপাস নাইবক ফবনি। অদুবু নট সঙ্কীর্তনগী লমদা কবিশু খঙজদ্রিবা নীংঙুম্বানা কাব চাযনফম লৈগদগে নুংনাংজৈ। ইযাম্বগী খুন্দালসিদা মনাও অমা ওইনা থৈনা থেংনজবকবা পাঙ্গল রাথিজবকবদা ফংজবকপা মতাং থরদং চোলোমগা নাশিন্নদুনা থংজরগা রাহৈ অম নিদং থমজবি অযোন অবান যানবএসু ঙাকপিযু।

শীএলাংবম চাওভল সিংহগী "চোলোম" কৌবা নট সঙ্কীর্তনগী লাইরিকসি শিকা রবসু মণ্ডন লৈবা মরং ইংবা লাইবিকনি। লাইবিকসিদা নট সঙ্কীর্তনগী নওং ওইবা মরুক রযা ভাস্কর নীংগী মরুক্তা থাযদোক্তুনা লোখৎলে। ভাস্কর থাদ পু শিল্পম্বা ফবমগদবা থারুবু যাওই। লাইবিকসিদা মণিপুরী নট সঙ্কীর্তনগী মমা দা লৈবম্বা মৈতৈ রাং অমসুং নাইনীংগী শাগাম্নবা পুং অশেং অমসুং মশোংই চোলোমগী হোরকফম ভাকপগা লোযননা অঙনবা মতমদা শাক্তিজন্নরমবা পুং মথংশং ওংনৌ যেংথোখ তত্রেৎ শেনফা অমসুং হিন্দু বৈষ্ণব ধর্ম চংলক্লগা ওইবা খরা নট সঙ্কীর্তনগী নীংথিজবরা নীক্রম তাক্ল। মাসমব শ্রী চাউভলগী থোপদোকপা গুন্নি। লাইবিকসিদা লোখৎলবা মতাং অযাম্বা নট সঙ্কীর্তনগী তঙাই ফদ্রা শরুকশিংনি। মসিনা নট সঙ্কীর্তন অমসুং মৈতৈগী সংস্কৃতিবু মশাক খঙহনবদা মচোবা মতং ওইবগান।

মশাক ফবরা লাইবিকসিদা ওঝা চাউভলনা ক্রম ওইবিখিরা মতাং থরদ পাংখৎরা হায়জনীংঙি। মদুদি মণিপুরদা চংনবিবা বৈষ্ণব সম্প্রদায়গী নট সঙ্কীর্তন হাযবসি মণিপুরগীতা নত্তনা শ্রীগোবিন্দজিউগী খৌগনগীদমক ওঝা গুরু কযা মৈদিংঙু কযানা লোপ্লরগা চত্নাবগীদমক লৌখৎপিখবা সঙ্কীর্তন বিচার লৈজৈ। মসিগী মতাংদা ইকোন কোন্না মৈদিংঙু শ্রীচন্দ্রকীর্তি মহারাজ (খৃঃ ১৮৫০ ১৮৮৬)গী মতমদা লেপখিবা নবদ্বীপ বসগী পঞ্চ বস পঞ্চ তত্ত্বগী মশক শ্রীগৌরচন্দ্র, শ্রীনিত্যানন্দ শ্রীঅদ্বৈত শ্রীগদাধর অমশুং

শ্রীবাস লোযননা সঙ্কীর্ত্তন মপু শ্রীগুরু কৃষ্ণ বৈষ্ণব হায়বসিনি। অদুবু লাইবিকসিদা পুংয়েবা শ্রীঅদ্বৈত, তুং ইনবা গোবিন্দ, ঈশৈ শকপা শ্রীবাস, দুহাব মুকুন্দ, খোনপাংবা শ্রীনিত্যানন্দ, খোমদোন লংবা শ্রী গদাধর অমশুং সঙ্কীর্ত্তন মপুনা 'চিং'তগী শ্রীনিত্যানন্দগী মশক 'ওইদুনা ভাবক মকোক ওই হায়না লৌখৎপিবি। মসিদি গোস্বামীশিং শ্রীরঘুনাথ ভক্ত, শ্রীকৃষ্ণানন্দদাস, শ্রীসৌভাগ্যদাস অমশুং শ্রীকৃষ্ণদাস কবিরাজনচিংবগী সঙ্কীর্ত্তন বিচারনচিংবদা থেংনজে। মণিপুরদা লৌখৎপির্বস্লিরাশিং অসিনা শ্রীরূপগোস্বামী অমশুং শ্রীনরোত্তম ঠাকুরনচিংবগী 'কীর্ত্তন তত্ত্ব, সঙ্কীর্ত্তন চিতোম্নাসিনী অমশুং গৌরপ্রেমাম্বত'নচিংবা বৈষ্ণব গ্রন্থশিং অমশুং অতৈ লাইবিক কয়াদগীনি।

লাইবিকসিদা লৌখৎপিবিবা পন্দুপশিংগী মনুংদা 'অন্তকাল, চোলোমগী হৌবকফম, নট পালাগী ফিজেৎ, নট পালা দুহারশিংগী পর্নালিকা অমশুং সঙ্কীর্ত্তন নিয়ম' অসিনচিংবশিং অপি থোইদোক্না মরুওইহনি। পুন্নমক্কী মনুংদা 'চোলোমগী হৌবকফম' হায়বসিনা লাইবিকসিগী মথাই ওইবি। লাইবিক্কি মমিং 'চোলোম' কৌবহনি চান্নহল্লি। লাইবিকসি পাকুবদা কান্নবা য়াবি বাখোং কয়া ফংজবগী মগুক্তা মতোংদা চান্নবা ফোটো কয়া হাপ্পদুনা নট সঙ্কীর্ত্তনগী পালা অমনা পাঙথোক্লিবা ওইজনা মখলশিং তশেং তশেংনা খংহনবিবা অমশুং মরি লৈনবা পোৎলম মশাক খংহনবদা লাইবিকসিগী তোপ তোপ্পা মগুণ অমশু ওইবী। লাইবিকসি মৈতৈলোন খংজদবা অতোপ্পা মীনা য়েংজবদশু থোইদোক্না কান্নবা ফংজগনি।

শ্রী এলাংবম চাউভল সিংহ ওঝানা যাম্না রানা থাজিনারদুনা পুথোকপিবক্লিবা নট সঙ্কীর্ত্তনগী 'চোলোম' কৌবা লাইবিক আসি মণিপুরি সংস্কৃতিগী মমল নাইদ্রবা মচাক অমা ওইবতা নত্তনা হৌগৎলক্লিবা নট সঙ্কীর্ত্তন ছাত্র মহৈরোই অমশুং সহিত্যগী শীংথাবা যাবা লাইবিক ওইবগনি নীংজৈ। শ্রী চাউভল সিংহনা নট সঙ্কীর্ত্তন চোলোমগী লমদা পুথোপিবক্লিবা লাইবিকসিগী মতুংদা হেন্না চংখোনবা লাইবিক মথং মথং পুথোবকপা খৌবাংনা ঙাইজবি। মসিগীদমক শ্রীগোবিন্দজীনা শ্রীচাউভলবু থৌজাল পীনবিবা ওইসনু।

A.Chitreswar Sharma
শ্রী অরিবম চিত্রেশ্বর শর্ম্মা

ইম্ফাল, মার্চ্চ
তাং ১৪,২০০২ ইং

হিরম লমাই

সঙ্কীর্ত্তন ইতিহাস

নোংদা লাইবেন পাখংবনা পানবা মতমদি কল্লিগী কুমশিং ৩১৩৫ খৃ ৩৩ (চৈথাবোন কুম্বাবা) মতম অসিদগী মৈতৈগী তোঙান তোঙানবা ঈনাৎকী থৌবম শিঙ্গুমলোন, নোঙ্গারোল, পুরোয লৈকোযবা, শীংপাক পাওহংবা, মথৌ যাঙেপ্পা উক্রোং হোঙবা অসিনচিংবদা হোংনেম্বা হায়না পুং-খোং যৈ, তবেৎ শেনফাং খিং (খুং যরা) পেনা লিবোল শরুা হৈযি হযা হায়না চিংগু মতিক থানা ঈশৈ খোনফাং শরুবকহ। (অবিবা শিঙ্গোং, লৈথক লৈখাবোন নাওথিংখোং ফম্বাল কাবা অসিনচিংবা লাইবিক কযাদসু পল্লি) যেন্থৌঙৈগী ঈনাৎকা থৌবম থুদিংদা হোংনেম্বা অসিনা অথোযবা থৌশম ওইনা শিজীন্নদুনা লাকখি। শকাব্দ ৯৯৬ মৈদিংগু লোযুম্বন পানবা মতমদা পানা ৬ থোক্লা খাযদোকুনা পানাশিংনা পাংং লেপ্পা ওগা লাইশোন ঈশে শকপা হৌখিয়ে। চৈ কুম্বাবা। শকাব্দ ১৩৮৯ খ ১৪ ৭ মৈদিংগু কাম্বনা পানবা মতম অসিদা মৈতৈ লৈবাক মনিপুরদা কীর্ত্তনগী মমি ওম্লকখি। মতম অসিদা পো নি মৈ পাম্বম্বনা ফ লকপা শেম্প্রী ল হব হিন্দুগী বীষ্ণু চক্র হায়না কাম্বা থৌনা খড়নকপদা সাং লাম বৌবা নম্বনর শ্রী বীষ্ণু ঈনাৎ পজাল সেব হাইন্দ। কীর্ত্তনগী মর চনখি



বীষ্ণু চক্র

অসুপ্পা মথং মথং মতম্ম পুবফুনা ঐথোংগা নংঙ্ক হান্না লৈজবম্না শৈহেক কঞ্জ খোম্থোংগা বার্গুণ্নানাগী শৈশকা অবি মনো তোংশিন যানাশন্নদুনা শেম্লগা শক শ ম্নবগা মওং হৌনর্কখি। মৈদিংগু ব্যাম্বনা পান্বা মংমদগী নিংথৌবোন মাপল (৯) শুবা মৈদিংগু হাগেম্বনা পান্বা শকাব্দ ১৫১৯ খৃ ১৫৯৭ তা নোংচুপ হাবমদগী হিন্দু ধর্ম্ম চৎপা বাম্নাণ ক্ষো এনচিংবা কাংলুপ কযা চংলগুনা হিন্দু ধম্মগী লাইনিং লাইশোন শন্দোক্ল কখি। মতম অসিদা বদন্ত হাযবা কৃষ্ণগী মতি অমা ভাবাননাথ ব্রাম্নান্না পূজা কতুনা লাংলি।


বদন্ত


রাধা কৃষ্ণ

হৌজিক নাগামপাল কাংজাবীদা অরিবয়া সেবা চৎতুনা লৈরি। মতম অসিদগী হান্না শক্লরম্বা শৈশক অমশুং কীর্ত্তনগী শৈশক লাইনিং লাইশোন জগোয় ঈশৈ কয়াগা তিনশিন্নদুনা মশক হোংবগী য়াওল অমশু লার্কখি, হোংনেম্বা শৈশকপু কীর্ত্তন হায়না *কীর্ত্তণ্ৰীয়াশিংনা* শক্লবা হৌরকখি। মতম অদুগী হিন্দুগী শৈশকপা ওঝাশিংদি .

(১) জাদবদাস (২) গৌরিদাস (৩) দেবীদাস কীর্ত্তণ্ৰীয়া অহমনি; বামোন ভবানিনাথনা শোন্দুনা বীষ্ণু পূজাদা কীর্ত্তন কৎলে। মসিগী মতুংদা শকাব্দ ১৬১৯, খৃ; ১৬৯৭ মৈদিংঙু চরাইরোংবনা কংলাদা কোনুং ওইনা পাল্লিভে মতমদা উরিষ্যাগী সেতগঙ্গাদগী রায় বনমালী কৌবা ব্রাহ্মণ অমা লাক্লুনা মহাক্কী পাওতাক মতুং ইন্না রাধা কৃষ্ণগী মুর্ত্তি লাৎতুনা নিংননবা বৈষ্ণব ধর্ম্ম দিক্ষা লৌরে। খৃ:১৭০৭ কালেনগী ১৯ নি পান্না ইরাই নুমীত্তা চেক্লা ফুরা শাদুনা রাধা কৃষ্ণগী মুর্ত্তি অদু রাই বনমালী ব্রাহ্মণনা সেবা চৎহল্লী। চরাইরোংবা নিংথৌসু লাক্লুনা রাধা কৃষ্ণবু খুরুম্মী। হায়রিবা ফুরা মণ্ডির অসি ব্রহ্মপুর থুম্বুথোং ময়াদা লৈ। ঈশ্বর অসি হৌজিক ফাওবা গুরুঅরিবয়া সেবা চত্তুনা লৈরি। মতম অসিদগী মৈতৈ লৈপাক্তা রাধা কৃষ্ণ সেবাগীদমক লাইমীং (লাইনিং) লৌবা হৌরে। গুরুদি রাই বনমালিনি হায়না চৈথারোন কুম্বাবদা পল্লি, হায়রিবা রাধা কৃষ্ণগী মুর্ত্তি অসি শেনশেং ধাতুনা শাবনি হৌজিক ফাওবা লেংদনা লৈরি। সকাব্দ ১৬৩১ খৃ; ১৭০৯ মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ (পামহৈবা)গী মতমদা সান্তীদাস গোসাইনা লুচিংদুনা রামজী লাৎপগী থৌরম হৌদোকখি। মৈতৈগী হান্না লৈজরম্বা শৈশক শৈহেক্তা বাঙ্গালি লোন্না শক্ল শোন্নরকখি। অসিগুম্বা শৈশকপু বংদেশ পালা হায়না কৌখি। হৌজিক্লা অরিবা পালা হায়না কৌনরি।

অরিবা পালা

অরিবা পালা অনী থোক্লা খায়দোকই :-(১)লৈবাক চাবা পালা, (২) সেবোক পালা, অরিবা পালাগী ফীজেৎ অঙৌবা ফৈজোম অমসুং খ্বাংয়েৎনি, অনীমক খোংদাই তাইদুনা শেৎনরম্মী, পুংয়েবা ২, ঈশৈ শকপা, দুহার, খোনপাংবা অমশুং পালাতোন তরুক অসিদী খ্বাংয়েৎকী মথক্তা খোঙীংময়েক হাম্পা ফীজিৎ য়েৎনরম্মী, কোকয়েৎতি শলাই অচৌবনি। করতাল মথা ফাকপা অপাবা পাই। মরিনা কাব্রং লংনা ওইনরম্মী। সেবক পালাগিদি করতাল মরি পেক্রক মচু ওইনৈ, মরিগী অশাংবনা খুৎকী খুবোম অমা শাংঙী, পালাগী ফীরেপকী মওংদি হৌজিক লেপ্লরিবা ফিরেপকা খর থেন্নৈ, শানোমশু থেন্নৈ। মতম আসিদা যৈনবম্বা পুংশু হৌজিক চৎনরিবা অনৌবা পুং অসিদগী খবা হেন্না চাওবা শাংবা ওই মখোনশু খেৎনৈ, মওংদি মান্নৈ। মতম অদুগী শক্লা শোন্নবা ঈশৈগী মযেক্লা (রাম রাম গোবীন্দ হে হে কৃষ্ণ রাম এ হে হে) হাযবা মযেক্লা 'অবিবা মৈতৈগী শৈশক্তা শপ্প পান্দুনা শকনরম্মী। মতম অসিগী পুং য়েবা ঈশৈ শকপা ওঝাশিংদি কোম্প্রৈজম ওঝা, ওঝা লাংলেনহনবা, ওঝা হিজবা, তাংখোম্বা, 'অখাম খেমা, 'তখেল লাংথা, কির্ত্তন্নিয়া বাধা অসিনচিংবনি।



রামজি প্রভু



খোঙীংময়েক হাম্পা ফীজিৎ

মতম অসিদগী রামজি প্রভু নিংবগী মপুং ফাবা মতম ওইরকখি লোইননা মৈতৈগী হান্নগী লৈজরম্লবা যেক সলাইবু গোত্র হাইনা ওম্মোক্লুনা শিজিন্নবা হৌখি।

য়েক সলাই - গোত্র :-

১। সলাই নোংপোক অরিবনা, মঙাং য়েক নিংথৌজা পোকএ মচুদি অঙাংবনে- গোত্রনা শান্দীল্য ওইরে ।

২। সলাই কৌব্রুনা লুৱাং য়েক পোকএ, মচুনা অঙৌবনি গোত্রনা কাশ্যপ ওইরে ।

৩। সলাই শোরারেন নামুংবনা অঙোম য়েক পোকএ, মচুদি নাপু মচুনে গোত্রনা গৌতম ওইরে ।

৪। সলাই থাংচিংনা মোইরাং য়েক পোকএ, মচুদী নাপুনা লাংবনে গোত্রনা অত্রিয়া (অঙ্গীরশ) ওইরে ।

৫। সলাই মার্চীংনা খাবঙানবা য়েক পোকএ মচুদী মম্ব্রা মচুনি গোত্রনা ভদ্বাজ ওইবে ।

৬। সলাই নোংচুপ অরিবনা শরাং লৈশাংথেম যেক পোকএ মর্চুদি শংনা বাওথাংনবনি, গোত্রনা অঙ্গীরশ ওইরে ।

৭। সলাই খানা চাওবনা খুমন য়েক পোকএ মচুদী অমুবনি গোত্রনা মধুগল্য ওইরে।

মহারাজ চাংথংখোম্বনা পানলগা মতম খৃ ১৭৮০ লমতাগী ১৫নি পানবা পানমা নুমিৎতা যাওশং মৈ থাবগা থৌরম পাওথোকখি অমসুং ১৬নি পানবা নোংমা কোন্নদা পিচকারি হায়না শ্রী গোবিন্দগী মমাংদা হোলিগী শৈশক হৌদোকপা শরকখি। অসিগী তুংদা খৃ ১৮২৪ মোদিং গম্ভীর সিংহগী মতমদা (রথ যাত্রা) ইঙেনগী নীনি পানবদা কাং চীংবগী থৌরম হৌদোকপা দশ অবতার থিবা অমসুং শকপা হৌখি। মসিদগী ইকুই কুইদনা মহারাজ চন্দ্রকীর্তিনা পানবা খৃ ১৮৩৪ দগী কাং মনুংদা জয়দেব চোংদুনা খুবাক ঈশৈ, ঝুলন ধন পালা, নাম পালা অসিনচিংবা শৈশকশিং শরুবকখি। অসিগী মতুংদা খৃ ১৮৪৪ নবশিং মহারাজগী মতমদা জলকেলী অমসুং শয়ন ঝান পালা হৌদোকখি। খৃ ১৮৯১, সাব চুরাচান্দ মহারাজগী মতমদা নুপী বাশক নুপী খুবাক ঈশৈ শরুবকখি। অসুম্না সঙ্কীর্তন অসি নোংম নোংমগী অসুম অসুম পাক চাওনা শন্দোবকখি।

নীংশিং খুদম

নট চোলোমগী মবমদা অবিবা পাল্লাগী চৎনবকপা নিযম চোলোম, অমসুং শৈশক খিজকবদা শ্রী শ্রী বামজি প্রভুগী মন্দীরদা লৈবল্লীবা গবিবনিৱাজ অমসুং সান্তীদাস অনীগী শক্তম্ম উকবদা থম্মোইদা নিংশিংনিঙাই খুদম অমা ওইবি। মৈত্রেবাক্কী ইতিহাসতা মযেক লানা লেংদবা খুদম লৈববা, মতমগী লাংওন লংদাইনা ইনাৎকী ইচেলবু কল্লবা মতমগী ঈবৈনা অকিবা শাফু পীদুনা অনৌবা মচু শংখিবা অমশুং লাইনিং লাইশোল কযাগী মশক হোংখিবা মসিবু মৈতৈ ইপা ইপুনা কাওদনবা, হৌবকফম ইচেলবু ঈথৈখিবা তাংককপু খংননবা মূর্ত্তী ওইনা শাবগা পাওখোং চন্দুনা থম্মীবম্বা অশাবা শক্তমশিং।



গবিবনীৱাজগী অশাবা শক্তম

খৃঃ ১৭০৯ মৈদিংঙু গবিবনীৱাজনা পানবা মতমদা থোকখিবা চাওববা লাংওন লংদাইগী অকনবা ঈচেল ঈথিলগী শাফু কযানা চৈথেঙ ওইখিবগী কাওদনবা গবিবনীৱাজগী মূর্ত্তীবু শাদুনা থম্মীবম্মী।

অসিগুবা মবম অসি অবিবা পূযা নোংপ্লংনচীংবদা মযেক লানা ইবি।


সান্তীদাসকী খশাবা শক্তম

খৃঃ ১৭৩২ সান্তীদাস গোসাইগী পাওতাক মতুংইন্না গরিবনীৱাজ নিংথৌনা মৈতৈগী মকুওইবা লাইবিক পুযাশিং কযা খোমজিন্দুনা কংলা উন্ত্রামাংদা মৈ থাখি। সলাই তবেৎপু লকুন থাংদুনা লাইনীং (লাইমীং) লৌদুনা চাওববা ধর্ম্মগী যাওল অমা লাকখিববু নিংশিং খুদম ওইনা মৈতৈ ইপা ইপুনা কাওদনবা শাখি ওইনা সান্তীদাসকী মুর্ত্তীবু শাদুনা থম্মীবম্মী।

অরিবা কীর্ত্তনগী মওং

পুং য়ৈবা অনী, ঈশৈ শকপা,দুহার, খোনপাংবা, পালাতোন অসুন্না পালাশিং ময়াম্না থা মচেৎ শানা কোয়দুনা শৈশকনৈ। অরিবা পালাগী ওইনদি পুং ঈশৈগী রাগগী মতাংদা বাহন য়াওদে অমশুং দুইতান ঘাট হায়না য়েৎলোইননা অমুক্তং কোইরগা মেন থাগনি অমশুং তাঞ্চপ মেনকুপশু য়াওনদে। হৌজিক্কী ওইনদি তাঞ্চপ মেনকুপ যাওনরে। অবিবা পালাগী ধুমেন মখল অহুম লৈ, মহা ধুমেন, নিত্যাই ধুমেন অমশুং গৌরধুমেন্নি। মহাধুমেন্দী গোবীন্দগী মাশুপ নত্তনা কৎপা য়াদে অতৈ অতোপা মফমদা ধুমেন অসি কৎনদে। ধুমেন অহুম অসিগী মনুংদা গৌরধুমেন, নিত্যাই ধুমেন অনী অসিদি লাইরেন মথেক চৎপগা মওং মান্নে, নিত্যাই ধুমেন অসি কৎপা তারবদি মাশুপ মথোং ১২ ওইগনি। ধুমেন পুং য়ৈবা যেৎ ওই অনীগী তরেৎ তবেৎ তবামবি লেম্পি, পুং কোক চৎপা অনী ওইগনি, পালা মযাম্না পুংয়ৈবশিংবু কোইশিন্দুনা লেপকনি। ধুমেনগী মতাংগী মওং মতুংইন্না লাইবেন মথেক চৎপগী মতাংদদি পুং য়ৈবা অমদি পালা পুন্নমক্না পবেং অমতা ওইবগনি। চৎপা মতমদা মাশুপ মথোং তরানিথোই শুনা পুংকোক চৎপনা মাং থাদুনা পুংয়ৈবাশিংগী মথংদা দুহাবনা ইন্দুনা পালাশিংনা চৎকনি। লাইরেন মথেক অসি চৎপা মতমদা য়ৈনরিবা পুংলোনদি 'ধেন্তাং ধিন, ধেন্তাং ধিন, ধিনখিত্র ধিন, তেন তাং '। পালাশিংনা পুংলোনগী মতুংইন্না তাঞ্চপ মপীশুন্না কবতাল মখাদা থারগা মথক্তা খৎতুনা চৎকনী।


অরিবা নিত্যাই ধুমেনগী লাইরেল মথেক

লাইরেন মথেক চৎপা লোইরবা মতুংদা হান্নগী মওং পরেং অনীদা হন্জিন্দুনা লৈরগনি মথংদা ঈশৈশকপনা হৌদুনা পালাশিং জগোয় শাগনি। মথংদা দুহার-মথং শাগনি অসুমতৌনা পালাশিংনা মথং মথং শাগনি। দুহারগা পালাতোন (থোমদোন)গা অনী অসি থুংকা থুংকা পাইনদুনা পুন্না জগোয় শাগনি। অনীগী জগোয়গী অরোয়বা মতমদা থুং মরি অদু পুন্না হাইমীন্নগনী, হাইবা লোয়রকপদা পাইনরিবা থুং মরি অদু সঙ্কীর্ত্তনগী মনুংলোমদা ওনশীন্দুনা থাদোক্লগনি অমগুং অস্টাঙ্গদা পুন্না থুরমগনি। অসুন্না পুংগীসু মাইকৈ অনীদগী মায়োক্লনা অমমম থোক্তুনা য়েংকি হন্জবা পুংকোক চৎপগা ওইগী থোমদোন লংবগা থোরক্তুনা থুরুমনগনি থুং য়েংকা-য়েংকা পাইন্দ্রুনা থুং ওই থাঙ্গৎতুনা য়েংলোমদা লৈগনি। অমুক ওইগা-ওইগা পাইন্দুনা থুং য়েং থাঙ্গৎতুনা ওয়রোমদা লৈগনি। অসুন্না অনী অনী শারকপনা অকোনবদা ওইগী পুংকোক চৎপা হঞ্জবগা য়েংকি পুং থোমদোন অনী থোক্লক্তুনা জগোয় শাগনি। অবিবগী নীত্যাই ধুমেনগী লাইরেন মথেকী মওং অসি পরম পরাগী ওইবা য়ুমজাও পাফলগা যান্না নকশিন্নবা মওংনি। হায়না ওঝা ঙারিয়ান্বম কুলচন্দ্র (পণ্ডিৎ)না মোং পীবি।

মৈতৈ লৈপাক্তা শিজিন্নরকপা পুং শেন অমসুং যন্ত্র থরঃ



তানয়ৈপুং

থুঃ গী মমাং

তানয়ৈপুং মতম থংনবা মীহুন গুম্বা

য়ৈবদি :- য়াংদৌবা য়াংদৌবী অনিনে।




পুং খোং

খুঃ গী মমাং, পুং খোং লাইনুবা ৭ লাইবুঙথৌ ৯গী মতমদগী ওইখিবা।



তেথনৌ যোংখিং

খুঃ গী মমাং শাবা লৈনুং মোবি খুনুংতানতেক খমলাংবা লাইনুবা ৭ লাইবুংথৌ ৯গী মতমগী ওইবা।




সেনফাং

খুঃ গী মমাং লাইনুবা ৭ লাইবুংথৌ ৯গী মতমগী ওইবা। শাবা সেনজাও কাইবংবা, সের্নালব



পেনা

খুঃ গী মমাং লৈনুং লোঞ্জা পাথংবগী মতমদগী লৈবক্রে তাইবংগী ওইনদি নহাবা মোইবেংজাম্বনা খোংলকই



লাংদে পুং

খুঃ গী মমাং, লাংদে পুং লোইযালাকপা খোবিফাবগী মতমদা ওইখিবা।



সাদিন লালদিন পুং খৃঃ ১৫৪ ১৬৪

সাদিন লানদিন পুং খুয়োই তোম্পোক

তাওথিংমাং যোইমোংবগী মতমদগী ওইথিবা।



পুং-খোন খৃঃ ১৪৬৭ ১৫০৮

মৈদিংঙু কাম্বগী মতমদগী বিষ্ণু পুজাদা

শিজিন্নবা হৌবে ।



অবিবা পুং খৃঃ ১৭০৯ ১৭৪৮

অবিবা পুং মৈদিংঙু পামহৈবগী

মতমদগী বমজাপ্রভুগী সেবাদা

শিজিন্নবা হৌবে।




অনৌবা পুং খৃঃ ১৭৬৩ ১৭৯৮

অনৌবা পুং মহাবাজ ভাগ্যচন্দ্রগী

মতমদগী শ্রী গোবিন্দজী সেবাদা

শিজিন্নবা হৌবে।



ধুলোক

খৃঃ ১৭৬৩ ১৭৯৮,ধুলোক

মহাবাজ ভাগ্যচন্দ্রগী মতমদা

শ্রী গোবিন্দজী সেবা হলিগী

শৈশক্তা শিজিন্নবা হৌবে।



রামতাল

খৃঃ ১৪৬৭ ১৫০৮ মৈদিংঙু ক্যাম্বগী মতমদগী বিষ্ণু পূজাদা শিজিন্নবে।




মোইবুং

খৃঃ ১৪৬৩ ১৫০৮ মৈদিংঙু ক্যাম্বগী মতমদা বিষ্ণু পূজাদা যাওবে। খাংবেন ইকৌখৎপা অমসুং থিয়াংতান্নবদা হৌজিক ফাওবা খোংবি লৈইননা গোবিন্দজী সেবা অমসুং লাই সংকীর্তনগী ওইবা মহল কয়দা শিজিন্নবা মোইবুং জুবা খোংবা হৌবদি মহারাজা চবাচান্দগী মতমদা তেলেম ওঝানি মোইবুংদি মঙ্গোলগী মশক্কি



মাঙ্গং

খৃ ১৬৯৭ ১৭৪৮ মৈদিংঙু চরাইরোংবগী মতমদা মী শিবনচিংকী শৈশক কয়াদা মাঙ্গং খিংদনা শিজিন্নবে।




অরিবা করতাল

খৃঃ ১৭০৯ ১৭৪৮ মৈদিংঙু পামহৈব গরীবনিবাজগী মতমদা বঙ্গদেস পালা হৌদোকখি মতম অদুদা অরিবা করতাল শিজিন্নবে




অনৌবা করতাল অপাবা

খৃঃ ১৭৬৩ -১৭৯৮, মহারাজ ভাগ্যাচন্দ্রগী মতমদা শ্রী গোবিন্দজী সেবাদা নট সঙ্কির্ত্তনদা শিজিন্নরে। মতম অদুগী ওঝাদি মহারাজ ভাগ্যাচন্দ্র, শ্যামশাই, ধরশাই, প্রেমান্দ, অসিনচিংবনি।



ঝান

খৃঃ ১৮২৪, গম্ভিরসিংহ মহারাজগী মতমদা শ্রী গোবিন্দজী সেবাদা ধোর পলাদা ঝান খিংদুনা হৌদোকখি। নরসিংহ মহারাজগী মতমদা মেরা থাগী শয়ন শকখি ঝান খিংদুনা নাম ডাকা হৌদোক্লুনা ঝান শিজিন্নখি।



অনৌবা করতাল ময়াই ওইনা থাবা

খৃঃ ১৮৩৪-১৮৪৪, মৈদিংঙু চন্দ্রকির্ত্তিগী মতমদা নট সঙ্কির্ত্তদা মপুং ফানা সিজিন্নরে।



অনৌবা করতাল অথাবা

খৃঃ ১৮৯১ - ১৯৪১,

মৈদিংঙু চুরচান্দগী মতমদা নট সঙ্কির্ত্তনদা শিজিন্নবে।

মথক্তা পিরিবা জন্ত্রসিং অসিদ নৎতনা মৈতৈ লৈপাক্তা শিজিন্নরম্বা অমশুং শিজীন্নরিবা জন্ত্রসিং সেনবুং, কাংশি, শরিক, মন্দিলা, বাঁশি অসিনচিংবা জন্ত্র মথল কয়া অমসু লৈখ্রে। বাঁশি, মৈতৈ লৈবাক্তা পাখংবগী মতমদগী লৈরক্রে অথোংবগী মমীংনা লৈনুং তারি কৌয়ে। বাঁশিবু মোইরাংনা তৌদ্রি হায়না কৌই, লৈম্রামনা ৱাতোন থরাও কৌএ অমশুং মাওনা তোংহৎ হায়না মাগী মাগী চৎনবি লোন্দা কৌনখিয়ে।

কলা

মহৌশাগী লৈজবদ্রবা পোৎ কযাদগী হেন্দোক থোইদোক্লা মীওইবগী হৈশিংবা খুৎশেম কযানা রাখলদগী পুথোক্লুনা ওইবকপা মহৈশিংনি। মীওইবগী পুক্লিং রাখলদগী থোক্লক্লিবা অদুনা অপাম্বা যেংনিংবা পোকহল্লবা থম্মোইবু পেলহনবা ওন্নবা, সমাজনা পাম্নববা, চৎনবীদা অকাইবা লৈত্রবা, থৌবম অমবু পুথোক্লুনা উৎলিবা নত্রগা তাহল্লিবা অদুবু কলা কৌই। খুদমঃ পুংযৈবা ঈশৈ শকপা, জগোই শাবা, লিলা ড্রামা, লাইয়েকপা, কবিতা লেংবা, মূর্ত্তি শাবা উ শুবা, থাং শাবা, সনা শাবা ফী শাবা অসিনচিংবা খুৎশা হৈবদগী থোকপা পোৎশিং অসিনি।

কলা হায়বসি মীওইবগী তৎন থান্নবা যাদ্রবা পোৎশক অমনি, লৈদগী হেন্না থোৎলবা ফজাবতা পাম্বা অফবা অহেনবতদা লৈনিংবা পোৎ খুদিংদা শিনফম খুদিংদা মফম মতম নাইদনা লৈবা লাইরেম্বনি হায়বা যাই। কলা যাওদবা পুন্সিদী অশিবগা পাম্বকনি হায়না লৌগে কলাগা মথল। ৬৪। চন্মুমবিনি হায়না অথং অহৈ ওঝাশিংনা থম্মীবন্নে। কল্লনাগী চাওবগা চুপ্পাল অমান । মশা নিপাল লো বনি মশা খুদিংদা মহৈ নিপান নিপান পাল্লি। মহৈশিং অদুগী মচু তিন্নদে মহাও থেন্নে। কলাকাব অদুগী অপাম্বা থৌবমগী মতুংইন্না মশাগী পুক্লিংনা ওইহন্নাংবা মওংগী বমদা পুশিন্দুনা কলাগী মহাও লৌবনি। কলানা মীওইবগী পুক্লিংগা অৱাবা শাওনাংবা পেন্দনা রাখল কযাবু কাওহন্দুনা থম্মোইদা নুংঙাইবা ফাওহনবা ইন্দ্রী মযোল চোংহন্দুনা হকচাং ৎেকখৎহনবা ঙম্মী। পুক্লিং রাখল অৱেম্পা থমদুনা থাবাই হকচাং বশ্থাকপা ঙম্মা কলাকাব অদুনা অৱাংবা থক্কী কলাগী মগুন ফোংদোকপা ঙম্মী। মতাবা মউবাশিংগা পাক্লিস ছবা পেলহনবা ওন্নবদ হোৎনজমন মহৈ যাল্লবা মপুং ফাবা কলা ওইরে হায়না লৌগনি।

পাক চাওবগা কলা অসিদগা মাৎথে। অনিদং থমজবি ঃ তুং ফাওবা লেংদনা উবা যাববা পোৎ লাই যেকপা মূর্ত্তী শাবা উশুবা থাংশাবা সানা শাবা, ফী শাবা অসিনচিংবা খুৎ শা হৈবদগা থোকপা মথলগী কলা। মীওইবনা যুমলৈ বৈরৈ ফাজেৎ চাকচানচিংবা বযাদা লৈঙগা থবনা পেন্থোকপা ঙন্নদে। অথোয অহেন পাম্নে। মানা মানা পামজবা থবগা রাখলগী লমজেল তান্নদুনা অমনা অমদগী হেন্নবা হোৎনে অহেনবা কযা লাকপদগা খুৎশা হৈবগী কলা ওইবকই। অতাবা অমগুং অউবা যেংবতং ফংবা পাইদনা পবা যাদবা কালা পং ইশৈ জগোয লিলা ডমা, অসিনচিংবা অসিদি

কলা,

উৎলিবা শক্লিবা পরিং অদু লোয়খিবগা অদুম্মক লোইরে, অমুক হন্না য়েংগে হাযরবদি ইনৌ নৌনা অমুক শাগৎত্তুনা উৎপা তাই। অসিগুম্বা কালা অসিবু অরাংবা থাক্তা থাঙ্গৎপীরম্মী। মীওইবনা পোকপদগী পিক্লিবা অঙাংবু মমানা ইরুজবীবদা চাক ইনবদা কম্পা থেম্বদা তুম্নবা শুম্বদা, চৎপা তম্বীবদা, লক্লবদা থোক্লকপা থম্মোইগী খোঙ্খোক খোঙ্গেন রাহৈ রাতা কয়ানা মচাবু থেমজৈ লক্লে। মচানা নোক খেদুনা চোং ফন্দুনা শান্নবা উরগা মমা মপাগী থম্মোইদা অপেনবা ওইনৈ। মীওইবগী অরোইবা মতমদসু লৈহৌরিবা মমা মপা মচা মশুনা কপ্লিবা তেংথারীবা, খংহৌদনা থম্মোইদগী থোক্লকপা খোঙ্খোক অসিনচিংবা অসিদগী সঙ্গীৎ কালা ওইরকই।

শ্রী চৈতন্য অমসুং সঙ্কীর্ত্তন

শ্রী শ্রী চৈতন্য মহাপ্রভু শকাব্দ ১৪০৭ ইং, শক ১৪৮৫ লমতাগী পূর্নিমা নুমিৎতা নবদ্বিপকী অন্তদ্বিপ্তা লৈবা ব্রহ্মনপল্লী হায়না খংনবা গামদা জগনাথ মীশ্র অমসুং ছচিগী মচা ওইনা পোকখি। চৈতন্যগী মমিং তকক লৈ। ১) নিমায, ২) নিলম্বর, ৩) বীসম্ভর, ৪) গৌরাঙ্গ, ৫) নবদ্বীপচন্দ্র, ৬) শ্রীচৈতন্য অসিনি। শ্রী চৈতন্য চহি ৪৮ শুবদা নিলাচন্দা পুন্সিগী অরোইবা ওইখি।

শ্রী চৈতন্যগী থোযদোক হেন্দোকপা গুন্না লৈতেংবা বাধা কৃষ্ণ অনিগী প্রেমদা পুল্লিং হকচাং কৎখিবা অমসুং বাধা কৃষ্ণ অনিগী নাম্বু কির্ত্তন তৌদুনা জগৎ জিববু মমিং পাংহনবীবন্না শ্রী নিত্যাইনন্দ লোযনদুনা ভক্তী প্রেম্বু হাম্পীদুনা নাম তনা জগৎ জিবগী লান্নফম ওইহনবীবন্না ফজববা গৌব শম্প্রদাযগী নুংগী খল্লোন অমসুং শ্রীমদ্ভাগবৎ, চৈতন্য চাবটমৃতনচীংবা লাইবিক কযাদা লৈবল্লীবা নুংগী ভাব বসদা লুপ্‌খিদুনা বাজশ্রী ভাগ্যচন্দ্রনা মৈতৈ লৈপাক্কী হান্নগী অনিবা শৈশক্কা নবদ্বীপকী কীর্ত্তণ শৈসক্কা পুন্সিন্নবগা ওঝাশিং কাযাগা তান্নদুনা তোপ তোম্পা শৈশক অমা হৌদোকখি মসিবু নট সঙ্কীর্ত্তন হাযনা চৎনবা হৌখি। মবম অদুনা কীর্ত্তনাগ শুক গৌবাঙ্গান ভক্তি প্রেমগা মপু শ্রীনিত্যাইন্দনি, হাযনা লৌদুনা অহানবা নট সঙ্কীর্ত্তনগী অহৌবদা শ্রী গৌবাঙ্গবু নংশিংজদুনা মাগী মওং মতৌ শাগৎচবগা গৌবাঙ্গগী ভাবতগী বাধা কৃষ্ণগী নাম্বু শোল্লী। মৈতৈ লৈপাক্তা গৌব শম্প্রদাযগী নট সঙ্কীর্ত্তন শৈশক্তা গৌবনিত্যাই অনিনা হৈগনি। অমসুং চৈতন্য নিত্যাই অনিনা লোইগনি। অসিগুম্না নিপা পালা নট সঙ্কীর্ত্তনগী মওং অসি বাজর্ষী ভাগ্যচন্দ্রগী সনা হাকততক্তগী চৎনবা হৌখি।

বাজর্ষী ভাগ্যচন্দ্র মহাবাজ খৃঃ ১৭২৯দা যাইস্কুল জন্মস্থান্দা পোকই, অপোকপী ব্রাযেনশম চনু চখামবিং লোইখোম্বি কৌই, পম্বৌনা শমশাই খুবাই লাকপা কৌই। ভাগ্যচন্দ্রগী মীংথোন (৬) শুই মদুদি : **(১) জয়শিং, (২) কার্ত্তা (৩) চিংথংখোম্বা (৪) চিংদ্রেন-নোংদ্রেনখোম্বা (৫) ভাগ্যচন্দ্র (৬) রাজর্ষী মহারাজ ভাগ্যচন্দ্র** । মথক্কী মিংথোন তকক অসিগী মবম জযসিংহ হাযবদি থবকপু ওম্না মপু হাযবনি, কার্ত্তা হাযবদি থবক্কী মপু হাযবনি, চিংথংখোম্বা হাযবদি চিং তম অনিবু খোমজিন্দুনা পুনবগী মপুহাযবনি, চিংদ্রেন নোংদ্রেনখোম্বা হাযবদি হাওফি অমুবা শেক্তুনা নোংথ্রৈ পরেং শিজিন্নগা, ফিমু শেৎপা হাওযামবু

লোইবী চিংথক্তা হোইদুনা পুবকপদা নুংশিংনা নোং হুমদুনা পুবা মাল্লি হাযনা চিংদ্রেন নোংদ্রেন খোম্বা হাযনা থোনখি, ভাগ্যচন্দ্র হাযবদি থাগুন্না ঙানবা লাইবক ফব্বা হাযবনি, রাজর্ষী মহাবাজ ভাগ্যচন্দ্র হাযবদি ব্রাহ্মণ কোকলৈবু মনাই খবনা হাংখিবদা ব্রাহ্মণগী ঈনা লৈবাক্তা তাবা উবদা মনাই মযাম কৌশিল্লগা, 'ব্রাহ্মণগী ঈনা লৈবাক্তা তাগ্রবনিনা, ঐ মনিপুবদা নিংথৌ ওইববোই' হাইদুনা মজা ইবুংঙো লাবন্যচন্দ্রদা খৃঃ ১৭৯৮ দা মনিপুবগী লৈবাক ঙাকপগী থবক পুন্নমক শিন্নবম্লগা গোবিন্দগী মমাংদা মখুৎ থাঙ্গৎকুনা জাগোই শাদুনা ওন্না থোইনা কপচখি, মতৌ অসিদগী বাজর্ষী ভাগ্যচন্দ্র হাযনা কৌখি।

নট সঙ্কীর্ত্তন হৌদোকখিবা

বাজর্ষী ভাগ্যচন্দ্র মহাবাজনা খৃঃ ১৭৭৬ কী হিযাঙ্গৈ ১২নি পানবা ইবাই, হবি উথান নুমিৎতা শ্রী গোবিন্দগী অভিসেক তৌদুনা কাঞ্চিপুবদা লেংশিনলগা খৃঃ ১৭৭৯ হিযাঙ্গৈ পুর্নিমা রাফুকপা নুমিৎতা জগোয বাস কৎখি জগোয বাসকী মাংওইননা নট সঙ্কীর্ত্তননা অহৌবা ওইখি মতম অসিদা নট সঙ্কীর্ত্তনগী পুং, ঈশৈ দুহাব ওইখিবশিংদিঃ- মহাবাজ ভাগ্যচন্দ্রনা পুং থোর্নখি ঙাংবম ওঝা প্রেম্মানন্দনা পুং তুং ইল্লি মতোন ইবুংঙো ভৌরাম শাইনা ঈশৈ হল্লি শ্রী ধবশাইনা দুহাব চৎলি খোনপাংবদি কবো খুম্বোং ওজা সিধান্তনি হাযনৈ অমসুং অখাম ওঝা বাশান্দনিসু হাযনৈ। মতম অসিদগা সঙ্কীর্ত্তনবু নট সঙ্কীর্ত্তন হাযনা কৌনখি। মতমদগী পুং ঈশৈ ওঝাশিংদি ঃ ওজা চেসবা চৈতন্য লোইতাম ওঝা বসিকানন্দ অখাম ওঝা বাসানন্দ খুমবোং ওজা সিধান্ত চোলোম ওজা সোবোকথাইবম সেংগুম্বা হৌবোকচম ওঝা শামু অসিনচিংবান হাযনা (শ্রীশ্রী হবি সঙ্কীর্ত্তন) কোনজেংবম ধনগী লাইবিক্রেসু পল্লি। অসুন্না ভাগ্যচন্দ্র মহাবাজনা মৈতৈ লৈপাক্কী নট সঙ্কীর্ত্তনগী লমজিং লমযানবিবম্মা। নট সঙ্কীর্ত্তনগী ইচেলগী হৌবকফম ওইবা ভাগ্যচন্দ্র সনা হাক্তকগী চেনথবকপা ইচেলনা ইখাই কযা লাক্তুনা সঙ্কীর্ত্তন মখল কযা ওইবকখি। প্রেমভক্তি বস কযাগা লোযননা মৈতৈ লৈপাক্তা শিনথুংনা শকনবকখি।বাজর্ষী ভাগ্যচন্দ্র মহাবাজ খৃঃ ১৭৯৯ মেবাগী হুমনি পানবা ইবাই নুমিৎকী নুমিৎ যুংবা মতুং পুং ৪ তাবদা মৈদিংঙু চিংথংখোম্বা ভাগ্যচন্দমহাবাজ বেঙ্গোল মুর্শিদবাদ জিলাদা পুন্সিগী অবোইবা ওইখি।

সঙ্কীর্ত্তন্দা 'নট' রাহৈ

'নট'হাযবা শব্দ অসিগী অর্থ তোঙান তোঙানবা রাহম্লোক কযা পিনবি। নট পালা হাযবা মমীং অসি সঙ্গিত শাস্ত্রগী মমাংদা হান্ন লৈবে হাযনা পানিনি সূত্রদা 'তৎ যঠা পর্ম্মর্য্যাশিল নিত্যাংভিক্ষ নট সূত্রযো' হাযবা অসি ফংবদগী আদি ভবত কৌবা মুণি অমনা নাট্য শাস্ত্র শেমলম্বদা অসুম্না শেম্লমলে হাযনা আচার্যশিংনা লেপনখি। পানিনিগী নট হাযবা সূত্রসি লৌদুনা মনিপুবগী ওঝাশিং, সিদ্ব পুরুষশিংনা নট পালা হাযনা মমিং থোলম্মি হাযবা অমা। বামানন্দ সঙ্গদা প্রভুনা প্রেম ভূত্তগী মখল মওং অমসুং বিকাববু মচা খাযনা হংবদা মনাই বামানন্দনা খুমখিবা, প্রেমদা লুপতুনা মখল মখলগী মশক মওং ওইবকপা অমশুং পাংথোকপদুবু নটনি, হাযবা অমা। মীওইবগী হকচাংনা লেং ওৎতুনা শাবা জগোইবুসু নট হাযবা অমা। পুং, ঈশৈ, জগোই অহম্না পুনববুসু নট কৌই হাযবা অমা। বাজর্ষী ভাগ্যচন্দ্রগী শ্রী গোবিন্দ নির্পনগী মতমদা হান্নগী সঙ্কীর্ত্তনবু অনৌবা নট সঙ্কীর্ত্তন কৌখিবা শ্রী গোবিন্দগী নট বব বেস ফিজোল থোনখিবা অদুগী মমিং লৌদুনা নট সঙ্কীর্ত্তন কৌখিবা অমা। অসিনচিংবা নট রাহৈগী মবম অসি শ্রী শ্রী হরি সঙ্কীর্ত্তন বিচাবনচিংবা লাইবিকশিংদা রাহম্লোক কযা পিনবি।

অরি অনৌ রাখম্লোন

তাইবং মীওইবনা শিবগা থরাইনা স্বর্গদা কাদুনা লাইবৈপাক্তা ঈশ্বরগী খুযাদা চংজদুনা লৈজবা, হাইবা রাখম্লোন অসিনা অবান খুভমগী অথোইবনি হাইনা লৌনে। মবম অসিগীদমক্তা তাইবংদা লৈহৌবিবা মীওইবশিংনা ঈশ্বরগী গুনবু শৈশক শৈথাজদুনা লৈখিদ্রবা লৈখিদ্রবীগী থরাই অদুবু লাইবম্লেন্দা থম্বীনবা ঈশ্বরগী মফমদা ঙমজবা হৈ লৈ কচ্ছদুনা খুকমজে। অসিগুম্বা রাখম্লোন অসি অবিবা মতমগী থৌবম কযাদা হোংনেম্বা হাযদুনা শিংকুমলোন, নোঙ্গাবোলনচিংবা কযা শক-শোন্দুনা ঈশ্বরগী মফমদা থৌনিজে। অসিগুম্বা মওং অসিবু মতমগী লাংওন কযা ধর্ম্মগী ইচেল কযানা অহোংবা পুবক্তুনা নট সঙ্কীর্ত্তন হাযনা শক-শোন্দুনা চৎনবি।

অবিবা অমশুং অনৌবা অনীগী নুংগী ৱাখল্লোন্দী হোংনেম্বগী শৈশক্তা, শোন্নপুংগী ময়াইদা তাইবং-মালেম্মু শেম্মীবা ইবুঙো ইবেম্মা অনিবু মীতম লাক্লা শৈথাজেযে, নট সঙ্কীর্ত্তন্দনা গৌবাঙ্গগী ভাব-ভক্তিদা পুশিন্দুনা মন্দীব ময়াইদা বাধা কৃষ্ণ লেংশিল্লে হায়না খন্না শক শোল্লি। অবিবগী শৈহৌদি - 'হুং হয়ুম হযা' হাইনা শৈহৌই। নট সঙ্কীর্ত্তন্দনা - 'আ- তা, আ, বি ই, না, ত, না' হাইনা বাগ হৌই, অসিগী মতুংগী শৈশক্তি লৈখিদ্রবগী থৱাইবু তাইবং পানবদা লৈহৌনিবশিংনা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা থৱাইবু থিনগৎলমদাই শৈশক্তি মতাংনি। নট সঙ্গীর্ত্তনর্দদি বাগ মতুং তিন-তাল তাবকপা মতাং অসিনি। থৱাইনা মপুগী নাক্তা যৌননবা চৎখৰনি হাইনা খন্দুনা শকপা শৈশক্তি মতাংবু সঙ্কীর্ত্তনদা দুই তালগী বাজমেন শাগৎপগী মনুং অসিনি। লৈখিদ্রবগী থৱাইনা মপুগী খুযা যৌবে হাইনা খন্দুনা শকপা শৈসক্তি মতমবু সঙ্কীর্ত্তনদা মেন থাবগী মতাং অসিদা ওই। মাসগী মতুংদা লৈখিদ্রবগী থৱাইবু তাইবংদা অমুক থাবিবক্তনা মাগী শাগৈগী যেক সলাইদা তালহন্নবখো হাইনা যৌনিজদুনা ঈশ্বরদা হাযজবগী মতাংনা সঙ্কীর্ত্তনদা তাংপ মেনকৃপাক মতাং না মতাং অসির্দদি অবি-অনৌ ৱাখল্লোন খব' থেন্নবে সঙ্কীর্ত্তন্দাদ লৌখিদ্রবা' আম্না অদুবু তাইবংদা অমুক হন্না পোকহর্নাববনু ঈশ্বরগী চৰণ নাক্তা লেংদনা থাম্নবু হায়না প্রার্থনা তৌদুনা নিজৈ। অসুন্না চৎলিবা নুংগী ৱাখল্লোন আস লাই গুব ওঝাশিংনা শেমবিবম্বা শকলিবা গুব ঈশৈগী শঙ্খ অমগ হকচাংগী সালোম তাঞ্চৎকি শেল্লমলিবা মীহুলগা খোংচৎ অসিনা মৰ ওইনা হোংদোল্লি

সাত দেবালোয়

ভাগ্যচন্দ্র মহারাজগী মতমদা কাইনগী থৈবোং পাম্বিনা শাদুনা নির্পোন তৌখিবা মূর্ত্তিশিং গৌব ধর্ম্মগী ওইবা ঈশ্বব কযা মর্ত্তি শাদুনা থম্বীবম্মী। শ্রী গোবিন্দগা মবি লৈনবা সাত দেবালোয হাযনা খ'নবা মূর্ত্তিশিং ঙসি ফাওবদসু সেবা তৌনবি মূর্ত্তিশিংসি শাবগী মমী তম্বদি গোপীবাম নি :



(১) গোবিন্দ সন' কেনুং
১'৩২'১০। শকাব্দ ১৬৯৮
অশাবা শাপম লক্ষ্মন



(২) মদনমহন ওইনাম থিংগেন
(অতিযামচু) শকাব্দ ১৬৯৮
অশাবা শাপম লক্ষ্মন



(৩) গোপীনাথ নীংথৌখোং (অতিযামচু)
শাকাব্দ ১৬৯৮ অশাবা শাপম লক্ষ্মন



(৪) বিজয গোবিন্দ, শগোলবন্দ
(অতিযামচু) শাকাব্দ ১৬৯৮
অশাবা শাপম লক্ষ্মন



(৫)নিত্যাইন্দ - ললাঘুং
(সনামচু) শাকাব্দ ১৭১৬
অশাবা শাপম লক্ষ্মন



(৬) অনুপ্রভু - নবদ্বিপ
(সনামচু) শাকাব্দ ১৭১৬
অশাবা শাপম লক্ষ্মন



(৭) অদ্বৈত - লমাংদোং
(সনামচু) শাকাব্দ ১৭২০
অশাবা শাপম লক্ষ্মন

অষ্টকাল

অষ্টকাল হায়বা অসি নোংমগী মতমবু শরুক নিপান থোক্লগা খায়দোকপা হায়বনি। কাল নিপানগী শরুক অমদা যুথক নিপাল লৈ। অসিগুম্বা শরুক নিপান পুল্লগা যুথক হুম্ফুমরি ওই। হৌজিক্কী মতমগী পুংশিংদদি যুথক অমগী মতম পুং অহুম্না ওই। অসিগুম্বা মতম নিপান অসিবু (অষ্টকাল) মতম নিপান হায়না খংনৈ মদুদি :-

(১) নিশান্ত - নোংঙাল্লমদায়,মঙ্গল আর্তি ইবুংঙো ইবেম্মা হৌদোকপা সেবা

(২) প্রাত নোংঙাল্লকপা, ধুপ আর্তি গুরুজোন সেবা

(৩) পূর্ব্বহ্ন - নুমিৎ হাযগৎলকপা, সিঙ্গাব আর্তি লূক সেবা

(৪) মধ্যহ্ন - নুমিৎ য়ুংলকপা বন লিলা

(৫) অপবাহ্ন - নুংথিল, গ্বান আর্তি সেবা

(৬) সয়াহ্ন - নুমিদাংবাইরম, সন্ধ্যা আর্তি সেবা

(৭) প্রদোষ যাচংলকপা, বিশ্রাম

(৮) নিশাকাল অহিংগী মতম, অহিং লিলা

(মর্থাক্কি কাল নিপান অসি ব্রজগী ভাবতা চিংশিন্দুনা শ্রী গোবিন্দগী সেবাদা থৌগন্নবি। কাল নিপান্না যুম্ফম ওইবা রস কযাবু নট সঙ্কীর্ত্তন্দা শৈশক্লরি।

থাচেৎ য়াওল (ঋতু) তরুক্কি মমীং অমশুং নট সঙ্কীর্ত্তন ঈশৈ রাগ:-

১ শজিবু-কালেন ——— নোংহৌ-থা ——— মল্লব রাগ পুরুষ।

২ ইঙা ইঙেন ——— নোংজু-থা ——— মল্লার রাগ পুরুষ।

৩ থৱান লাংবন ——— ওলাং-থা ——— শ্রী রাগ পুরুষ।

৪ মেবা-হিয়াঙ্গৈ ——— নিংথম থা ——— হিল্লোন রাগ পুরুষ।

৫ পোইনু-ৱাকচিং ——— নাকেন থা ——— কর্ণাটক রাগ পুরুষ।

৬ ফাইরেন-লমতা ——— য়েন্নিং-থা ——— বসন্ত রাগ পুরুষ।

মথক্তা পিরিবা থাচৎ য়াওল কোন্নবা রাগ (৬) অসি নট সঙ্কীর্ত্তনগীদা ওইবা রাগনি।

দশ কর্ম্ম

গৌর শম্প্রদায়গী ওইনা মীওই অমগী পুন্সিদা (দশ কর্ম্ম) থৌরম তরা চৎনরি। মখোয়শিং অদুদিঃ-

১- পোকপা ২-ছষ্ঠী পূজা ৩-য়ুমসেংবা নুমিৎকী পূজা

৪-চউম্বা ৫-নাহৎপ ৬- বীদ্যাতম্বা

৭- লুগুন থাংবা ৮- লুহোংবা ৯-ইমা ইপাগী শ্রদ্ধ

১০- ইমা ইপাগী ফীরোই।

১- পোকপা নুমিৎ - মীওইবনা তাইবংপান ফাওরকপা মতমদা অহানবদা জীব অদুগী মপা ওইবিবা অদুনা নাকোংদা হরিনাম শোনগনি, নিপা ওইরগা য়েৎথংবা নাকোংদগী হৌগনি অমশুং ওইদ লোইগনি. নুপী ওইরগা ওইথংবা নাকোংদগী হৌগনি অমশুং যেৎলোমদা লোইগনি মসি অহানবা কর্ম্মনি।

২- ছষ্ঠী পূজা - মীওইবনা পোকপা নুমিত্তগী তরুক্নী শুবা নুমিত্তা ছষ্ঠী দেবীদা পূজা কৎলি। পূং ঈশৈ হরি নাম শক-শোনবা তৌনরকই, লোইননা ছষ্ঠী দেবীগী লাইরিক তাবনচিংবা কাইদনা চৎনরকই। মসি অনীশুবা কর্ম্মনি।

৩- য়ুমশেংব নুমিৎ- মীওইবনা পোকপা নুমিত্তগী তরানিথোইনি শুবা নুমিত্তা য়ুমশেংবগী পূজা তৌই। য়ুম অদু

ঈশিংদা তুলশি পত্র হাপ্পুনা মন্ত্র শোন্দুনা চাইথোক-শেংদোকই। নুমিৎ অসিদা অঙাং অদুশু শেংদোক্নুনা নুমিৎ-থা থুরুমহল্লি, মসি অহুমশুবা কর্ম্মনি।

৪- চউম্বা- মীওইবনা পোকপা নুমিৎতগী নিপা ওইরগা থা তরুকশুবা মতমদা চউম্মী নুপী ওইরগা থা অহুমশুবা নুমিৎতা চউম্মী অসুন্না চৎনরকই। নুমিৎ অসিদা ঈশ্বরদা ঙমজবা বস্তু খরদং কৎচদুনা অঙাং অদুগী মপুন্সিগী অহানবা ওইনা ঈশ্বরদা কৎপা মহাপ্রশাদী ফংহনগনি মসিনা মরিশুবা কর্ম্মনি।

৫- নাহুৎপা- মীওইবনা পোকপা নুমিৎতগী চহি অহুম শুরকপা মতমদা না-হুৎলি, মসিদা ঙমজবা মীওইশিংনা যজ্ঞ কত্তুনা হরি সংকীর্ত্তন্দা মোইবুং খোনজেল যাওনা অঙাং অদুগী মপুন্সিগী মঙ্গোল ওইনবগীদমক নাহুৎপা মতমদা যজ্ঞ তৌনৈ, মসি মঙাশুবা কর্ম্মনি।

৬- বীদ্যা তম্বা- মীওইবনা পোকপা নুমিত্তগী চহি মঙাশুবা মতমদা বিদ্যা তম্বা হৌনবগীদমক মপা মমা ওইবা শুরুনা শিক্ষা গুরুগী মফমদা বিদ্যা তম্বা জ্ঞান বুধি লৌশিংনচিংবা কযা তমহল্লগনি, মসি তরুক শুবা কর্ম্মনি।

৭- লুশুন থাংবা মীওইবনা পোকপা নুমিত্তগী চহি মাপল-তবা সূবকপা মতমদা দিক্ষা গুরুগী মফমদগী হরিনাম মন্ত্রগা লোইননা লাইনিং লৌদুনা লুগুন থাংই লোইননা অপোকপী অপোকপা অনীনা মচাবু শিক্ষা গুরুগী মফমদা অপাম্বা মহৈ তমহনগনি মসি ৩বেৎশুবা কর্ম্মনি।

৮- লুহোংবা মী অদুনা মশাগী মপুং মবৈ ফাবক্রবা মতমদা সংশাবগী যুম্বান লম্বিদা খোংদাবা মতমদা সঙ্কীর্ত্তনগা লোইননা লুহোংবা (বিবাহ)গী মতম অসি নিপানশুবা কর্ম্মনি।

৯- শ্রাদ্ধ কর্ম্ম মী অদুগী অপোকপি নম্ুগা অপোকপনা লৈখিদ্রবদা, ইমা নম্রগা ইপাগী অত্মানা সান্তি ওইননবা ইশ্বরগী মফমদা ঙমজবা কত্তুনা সঙ্কীর্ত্তনগা লোইননা শ্রাদ্ধ সোনবা অসি মাপলশুবা কর্ম্মনি।

১০ কুমওন ফিরোই মী অদুগী অপোকপি নম্রগা অপোকপা অদুগী লৈখিদ্রবা মতুং চহি ওল্লকপদা, লৈখিদব নুমিৎকা থাবান অদুদা হরি সংকীর্ত্তন কচ্চদুনা কুমওন ফিরোই সোনবা অসি তাবাশুবা কর্ম্মনি।

মথক্তা পীবিবা দশ কর্ম্ম অসি মীওইবগী পুন্সিদা তৌনবিবা অমসুং তৌফম থোকপ কর্ম্মশিংনি।

সেবা মন্ত্র

ঈরুজবগী মন্ত্র,

'হে গঙ্গা কৌবী তীর্থ, যমুনা কৌবী, গৌদাবরী, স্বরসতী, নর্মাদা, সিন্ধু, কাবেরী কৌবী তীর্থ, ঐনা ঈরুজবা মতমদা নখোযগী ঈশিংদা ঈশা পুম্বা লুপচরি' অসুম্না থনগনি। মসিগী মতুংদা নুমিৎ কৌবা লাইদা ঈশিং খুজোক অনী (২) কৎকনি, তর্পন তৌগনি।

(১) তুলসি স্নাণ মন্ত্র,

'ঈদানীং বিমমা ভব ওঁ হুং যট শ্বাহা। শ্রী কৃষ্ণ বল্লভে দেবী, জগচ্চৈতন্য - কারিনি। স্নাপয়ামি জগদ্ধাত্রি কৃষ্ণ ভক্তি প্রদায়িনি'।

(২) তুলসি মখোং তৈকপী মন্ত্র,

'তুলসি সর্ব্বদা ভদ্রে সর্ব্ব কাম ফল প্রদে। লেপযামি তব মূলং সর্ব্ব পাপ হবা ভব''।

(৩) তুলসি খুরুম্নবা মন্ত্র,

'তম্মূলে সর্ব্ব তির্থানি তবাঙ্গে সর্ব্ব দেবতা, ত্বং পত্রৈঃ পুজিতা বিষ্ণু তুলসি ত্বাং নমাম্যহম'।

(৪) তুলসি মনা হেকপগী মন্ত্র,

তুলস্য মৃতনামসি সদা ত্বং কেশবপ্রিয়া । কেশবার্থে চিনোমি ত্বাং ববদা ভব শোভনে । তদঙ্গ সম্ভবৈঃ পত্রে

পূজযামি যথা হরিম-। তথা গুরু পবিত্রাঙ্গি কলৌ মলবিনাসিনি ॥

(৫) তুলসি হেকপা য়াদবা নুমিৎ থাবান,

দ্বাদশী, পুর্নিমা, অমাবস্যা, নোংমাইজিং, নুমিৎযুংবা মতম, সন্ধ্যা যাচংবা মতম অমসুং অহিং নুমিদাং হেক্রুদে মখোংদা তাবা অকেনবা ওইনা শিজিনৈ ।

(৬) লুগুণ গায়ত্রি মন্ত্র,

'ওঁ ভূঃ ওঁ ভুবঃ ওঁ শ্বহঃ ওঁ তৎ সবি তু র্ববে নাং ভগো দেবস্য ধীমহি ধিয়ো রেনে প্রদোদয়াৎ ওঁ'।

(৭) করতাল গায়ত্রি মন্ত্র, ক্লীঁ ধীঁ দ্রীঁ কবতাল প্রচোদযাৎ,

(৮)করতাল মরি নাম্ববা মন্ত্র, ব্রীঁ ব্রীঁ ফ্রৌং ফ্রৌং কবতাল স্বাহঃ।

চন্দোথিনফম মফম ১২ অমসুং মন্ত্র

হকচাংগী মফম	মন্ত্র
(১) লাইবক	ওঁ কেসবায় নমঃ।
(২) খোইদৌ	ওঁ নরায়নায় নমঃ।
(৩) থবাক (থম্মোই)	ওঁ মাধবায় নমঃ।
(৪) খৌরি	ওঁ গোবীন্দায় নমঃ।
(৫) য়েৎকী পুকনোপ	ওঁ বিষ্ণুবে নমঃ।
(৬) য়েৎকী পাম্বোম	ওঁ মোধুসুদনায় নমঃ।
(৭) য়েৎকী পাম্বোম মরু	ওঁ ত্রিবিক্রমায় নমঃ।
(৮) ওইগী পুকনোপ	ওঁ বাম্মদেবায় নমঃ।
(৯) ওইগী পাম্বোম	ওঁ শ্রী ধয়ায় নমঃ।
(১০) ওইগী পাম্বোম মরু	ওঁ ঋষী কেশর নমঃ।
(১১) তুংগী লুশম	ওঁ বাসুদেবায় নমঃ।
(১২) তুংগী খ্বাং	ওঁ দামুদবায় নমঃ।

চন্দোন থীনফম তাবনিথোই (১২) অসি গৌর ধম্ম চৎপা মীওইশিং অমদি নট পালাশিংনা থীনগনি, লোয়ননা ঈশ্বর তবানিথোইসু মাগী মাগী চন্দোন থীনফম অদুদা লেংদনা লৈ হায়না খনগনি। চন্দোলগী মফম তরানিথোই অসিগী মনুংদা বানা পানবা য়াবা মফম মঙা লৈ, মদুদিঃ নাতোন, খৌরিগী অকুৎপা, থবাক্কী থম্মোয় মপা, য়েৎকী পাম্বোম, ওয়গী পাম্বোম মঙা অসিনি। নুপীগী ওইনদি চন্দোল থিনফম মফম মঙা খক্তমক থিনগনি মদুদি মায়, খৌরি, য়েৎকী পাম্বোম, ওয়গী পাম্বোম অমশুং নঙ্গলগী লুশম অসিনি।

মথক্তি সেবা মন্ত্রশিং অসি অরিবম চিত্রেশ্বর শর্ম্মদগী ফংজবনি।

লাইবুং অমসুং মাওব

মৈতৈ ইনাৎকী ওইবা লাইবুংঙী মাওব হায়না খংনরকখি। লাইবুংগী মাইকৈ মরীগী মওংবু মুংরিংব, তাংমরিংবা, চকপরিংব অমশুং পাম্মরিংব অসুন্না লৌনৈ। লাইবুংগী মাইকৈ শুংদাই নিপান ঙাকপদি কৌরু,
থাংজিং, মার্জিং, ৱাংব্রেন, থৱা, চেংঙা, য়ুহা অমশুং য়ুচেঙনি। থৌরমগী মতুংইন্না থোংঙাকপদি কোংদিং নুং-নি, শিনলাংবা অরাংবা লৈ-লাংবদি পানথোইবীনি, মতমদুগী ওইনা সনজি, অমসুং কোরিগী থরাওজি খোংনরম্মি।

নবদ্বিপকী ভাবতা মাওব

মাওবকি মখোং মাপন (৯)বু নবদ্বিপকী ভাবতা দ্বিপ (৯) নি হায়না লৌনৈ।

মদুদিঃ

(১) অন্তৱীপ (২) শিমন্তদ্বীপ (৩) গোদ্রুমদ্বীপ
(৪) মধদীপ (৫) কোলদ্বীপ (৬) ঋতুদ্বীপ
(৭) জাহ্নুদ্বীপ (৮) মোদদ্রমদ্বীপ (৯) রুদ্রদ্বীপ অসুন্না লৌনৈ।

থোংঙাকপা খোংহামফমদি ভক্ত কালিদাসনি, অরাংফম রাধব পন্দিতনি, মোইবুং খোংবা ভক্তা রঘুনাথ গোস্বামিনি অসুন্না পীরি। নবদ্বীপকী শ্রী চৈটন্যগী সঙ্কীর্ত্তনগী মওংদি পুং য়ৈবা-অদ্বৈতনি, তুং ইনবা ভক্ত গোবিন্দনি, ঈশৈ শকপা শ্রী-বাসনি, দুহার-মুকুণ্ডনি, খোনপাংবা নিত্যানন্দনি, খোমদোন লংবা গদাধরনি অমশুং ভক্তশিংনা পালানি। নুংগী ভাবতা ঈশৈগী রাগ মনুংদা ঈশৈ শকপদি গৌরাঙ্গনশু ওই হাইন লৌনৈ।

বৃন্দাবনগী ভাবতা মাণ্ডপ

মাণ্ডপ মখোং নিপান (৮) ময়াইগা মাপন (৯) অসিগী ডাবতি :-

১) চিংখৈ	কুন্দলাতা সখি
২) নোংপোক	রঙ্গমঞ্জুরি ,,
৩) মৈরম	ইন্দুরেখা ,,
৪) মখা	চম্পক লতা ,,
৫) মোইরাং লাইহিজি	চিত্রা (শ্যামমঞ্জুরী)
৬) নোংচুপ	ললিতা
৭) কৌরু	রতি মঞ্জুরি
৮) অৱাং	লবঙ্গ মঞ্জুরি
৯) ময়াই	কল্প বৃক্ষ (শ্রী কৃষ্ণ)

ময়াইগী মখোং যাত্রা অসিদী শ্রীকৃষ্ণগী মশকি লৌনৈ খোংহাম্ফমনা গোপেশ্বর মহাদেবনি, অরাংফমদি লক্ষ্মীনি, সেবা ভগবতি পুনিমাশিনী, থৌবুদি শ্রীমতী রাধিকানি, সেবা ঙাইজরিবা সখিশিং কয়াও লৈবি হাযনা লৌনৈ। অশুম্না সঙ্কীর্ত্তনবু বৃন্দাবনগী ডাবতা চৎনৈ। শ্রাদ্ধ কর্ম্ম ফিবোই অমশুং কির্ত্তণ নত্তবা নট সঙ্কীর্ত্তন অতৈদদি খোংহাম্ফম থাদে।

কীর্ত্তন মখল অহুম

১) নাম কীর্ত্তন, ২) গুন কীর্ত্তন অমশুং ৩) লিলা কীর্ত্তন।

নাম কীর্ত্তনঃ- মফম মতম লৈতনা খুৎতা ষন্ত্র পায়দুনা ইশা ইথন্ত ওইরবসু ঈশ্বরগী নাম শোন্দুনা ঈশ্বরনা পেন্নিনবা ঈশ্বরবু ফংননবা অৱাবা কোক্লবা শকচ শোঞ্জববু , নাম কির্ত্তন কৌই।

গুন কীর্ত্তণঃ- জগৎকী মপু, প্রেম রসগী তুংনফম ওইরিবা য়েক্লবগী মফমদা বর্জ্য কোটিদগী হেন্না কল্লবা শক্তি পুথোকপা ঙম্বা ভক্ত বৈষ্ণবকী মফমদদি লৈদগী হেন্না থোৎলবা, জিবা পুন্নমক্কী অফ-ফত্ত, পাপ্পী-পাছন্দি কয়াবু লানবীবা, পাপ কোকপিবা ঙম্বা ঈশ্বর মাগী নামগী গুন কয়া শকচ-শোঞ্জববু গুন কীর্ত্তণ কৌই।

লিলা কীর্ত্তণঃ- মীওইবনা ঈশ্বরগী মওং মতৌ তমদুনা, ফিজেৎ লৈতেং মখল কয়াগী মপাল তাংদুনা ঈশ্বরগুম শক্তি ফোংদোক্তুনা শান্নবা লিলাগী শৈশক মওংবু লিলা কীর্ত্তণ হায়না কৌই। থুদম ওইনা গৌরলিলা ষনশেনবা, জগোয়-রাস, অসিনচিংবা।

নট পালা ধুমেন

ধুমেন মখল মরি থোক্না শিজিন্নৈ, মদুদি .- **(১) মহা ধুমেন (২) নিত্যাই ধুমেন (৩) দেবী ধুমেন (৪) গৌর ধুমেন ।**

(১) মহা ধুমেনঃ- মহারাজ ভাগ্যচন্দ্রগী ৱাখলদা শ্রী গোবীন্দগী কৃপানা মংফাওনরকখিবা মহা ধুমেন অসি খৃঃ ১৮০৩-১৮১৩, চৌরজিৎ-মার্জিৎ অনীনা কৎখি। মহা ধুমেন অসি মৈতৈগী অহানবা লাইনিং লম্বীগা নর্কশিন্নবা মওংনি, মৈতৈগী লাইনিং লম্বীদা ঈশিংদা কোনয়াই থাদদুনা লং অহিংবা চিংদুনা অমাইবা অমাইবীনা চফুদা ঈশিং শোক্কৎতুনা তাইরেন মনা, লাংথ্রৈ মতোন্নচিংবা পোৎলম কয়া য়াওনা লাই লৌখৎলি। মতুংদা লাইবুংদা চুথেক মরী, চুক মরী থাদুনা লাই শাগৎপদা তৌরিবা লোনচৎ অসিগা য়েংনরুবদা হান্নগী মওংদা য়ুমফম ওইবনি হায়বা তাকই। মদুদি তাইরেন মানাগী মহুৎতা হৈনৌ মনা, লাংথ্রৈগী মহুৎতা তুলসি, অসুম্না

অহানবা অকোনবা অনী অসি চাংদম্নদুনা ওইবকখিবা মওংনি, মহা ধুমেন কৎখিবা মতম অদুগী ওঝাশিং, যুম্নাম যদুনাথ, ওঝা চৈতন্য য়াওনা সেমখিবনি। ধুমেনগী মওংদি পুং যৈবা ১৪ (পুংকোক চৎপা অনী), ঈশৈ শকপা অমা, দুহার অমা, খোন পাংবা অমা ওইগনি, পুং য়েৰশিংদুগী মপান্দা দুহ্‌রুনচিংবা পালাশিংনা কোইশিল্লি। ধুমেন পুং পালাগী কোইবা মওংদি অরিবা পালাগা মান্নৈ, মহাধুমেন কৎপা তারবদি অহোবাত্রি যাওগনী।

(২) নিত্যাই ধুমেন ঃ- খৃঃ ১৮১৩-১৮১৯ মহাবাজ মার্জিৎকী সনা হাক্তক্তা মযাং লৈপাক কছাব ললাংদা শ্রী গোবীন্দ লেংদুনা লান চেনখিবা চহি তবেৎ থুন্তাকপা হাযনা খংনবা মতম অসিদা কছাবদা নিত্যায ধুমেন কৎখী। ধুমেন অসি শ্রী গোবীন্দনা ললাংদা লৈবিঙৈদা কৎখিবা ওইবনা ধুমেন অসি প্রজাগী ওইখি। মতম অসিগী ধুমেন ওঝা ইবাবন্ত, ওঝা ঠাকুব শ্যাম অসিনচিংবা ওঝাশিংনা শেম্বীববম্মী। নিত্যায ধুমেনদি অহোবাত্রি যাওদে।

(৩) দেবী ধুমেন ঃ- খ. ১৮৩৪ ১৮৪৪ মহাবাজ চন্দ্রকৃতিগী মতমদা জিলা দাববাব চৎলমদাইদা দেবী ইম্নাদা মঙোল নিজবগা সঙ্কল্প তৌখি। জিলা দাববাবদগী হল্লক্রগা দেবী ধুমেন কৎখ মতম অসিগী পুংগী ওজা যুম্নাম যুদনাথ অমসুং সিনাম ওঝা ইন্দ্র অসিনাচিংবা ওঝাসিং তান্নদুনা দেবী ধুমেন কৎখি। মফমদি চিংঙা মখা মৈস্নামগাদনি। ধুমেন অসি কৎপদা অহোবাত্রি যাওদে।

(৪) গৌর ধুমেন ঃ- খৃঃ ১৮৪৪ ১৮৫০ নবশিং মহাবাজগী মতমদা গৌব ধুমেন কৎখি। মতম অদুগী ওজাদি ঠাকুব শ্যাম, ওঝা পুবেন লঘু সিংহ অসিনচিংবা তান্নদুনা গৌব ধুমেন কৎখি। গৌব ধুমেন কৎপা তাববদি অহোবাত্রি যাওগনি।
মতৌ অসুম্না পুং ঈশৈ পালা অবিবা অনৌবা অনিমক্কী ওঝাশিং তান্নদুনা ধুমেন পুংলোন কবতাল মবোল চোলোম জগোইনচিংবা মখলশিং অসি শেম্বীবম্মী।

চোলোমগী হৌরকফম

গুরু সাকার ওইবা মশক উদবা নুংশিৎ কুম্বা তাইবং পানবা মপু অতিং কোক গুরু শিদবনা মচানিপা অতিয়া গুরু শিদবদা মালেম লৈশেমলো হায়না শিন্নরকএ গুরুগী থৌদা মতুংইন্না অতিয়া গুরুশিদবনা লাইবুং থৌ মাপল লাইনুরা তরেৎকা লোয়ননা মালেম লৈশেম লৈথোনবা মতমদা অতোং অকুৎ মান্ননবা খোংনা নেৎখিবা অদুদগী খোংথাং লৌদুনা অমদি মালেম লৈশেম লৈনেৎ লোইরবদা লাইশিংনা হরাওদুনা চোংবা নোইবা অদুগী মওং মতৌ লৌদুনা চোলোম ওইরকখি *(মনিপুরী জগোই সেমিনার ষ্টেট কালা একাডেমি, লমাই ১১২ সুবদা ওঝা থাংজম চাওবা ওজা মাইবম ইবোহল অনীনা পিরি)*। মতৌ অসুন্না ওইরক্লিবা চোলোম অসি মতমগী য়াওন্না মহৌশাগী খুৎশেমগী (প্রকিতি) ওইবা লেংলি-পাল্লিবা কয়াদগী লৌদুনা চোলোমগী শাথেক, শানোম, ঈপোম, ইছল, মৈতৈগী ঈদা য়াওদুনা লাক্রবনি।পৃথিবীগী জাতি কয়াদগী পুমতোপ তোপ্পবা মৈতৈ জাতিগী শক্তাক্লিংঙাই ওইনা ঙসি ফাওবদা মনিপুর নট সংকীর্ত্তনদা য়ুম্ফম ওইদুনা ভক্তিপ্রেম রষকা ইরোইননা নুংগী ব্রাখল কযাবু চোলোম্না ফোংদোক্লুনা শিজিন্নরি। চোলোম অসিগী মওংদি ফমফম ফিরেপ, ফিথুপ, মিৎয়েং খুৎফম, খোঙফম, খোঙথাং, মওং নাইবা, কায়বা য়াদবা অমনি। পরম পরাগী ওইবা লাই হবাওবগী জগোই অমসুং রাস লিলাগী জগোইদগীসু খর কনখৎপা, থাং-তাদগীসু খরা নৌথবা মরক্তা লৈবা মওংনি। চোলোম হায়বা অসি তোপ তোম্পা নিপা জগোই মখল অমনি; মসি নট সঙ্কীর্ত্তন্দা মরুওইনা য়াওদবা য়াদ্রবা য়াংলেন শরুনি। চোলোমগী শানোমশিং অসিগী অশেংবা নুংগী ব্রাহম্মোক্তি তাইবং পুম্বগী থরাই ওইরিবা, মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ, লৈথক অমদি লৈখা শোক্লা নোইবনে, অসিগুম্বা শানোম অসি নট সঙ্কীর্ত্তন্দা রাজমেনগী শানোমদা ময়েক শেংনা য়াওরি। মথক্তা পনখ্রিবা লৈশেম, লৈনেৎ, লাকখিবা লাইনুরা (৭) লাইবুংথৌ (৯) গী মমিংশিংদীঃ- **লাই নুরা তরেৎঃ- ১) লাইম্না, ২) চিৎনু, ৩) লমলুনু, ৪) মহমনু ৫) অরাইনু ৬) খেরেলোংব চনু, ৭) তোন থাংনু। লাইবুংথৌ মাপনঃ- ১)কৌক্রু, ২) রাংব্রেন, ৩) থাংচিং, ৪) মার্চিং, ৫) নোংচুপ অরিবা, ৬) থানাচাওবা, ৭) নোংপোক অরিবা, ৮) শোরারেন অমম্বা নামুংবা, ৯) ঈথৈরেলনামুংবা** অসুম্না পিরি। লাইশিং অসিনা পুং-খোং থীন, পেৎনৌ য়োৎথীং তরেৎ শেনফাং য়ৈ,

খোঙগী খোঙথাং খোঙচোংদা নোয়না, তোংকাপ, নিংগ্রি শেৎ, হৈ-হে হৈয়িয়, হৈ হৈয়িও, হায়না চিংঙু মতিক থানা ঈশৈ খোনফাং শক্লরকই। অসুম্না পুং য়েবা তরেৎনা শিন্না শিন্না মথং মথং য়েদুনা তরেৎ শেনফাংয়ে অনোই খোঙচোং চোংথোক চোংশন তাওরোই অথোইবনা পুং য়েয়ে। য়োইরেন লোঙ্গা পুকাইবনা পুংলোন নাইনা পুং যেরে, অশৈ খোনপাং পালা হুম্ফুমাথোইনা তরেৎ শেনফাং খিংনা, লেংন, লাইবুংথৌ মাপন (৯), লাইনুরা তরেৎ (৭), লাই ফমদৌ হুম্ফুমাথোই (৬১)না, মকোকতগী খোমতোন ফাওবগী অকোইবা য়াংবী থবী ময়ুম শাবগী মওংগুম্বা, লাইরেনগী মশক কুম্বা, অসিদা লেংদুনা চৎলে, মকোক্লা মীরেম্নে খোমদোন্না থব্রাইনে। থব্রাইমীরেলগী মশক্কে, তাইবংগী ওইনা লৌরগা মকোক চিংবা স্নামহিনি, খোমতোন লংবা পাখংবনি। তাইবং শেম্বা ইবুঙো ইবেম্মা অনীবু মীতম লাক্লা শৈথাজেয়ে। অসুম্না মথং মথং ওইবকখিবনা মৈতৈ ইনাৎকী মওংগা মতম য়াওনগী কীর্ত্তনগা পুন্দুনা ওইরকপা পালাবু অবিবা পালা কৌখি। মৈতৈগী পানাশিংদগী কির্ত্তন্নিয়াশিংনা থৈথরক্লুনা পালা হায়না কৌনবকখি। নাৎকি হান্না লৈজরম্বা নোয়বা, শাজৎ, খোংথাংগী মওংবু কির্ত্তন্নিযাগী ওঝাশিংনা চলণ হায়না কৌই, চলন্দগী থৈথরক্লুনা চোলোম হায়না কৌনবকখি। গমণ হাযবদগী কোথোন, ছন্দ হায়বদগী শঙ্খ অশুম্না ব্রাহৈ কয়া ওল্লক্লুনা চৎনবি।

চোলোমগী য়াওল

শ্রীযুৎ মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তিনা নট সঙ্কীর্ত্তন রাজমেন চোলোমবু য়েংবদা পুক্লিংদা পেল্লক্লবদগী হেন্না মপুং ফাননবগীদমক্তা মতম অদুগী অথং অহৈ ওঝাশিং পুন্নমকপু কৌবগা, ময়াম্না থন্নবগা হেন্না ফজবা মওং থোকহনবীয়ু হাইদুনা ওঝাশিং ময়াম থন্নবদগী ভল্লক্লবদা, শোরোকথাইবম ওঝা শেংগুম্বনা সনায়াথং লৌরগা লাল্লুপ থাদোক্লুনা য়ুমদা কল্লগা শ্রী গোবিন্দবু খুরুমজদুনা তুম্বা চাবা থিদনা চোলোমগী শাধন তৌজবদা রাজমেনগীদা নত্তুনা মেনকুপনচিংবা চোলোম কয়া থম্মোইদা মঙাল ফংজখি। শ্রীযুৎকি মাংদা থৌগল্লে, শ্রী যুৎনচিংবা ওঝাশিং ময়ামনা পেনবিদুনা ওঝা সেঙ্গুম্ববু মনা-মথুম কয়া পিবীখি। শ্রী যুৎনা ওঝাগী রাজমেন চোলোমবু লৈবাক মীয়ামদা লাওথোক্লুনা মপুং ফানা চৎনহনখি। মতুং তাবদা হাওরোকচম ওঝা শমুনা রাজমেন চোলোম অরেবী পুথোকখি। অসুম তৌনা লাইগুম্বা ওঝাশিংনা থম্বিরম্বশিং অসিনা লেংদবা য়ুম্ফম ওইরগা নট চোলোমগী য়াওল কয়া লাকখি।

চোলোমনা কাম্নবা

মীওইবগী নুংগী রাখল কয়াবু চোলোমদগী লেংওৎপা শাথেক, শানোম, কয়ানা ফোংদোকপা ঙম্মী। সঙ্কীর্ত্তনগী য়াওদবা য়াদ্রবা য়ুম্ফম অমসু ওইরি লোইননা প্রেম ভক্তিগী মনুং চনবা ঈশেগী নুংগী ওইবা রস কয়াবু চোলোন্না ফোংদোকপা ঙম্মী। ঈশে কয়াগী মতেং পাংদুনা উরিবা তারিবা ভক্ত কয়াগী থম্মোইদা প্রেম ভক্তি পোকহল্লি। মরম অসিনা চোলোম অসি সঙ্কির্ত্তনদা য়াওদবা য়াদ্রবা মরুওইবা শরুক অমনি। মীওবগী পুন্সিগী খোংচৎত্তা কপনিংবা, হরাওবা, নুংঙাইবা, অশাওবা অৱাবা, অসিনচিংবা রষ কয়ামরুম চোলোমগী মওংনা ফোংদোকপা ঙম্মি। নট চোলোমগা অতোম্পা কালা কয়াগসু মরি লৈনে। নট চোলোম হায়বা অসি কালা কয়াগী মনুংদগী থোইদোক হেন্দোকপা তোপ তোম্পা নুপা জাগোয মখল অমনি।

নট সঙ্কীর্ত্তন মহাযজ্ঞগী মশক

হৌখিবা য়ুগ অহুমদা, সত্য ত্রেতা দ্বাপুরদা নিংজবা লাইনিং কয়া হায়বদি সত্য য়ুগতা জিবশিংনা ধ্যান তৌদুনা অরান খুভম ফংঙি। ত্রেতা য়ুক্তনা যজ্ঞ তৌদুনা হরি মাবু নিংনৈ। দ্বাপুর য়ুক্তনা পুজা তৌদুনা সেবাদা থৱাই কচ্চদুনা জিবগী অবান খুবম ফংই। অদুবু কলি য়ুক্তদি হরি সঙ্কীর্ত্তন তৌবতনা হরি মাবু ফংনবা পাঙ্গে ওই। কলিগী হরি সঙ্কীর্ত্তন অসিদি হৌখিবা য়ুগ অহুমগী ধ্যান, যজ্ঞ অমশুং সেবা অহুম পুন্না তিল্লবা খ্বাইদগী অথোইবা জীবগী অরান খুভম ফংনবা লম্বিনি। কলি য়ুক্তদি হৌখিবা য়ুগশিংদা মুনিশিংগুন্না চহি কয়া তোপ তৌদ্রবশু হবি সঙ্কীর্ত্তন কচ্চরগা মীওইবা জিবশিংগী নুংঙাই য়াইফবা ওইদুনা শিরবা ফাওবদা থরাযনা ঈশ্বরগী খুয়াখাদা আত্মা শান্তি ওইনা লৈজবা ঙম্মী। মীওইবনা থৌরম খুদিংমক্তা তংনা থানবা লৈতনা থাজবগা লোইননা সঙ্কীর্ত্তনবু শোন্নরি, মরম অসিনা সঙ্কীর্ত্তন অসি মহা যজ্ঞগি মশক্কি হায়না লৌনরি।

নট সঙ্কীর্ত্তন্না মীওইবগী কান্নবা

নট সঙ্কীর্ত্তন অসি মীওইবনা হেক পোকপবদগী শিবা ফাওবদা নট সঙ্কীর্ত্তন অসি থৌবম থৃদিংদা শিজিন্নৈ। মী অমনা পোকপদগী সষ্ঠি পূজা, নাহুৎ নাবেং যজ্ঞ, লুগুণ থাংবা, লুহোংবা, শিবা অস্থি-শ্রাদ্ধ, কুমওন-ফিবোই অসিনচিংবদা, তৎনা থান্নদনা মীওইবগী চৎনবিদা গৌব ধম্মগা মবি লৈনবা পুন্নমক হবি সঙ্কীর্ত্তননা শোন্নবি মীওইবনা পোকপদগী শিবা ফাওবদা লংজকবা পাপ কযাবু সঙ্কীর্ত্তন তৌবগা কোকই অমশুং আত্মা শান্তি ওইনা ঈশ্বরগী নাক্তা নকশিন্জবা ঙম্মী। অশুন্না হবি সঙ্কীর্ত্তন অসিতনা মীওইবগী অবান থুবম ওইনবি। অসিদগী নত্তনা মন্দিব হোংবা পুখ্রি হোংবা খোংনাং হোংবা বন্দা হোংবা বাশোক বস বাস গী নিপা পালা, ধূমেন অমশুং সঙ্কীর্ত্তন ফমশকুচিংবা বযা চৎনবি ওইনা সঙ্কীর্ত্তননা শোন্নবি।

নট পালা অমগী মশাদা চেনগদবা গুনশিং

(১) [illegible] পাবা [illegible] যাবা শোয়নাইনবা মীওই ওইদবনি
(২) [illegible] ঙম্বা [illegible] মীওই ওইদবনি
(৩) [illegible] মশক থঙবা মীওই ওইদবনি
(৪) [illegible] মখাইচুকনবা ওইদবনি
(৫) [illegible] ঙম্বা মীওই ওইদবনি
(৬) [illegible] শাকপা ঙম্বা ওইদবনি
(৭) [illegible] ঙম্বা ওইদবনি
(৮) চিঙা [illegible] ইকাটা শাথেক শানোম্বা [illegible]
উবোকপা ঙম্বা মীওই ওইদবনি।

ওঝা, গুরুগী মশক্

গুরু হাইবসি ইপানি ইমানি গুরু কৃষ্ণান গুরু বাধানি গুরু শ্রীচৈতন্য মহা প্রভুনি, অথোযবা গুরুদি শ্রী কৃষ্ণান ওঝা গুরুবু বৃক্ষমকনি খনগনি ওঝাগী যাথং ঙাক্না চংকনি ওঝাবু খুরুমজবা মতমদা [illegible] লৈবাক শোবনা খুরুমগনি। ওঝানা ইকজবিগুম ভর্নিশ সেবা ওইরবিগে ওঝানা [illegible] [illegible] হুবা [illegible] [illegible] খুৎশু খুৎলাই পাইবিগে ওঝানা চেপ্লাগে [illegible] হুবা [illegible] যাদে [illegible] [illegible] [illegible] মী [illegible] [illegible] ওঝানা [illegible] [illegible] [illegible] হাংনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] উৎনা [illegible] [illegible] ওঝাবু [illegible] [illegible] খল্লা [illegible] ওঝানা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।

ওঝাগা ছাত্রগা লৈনবা মরী

মা অমনা বাদা [illegible] [illegible] মতমদা মীওই অদনা [illegible] অপোবসা অদনা ওঝা অমদা বাদা [illegible] [illegible] ওঝা [illegible] [illegible] অমনা মথ পোক্লা অযবা [illegible] [illegible] মীওই অদনা [illegible] [illegible] [illegible] অদনা ওঝা অদুগা মফমদা মীওই অদুবু [illegible] [illegible] [illegible] অদুগা [illegible] ওঝা অদন [illegible] অদুবু মচামকনি খল্লগনি ছাত্রনসু ওঝাবু [illegible] ইপানা ঈশ্বরমাক্ল [illegible] [illegible] খুদিংমতম ছাত্র অদুগী যননবা বাখলনা ওঝা অদনা খনগনি ছাত্র অদু মরে [illegible] মতমদা পাক্লং চংদনা ওইরবাদ ওঝা অদুগী থম্মোইদা হাযফম [illegible] অবাবা ওই ছাত্র অদু। মরে [illegible] মতমদা পুক্নিং চাবা অথাও কনবা পকচেলাংবা [illegible] [illegible] লৈবা ছাত্র ওইরবদি ওঝা অদুগী পুক্নিং পেনবা নংডাযবা ওই। মতম [illegible] ওঝানা যাথং হিকতোকফদে ওঝাগা [illegible] [illegible] চৎকানি। ওঝাগী মফমদা পুক্নি [illegible] যাদে অসুম্না মতম [illegible] ওঝানা লোযনবিমখে ছাত্র অদু মীথোই মাহেন ওইগনি ওঝাদা [illegible] কযা হঙৎচবা মতমদা ইশাগী শ্বরনা যৌহেদে। শেবক খুদিংমক ওঝানা অশেংবা নংশিবা ওইহনগদবনি। অসুম্না ওঝানা ছাত্রবু অচান মীবাই নাইদনা অমত্তা ছাত্রনা থম্মোই শেংনা লোল্লক্লা লোযননবতদা অফবা মহেনবা ওইগনি।

সঙ্কীর্ত্তন ওইরকপগী মওং

সঙ্কীর্ত্তন হাযবা অসি শ্রী গৌরাঙ্গ মহা প্রভুগী নুংগী ভাব ওইগী [illegible], মদুদি শ্রী গৌরাঙ্গ মহা প্রভুগী **মন (পুক্নিং), বুদ্ধি (লৌশিং), প্রাণ (থৱায), ইন্দ্রি (ৱাখল), চিৎ (অযৌবা),** মসা আসিদা [illegible] মওং ওইনখি, মদুদি

১) মন [illegible] শ্রীনিবাসনা মশাক ওইনা [illegible] **২) বুদ্ধি** [illegible] **৩) প্রান** [illegible] **৪) ইন্দ্রি** ৱাখলনা [illegible] মশাক ওইনা [illegible] **৫) চিৎ** [illegible]

নট সঙ্কীর্ত্তন অমদা চংগদবা পোৎচং

[illegible]

নট সঙ্কীর্ত্তন মনুংদা মী চংবা যাদবা মতাং

[illegible] ইশা রাধা কৃষ্ণ [illegible] মী চংবা যাদে।

নট সঙ্কীর্ত্তন পালানা খনগদবা নুংগী ভাব

নট সঙ্কীর্ত্তনগীদমক পালানা যুমদগী লাকপা মতমদা খনগদবা নুংগী ভাবতি মশামক ভক্ত অমনি খনগনি, ফিশেং শেত্তুনা লাক্কনি শ্রী গৌরাঙ্গগী হরি নাম সঙ্কীর্ত্তন যাওগদৌরিবনি হায়বগী ৱাখলদা সঙ্কীর্ত্তন মফমগী থোং ডাকইবা খোঙহামফম থাবিবা অদুবু নবদ্বীপকী ভক্ত কলিদাসনি খন্দুনা খুবমগনি। মাণ্ডপকী মচিন অমসুং মথাইগী আসন থাবিবা অদুবু শ্রী গৌরাঙ্গগী আসনি খনগনি লোইননা মাণ্ডপকি যাত্রাবু কল্পতরু শ্রী কৃষ্ণগী মশাক্কি খন্না খুবমগনী, মাণ্ডপ মপুবু শ্রী নিত্যানন্দনি খন্দুনা খুবমগনি, তিল্লিবা ভাবোকপু ভক্তশিংনা খন্দুনা খুবমগনি, সঙ্কীর্ত্তনগী থৌরুদি মফম মতমগী মতুংইন্না ভক্ত অমগী ভাব ওইনশু লৌনৈ, শ্রী গৌরাঙ্গনি হায়বগী ভাব ওইনশু লৌনৈ। অবাংফমদি ভক্ত রাঘব পাণ্ডৎনি, মোইরাং খো র্বাদ ভক্ত রঘুনাথ গোস্বামিনি সঙ্কীর্তন হৌননবা লোনিবদা অবাংফম্না পিবকপা পানা নত্রগা লৈ অদু মাণ্ডপকী মথাঙ মাত্রা মখোঙগী আসন মনাক্তা থাম্লবা অসিগী ভাবতি সঙ্কীর্তন হোনা যারে পুম্নমক অমানা লৌরে হায়বগী খুদাম্না। সঙ্কীর্তন হৌবমদাইদা খোঙচাৎ মখোয় পুক্রি না থক্কক্লগা ভাবতি সঙ্কীর্তন হৌজিক্কী হায়না খুবম্নি। মথক্তা পীদিবা নুংগী ভাব অসিদা শান্তি দোকবা সঙ্কীর্তন অদুগী মওং মতুং ইন্না পালা অদুনা নত্তগা ভাবতা সখিনি খন্দুনা লাকচবদি খোঙচাৎ মফম অদু গোপেশ্বর মহাদেবনি খনগনি মাণ্ডপ মণ্ডলা মচমনি খনগনি সঙ্কীর্তন থোক্কনু শ্রী রাধিকানি খনগনি। অবা ফমনু [illegible] অমশুং ভক্তশিংগী ভাবতি পালন্নাসনা খনগনি অশুম্না নুংগী ভাব অনী থোক্লা চৎনৈ মসি সঙ্কীর্তন মফম অমসুং থোকপগী নুংগী ভাবনি।

সঙ্কীর্ত্তন রাগ মনুংগী নুংগী ভাব

নট সঙ্কীর্ত্তন রাগ মনুংগী ওইগদবা ভাবতি পুক্রিংনা শ্রী গৌরাঙ্গ প্রভুবু নিংশিংজবা, ওন্না গুরুবু নিংশিংজবা, ঐনা মতোল্লে খনজবা শ্রী গৌরাঙ্গ প্রভুগী মুর্তি অমা ৱাখলনা হকচাং শাগৎকনি, মফমদি সঙ্কীর্ত্তনগী খুদম ওইরিবা মথাইগী দুপ, থাউমৈ হেকক পানা, লৈ নচিংবা লৌরিবা মফম (মঙ্গ খম্বা) কল্পতরু, আসন থাবিবা মফম অসিদা

শ্রী গৌরাঙ্গ মুর্তিবু, পুং করতাল মোইবুং খোম্মোক্কি ইনিন্না পুক্রিং চিংশিন্জদুনা সনাগী মচুবু ঙমজবা (রুকনবরনা) অঙাংবা অমুবা অনীগী মরক্তা লৈবা লংলবা চুমথাং নোঙথাং মঙালগুম্বা মওং, গৌরগী শ্রী মুর্তি লেংশিন্জগনি মপুং হেক ফাবগা হকচাংদা তুচুংবা কপনিংবা ফাওরক্কনি, মতম অদুদা মপুং ফাবা মুর্তি ওইরে, আসন্দা লেংশিল্লে খনগনি, ওইরক্লিবা ভাব অসি তরাই তরাইবা মওং নত্তে,পালাশিং অদুগী ব্রাখলদা মওংশিং অসি যৌদ্রবদি প্রেম ভক্তি মপুং ফাবা ঙমদে, মসি সঙ্কীর্ত্তন রাগ মনুংগী ওইবা ভাবনি ।

নট পালাশিংনা শেংকদবা ফিজেৎ

নট সঙ্কীর্ত্তন পালাগী ফিজেৎ লৈতেং মখল নিপাল লৈ, মসুদি -

(১) অঙৌবা ফৈজোম অমা,

(২) ফৈজোমগী মনুংদা হকচাংগা তায়নন্না শেংনবা অঙৌবা ফি মচা অমা,

(৩) শেংলিবা ফৈজোমগী মথক্তা য়েংনন্নবা অঙৌবা খ্বাংয়েং মরাক তাইবা মপান খোম্পা অমা,

(৪) নীক, তুলশীগী উরিক পরেং মথাঙ্ত অহুম ওনবা অমা,

(৫) অঙৌবা পুন্তন মচা অহুম্না শেম্না গায়ত্রি অনিগী লুকুন মচা তককা তিনবা অমা,কনাগুম্বা ব্রাহ্মন ওইবগনা গায়ত্রি অহুমগী মচা মাপল শুবা ওইগনি,

(৬) কোক্কী কোকয়েং, অঙৌবা মচুগী শাল্লাই কোকয়েং ফীশাং অঙৌবা অমা,

(৭) কোকয়েত্তা হাপনবা অমুবা লংগী পেক্রক নাচোম অমা অমশুং

(৮) হকচাংদা নর্মালবা/ থিল্লিবা চন্দোনগী লৈতেং।

নট পালাগী ফীজেৎকী নুংগী ভাব

নট পালাগী ফিজেৎনা অঙৌবা মচু ওইবগী মরমদি, ঈশ্বরগী প্রেম ভক্তিগী মরমদা পুক্রিং ব্রাখলদা অমকপা লৈত্রবা হায়বনি । মাংগী ফৈজোম কুন্জাগী মথক্তা শামু নাতান শানা কিরৈ অহুম লোনবগী ভাবাত, জগৎকী মপগী খদম লৌবনি।

ফৈজোমগী তুংগী নামৈ লৈবগী খুদম্না জগৎকী মবেম্মগী খুদম্নি। ফিজেৎকী মওংনা ওইবিবা অসি জগৎকী মবুংঙো, মবেম্মা অনিগী অপুনবা লিলানি হাযবগী খুদমনি। খ্বাংযেংতি ফৈজোম, কুন্জা অমগুং নামৈ অনিগী অপুনবা চেকশিন থৌবাং, থৌগল ফিগী কিশিনি। ফৈজোম কুন্ডানা শাম্বু নাওন শাবাদ ইকচাংগী মাংগী নাখলান, তু গা নামৈ মতোন্না তুংগী হবচাংগা নাখলান কুন্ডাগী মতোন, নামৈগী মফনা. খ্বাংযেংকা যিতোন অহুন্না ওইবিবা মও সংগোং থশিবু ফকচে হাযনসু খনৈ। কোকযেংকা মওংদি লৈতেংনি, কোক্কী শম মার্দন অমসু কোক ফর্লনি, নোংমদোল লৈচিন সনাইনা কোকয়েংকী পেক্রকসু লৈতেংনি, কোকয়েংকী অহা খা তেনর্বানি, লনাউ শম্বুন খুদম্নি, চুর্বানি। অসুম্না ওঝাশিং নখোগী অপাম্না যাহন্তোক্লো মোং পিনবি।

করতাল অমসুং মরিগী নুংগী ভাব

করতালগী নুংগা ভার্বতি শ্রীমতি রাধিকাগী অঙ্গগী মশকনি অমসুং অতোপ্পা অমনা নিংথোই নন্দগী অনঙ্গী মশক্ক হাযনসু ওবা গুনাশনা লৌনৈ হৌজিক্কী অনৌবা করতালগী মও পাকপা ইঞ্চি ৪ মপানগী অথাবা পারা ১ মায়োনগা অথাবা পারা ২ মযাইগী মখোংগী অহোংবগী লাওনা পারা ১ উপশিনবগী মবেপ পারা ৫ অসুমসু ওইনৈ করতালগী লোইনবা মরিগী মও (কাবুং) নম্রগা মুগা ওইগনি। মচু পেক্রক মচু মুনা ভাংবগুম্না খেবি মচু নাগগা কোম্লাবোং মচুসু ওইনৈ। মরিগী চাওবনা খুৎ নাম্মনা পাইশিনবা যাবা থ্বায। অমা ওইগান। মরিগী মতোনগী অবোইবদা মতুম তানা ওইগনি। মতোন অদুদা অশংবা মচু ওইবা শামতুগী লংনা যোমদুনা লগা মচিন মান্না নাচোম শানা কক্লনা চোম্না তাহনগনি। মরিগী অশাংবা খুৎকা খুৎতোন্দগা পাম্বোমগী মযাই তানাশফম যৌনা শাংবা ওইগনি। করতাল মরিগী নুংগী ভাব শ্রীমতি রাধিকাগী (বেনী) শমগী মশকনি হাযনা লৌনৈ। করতাল পাইদুনা হরি সঙ্কীর্তন তৌরগা রাধা কৃষ্ণ অনীগী অপেনবা ওই করতালগী মচুসু রাধাগা কুচু ওইবা সনাগী মচানি করতাল অমসুং মরিগী মওং নুংগী ভার্বাত অসিনি।

করতাল খিংবগী মমিং,মওং

(১) **করতাল থাবা,** সঙ্কীর্তনগী পুংগা বাগ অচৌবা হৌবা মতমদা করতাল অসি খুৎ অনিনা নাম্ম নাম্মা পাইবা খুৎকী খুবীনা করতাল মনমদা লৈথৎতুনা পাইগনি । ওইগী করতাল লোংগনি যেৎকী করতালনা উপ্না থাগনি।

(২) **করতাল মথক মখা ওনবা** সঙ্কীর্তনগী পুংগী বাগ মচা হৌবা মতমদা করতাল অনী খুৎকি খুজেং লৈনা মথক মখা ওননা খিংবা।

(৩) **করতাল চম্পা,** সঙ্কীর্তনগী তিন্তাল তনন ফমফমদা করতাল অনী পুন্না মাইযোক্নবগা খুৎ নাম্ম [illegible] করতাল অনা মমাই কাখোক্তুনা চম্পা অমতু, করতাল অনী খুৎ [illegible] মমাই অনানা চম্পা।

(৪) **করতাল খেৎনৈবা,** ওইগী করতাল চেপতক্না লোংনা করতালগী মমাই [illegible] যেৎকী করতালনা চেপতক্না [illegible] করতাল অনী মমাই [illegible] । করতাল [illegible] মতমদা [illegible] খুৎযমদা খিংবা ওইবসু [illegible] খুৎকা [illegible] অমা লাপথোক্না খেৎ নৈদুনা [illegible]।

(৫) **করতাল নিকপা,** ওইগী করতাল যেৎকী পাম্বোম লোমদা মমাই ওনশিনগনি করতাল [illegible] অচেম্পা করতালগী মথক্কী মচেং যেৎকী করতাল মতেংনা [illegible]

(৬) **করতাল চিংনা থাবা,** ওইগী করতাল লোংতক্না লৈগনি যেৎকী করতালনা উপতক্না করতাল অনী মথক মখা ফৈনা চিংনা থাবা।

(৭) **করতাল হাযগৎপা,** করতাল অমা নম্নগা অনী খুৎকী খুজেং লৈনা মাংদা লেওলোন মপাদা হাযগৎপা।

(৮) **করতাল লোংবা,** করতাল অমা নম্নগা অনী খুৎকী খুজেং লৈনা করতাল মমায লোংবা।

(৯) কবতাল উম্পা, কবতাল অনীগী মচেক থেংননা নপগা থেংনদনা খুৎকী সেগা অনী কাংনা খুজেং লৈনা কবতাল অনী উম্পা।

(১০) কবতাল মখাদা থাবা কবতাল অনি থাইদোক্লদনা লৈমাই ওনা হকচাংগী চানিং খুৎফমদা মাযোক্লনা থাবা।

(১১) কবতাল চিংখৎপা কবতাল অনী পুন্না ওইগী কবতালনা লোংনা চেপ্লক্লা অমগুং যেৎকী কবতালগী মমাইনা উপশিন্দুনা কবতাল অনী পুন্না মখাদগী মথক্তা চিংখৎলকপা।

(১২)কবতাল তুক্কা ওইগী কবতালনা লোংগা চেপ্লক্লা ওইগিনি যেৎকী কবতাল্গ উপ্পা চেক যান্না থাব কবতালগী মখোন যাজিনবা।

নট সঙ্কীর্ত্তন পালাগী নিয়ম

[illegible]

[illegible] মাগুণা মপুন [illegible]

ভাবোব পুন্না [illegible] সঙ্কীর্ত্তন [illegible] পালাশিংগী ফমখৎমদা

চংশিন্দনা [illegible]

১৩) **করতাল শিংথবা,** কবতাল অনী মাযোক্লনা পূন্না মথক্তগী মখাদা খুংকী খুজেং লৈতক্লা শিংথগনি।

১৪) **করতাল ফুক্কৎপা,** কবতাল অনী পূন্না ওইগী কবতালগী মমাযনা হকচাংলোমদা ওনশীনগনি, যেংকি কবতালনা মমায লৈমাই ওনবা কবতাল অনী পূন্না খুজেং লৈনা খুনীংনা হান্না হৌদুনা কবতাল অনী ফুক্কৎকনি।

১৫) **করতাল ওৎপা,** কবতাল ওইনা লোংজক যেংনা উপতক্লা কবতাল অনী মমায মান্ননা ওৎকনি।

১৬) **করতাল যেৎপা,** কবতাল অনী মাযোক্লা খুজে অনী লৈতক্লা ওইগী কবতালগী মচেক্তা যেংকী কবতালগী মমাযনা খেৎকনি।

১৭) **করতাল থাইবা,** কবতাল অনী মাযোক্লনা অকা অকুম অনীমক ওইগনি, খব খব থেংননা থাইশু থাইগনি।

১৮) **করতাল নৈবা,** কবতাল অনী চেপ্পা মাযোক্লনা খুজেং অনী লৈতক্লা মন্ননা নৈগনি।

১৯) **করতাল মপুম থৎপা,** ওইনা কবতালগী মমাযগা যেংকী কবতালগী মমাযগা অনী পূন্না থৎমন্নগনি

২০) **করতাল মচেক থৎপা,** কবতাল অনী উপতক চেপতক্লা ওইগী কবতালগী মচেকতা যেংকী কবতালগী মমায মচেক্লা থৎকনি

২১) **করতাল মতোন থৎপা,** কবতাল অনী মমায লৈমায ওননপ চেপতক্লা ওইগী মচেক মতোন্দা যেংকী মচেক মতোন্না থৎকনি।

২২) **করতাল ফুগৎপা,** কবতাল অনী থাইদোক্লনা মাযোক্লনা ফুজিন্ননা থাদুনা মমায লৈমায ওথোপ্পা ফুগৎকনি

২৩) **করতাল হাইনা ফুবা,** কবতাল অমনা হাযকপগা লোংনা লৈকবা কবতালদা মমায মান্নরা ফুগনি

২৪) **করতাল শোইবা,** কবতাল অনা মাযোক্লবমবদগী উপতক্লা লৈবা কবতালনা থাজাওং ইনথৎলগা লেংদনা চেপতক্লা লৈবা কবতালগী মমাযদা যাংনা খেৎনা শোইগনি।

২৫) **করতাল থেংনা হাইবা,** ওইগা কবতালনা লোংলগা যেংকানা উপলগা খুজেং লৈনা মমায থেংননা নাম্ম নল্লগা অনীমক হাইগনি

২৬) করতাল উৎপা, খুজেং অনী লৈনা করতাল শম্নদনা করতাল মমায় নাম্ম নম্রগা অনীমক উৎকনি।

২৭) করতাল চিংনা থাবা, কবতাল অনী শম্নদনা চিংলক্লগা লোংলপ চেপলক্লা মাংওইননা পুন্না থাগনি।

২৮) করতাল খৎথবা, কবতাল অনী মমায লৈমায ওন্না খৎথগদবা কবতাললনা খব হেন্না ব্রাংখৎতুনা খৎথগনি।

২৯) করতাল থাংগৎপা, কবতাল অনী পুন্না মমায ওর্নাশন্ননা চপতুনা খুৎাক খুজেং লৈখৎনা শেগা কাংনা থাংগৎকনি।

৩০) করতাল মরি হায়বা, কবতাল অনী শম্নদনা লেংদোন নাতোন মপা যোনা ওৎনা খৎতুনা চানিং খুৎফম যৌনা যেৎ-ওই নাইনা মরি হাইগনি।

৩১) করতাল শিংবা, কবতাল অনী ওইনা মখা যেৎনা মথক চেপতক্লা মাযোক্লনা শেগা ফনদোক্লা হকচাং মুক্লা শিংগনি।

৩২) করতাল লংবা, কবতাল অমা নপণা অনী খুজেং লৈনা চুন্না ইনাখৎনা অখুন ওইনা খিংনা-খিংনা লংগনি

কবতাল খিংবগী মামং মওং মথক্তা পাল্লবাশিংদা নত্তবা কযামকম অমশু লৈখ্রে। কবতাললনা খিংলবা মবোল খুদিংমক ঈশ্বরগী নাম ওণ্ডগনি।

নট সঙ্কীর্তন পালাগী নিয়ম

সঙ্কীর্তনগাদমক্তা লাকপা পালাশিংনা সঙ্কীর্তন মফমগী খোংথাম্নফমগী আসন থাবা মফম ওইববদি অহানবা ওইনা পঞ্চাম্ননা খুকমগনি। সঙ্কীর্তন মফম অদুনা নাইকশু মাণ্ডপ ওইনা ঈশ্বর দেবি দেবতাশিং বু মুং পুজা সেবা তৌদুনা লৈবা মফম ওইববদি মাণ্ডপ চংদুনা দেবি দেবতাশিং অদুবু তান্না দগুবদনা খুকমগনি মাণ্ডপ মচিন্দা খুংনা লেমাই শেংবা লাইববক কনুনা শংশিনা খুকমগনি মাণ্ডপকী মথাইদা থাবিবা আসন, ধুপ থাউরি লৈ শু হৈকেক পানানগী বা কনুনা পুজা তৌবিবা মাংদুনা দগুবদনা খুকমগনি অমশুং সঙ্কীর্তনগী মাণ্ডপ মপুন্নবু অশংবনা খুকমগনি। মকোংইনদা তিল্লিবা মালোক পুন্নমকপুশ অশংবনা খুকমগনি অদুগা সঙ্কীর্তনগী ওইবা পালাশিংগী ফমফমদা চংশিন্দনা ফমগনি।

সঙ্কীর্ত্তন হৌনবা বোরিবগী নিয়ম

সঙ্কীর্ত্তন হৌনবগীদমক মতম চাবা য়েংদুনা সঙ্কীর্ত্তন কৎলিবা থোবুনা পালা শুবববা হায়না কৌগনি, পালানা শুববদা সঙ্কীর্ত্তন হৌনবা থৌবাং তৌবগনি, তৌবা যাববা মতমদা অবাংফমদগী অহানবা ওইনা লৈ-চন্দন চংলক্কনি, সঙ্কীর্ত্তন হৌনবা থোবুনা খুরুমদুনা হায়বগনি, সঙ্কীর্ত্তন হৌবমদাই ফিজেৎ লৈতেং মপুং ফাদ্রিডেদা পুঙ য়েবা অনী, ঈশৈ শকপা অমশুং দুহাব মবীনা সঙ্কীর্ত্তন হৌননবা বোবিগনি, অদুবু শ্রী গোবিন্দগী ওইনদি পুঙ য়েবা অনী, ঈশৈ শকপা, দুহাব অমশুং খোনপাংবা সঙ্কীর্ত্তনগী মকোক ওইবা মন্ত্রাশুনা বোবিনা চংগনি। বোবিবা মতমদা শুমাংগী মাণ্ডব ওইবদী মচন্দা চংলকুনা লৈমায়দা খুৎ 'শোক্ক' লাইবক কৎকনি, পঞ্চাঙ্গনা খুরুমগনি মণ্ডব মথাইদ' আসনবু দণ্ডবৎনা খুরুমগনি। অমনা লাইশং লৈবা মাণ্ডোব ওইবা, ঈশ্বর মূর্তি লেবা তৌবা মফম ওইবর্দি ঈশ্বরগী মাংদা হান্না দণ্ডবৎনা খুরুমগনি, অমশুং মাণ্ডোব মথাই খুরুমগনি মাণ্ডোব মপু অমশুং অকোয়বদা তিল্লিবা ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব, অহল লমান খুদিংবু অষ্টাঙ্গনা খুরুমগনি। মতু দা সঙ্কীর্ত্তন থোবু ওইবিবা অদুগা খুরুমজগনি অমশুং অবা ফমংগা মাইকেদা চংশিন্দনা অবা হংমগী পুজা তৌবিবা মফমদা অষ্টাঙ্গনা খুরুমগনি, অবা ফম ফমলিবা মদুদশু পঞ্চাঙ্গনা খুরুমগনি, অবাংফমনা পিবকপা পানা-লৈ-শুমিংনচিংবা অদু পুরক্লুনা মাণ্ডব মথোনগী আসন মনাক্তা কতুনা পঞ্চাঙ্গনা খুরুমগনি, খোঙ্গাম মলোমদশু পাক্লংনা খুরুমগনি। অশুম্বা হান্নগী ফি শেংফমদা চংলক্কুনা সঙ্কীর্ত্তন হৌনবা ফিজেৎ লেতেং শুনা শেংকনি।

সঙ্কীর্ত্তন হৌনবা নিয়ম

পালাশিংনা ফিজেৎ লৈতেং শুববা মতুংদা সঙ্কীর্ত্তনগী থৌবুনা হাইববগী মতুংইন্না পালাশিং চংলক্তুনা মাণ্ডব মচিন্দা খুৎনা লৈবাক শোকনা লাইবক কত্তুনা চংলক্লগা মাগী মাগী মফম চানা খোঙ্গাংননা ফমগনি কবতালনা লৈমাইদা হকচাংগী যেৎলোইননা উপ্তুনা থমগনি, মতম অসিদা অবাংফমনা অনিশুবা লৈ চন্দোন চংলক্তুনা সঙ্কীর্ত্তনগী লুচিংবা শক তাক্তুনা বোবিগনি লোইননা থৌবুনা পালাশিংদা 'অষ্টাঙ্গনা খুকমগনি। মতুংদা পালাশিংনা লৈমাইদগী কবতাল লৌখৎকনি, কবতাল অনী খুৎ অনীনা পাইদুনা মন্ত্র শোনগনি, কবতাল অনী খুৎ ওযনা পুন্না পাথদুনা খুৎ যেৎনা কবতালগী মবীদা নানথগনি। হৌগত্তুনা অহানবা ফিরেপ ফিথুপ লেপকনি। মাণ্ডপ মপু চংলকলগা পুং যৈবা অনীগী মবক্তা লেপ্তুনা হরি ধ্বনি লাওগনি।

সঙ্কীর্ত্তন নিয়ম

১ অহানবা লৈ চন্দোল লৌবা
২ বোবিবা
৩ নাং সঙ্কীর্ত্তনগী পালাগী ফিজেৎ লৈতেং লেত্তিবা,
৪ পালাশিংনা মণ্ডব মনুংদা কোযনা থম্বা
৫ লৈ চন্দন চংলকপা
৬ মাণ্ডব মপুনা হরি ধ্বনি লাওবা
৭ - পুংগী বাগ লোইননা কবতাল মোযবুং যাওবা.
৮ ঈশ্বেগী বাগ,
৯ অবাহন,
১০ বাহন,
১১ গুরু বন্দনা বৈষ্ণব বন্দনা
১২ বাগ তাবা (গৌরবাং) তিন তাল
১৩ বেরা ঘাট
১৪ যন্ত্র মীলন
১৫ ঘাট,
১৬ [illegible] ঘাট
১৭ বাতমেল
১৮ মেল মৈসু
১৯ মেল অতনবা অমসু থাবা
২০ [illegible]
২১ [illegible] মপী
২২ মেনকুপ সেচু
২৩ মেনকুপ অহাংবা অমসু, অখাইবা মেনকুপ থাবা
২৪ বৈঠা থম্বা
২৫ অবোইবা লৈচন্দন চংবা
২৬ নিতায় পদ,
২৭ ছয় গোস্বামি
২৮ [illegible] ভাগ (বাতেয লৌবা)

নট সঙ্কীর্ত্তন রাগ হৌরগী হরি ধ্বনিঃ-

“ শ্রী মন্নথা গোবিন্দ পৃতীআনন্দ বল প্রেম সে কহ শ্রী রাধা কৃষ্ণ বল প্রভু নিত্য চৈতন্য অদ্বৈত শ্রী বাধা রানী কহত সন্ত সাধো মধুরস বাণী হরে হরে।”

হাযবিবা হবিধ্বনি অসিগী মনুংদা যাওবিবা চৈতন্য অদ্বৈত হাযবা রাহৈ অসি হেন যৌবদা পুঙ যৈবনা পুঙগী রাগ হৌগনি। পুঙলোনগী মতুংইন্না কবতাল খিংগনি মমশুং মেঘবুঙ খোংগনী। মতম অসিদা পালাশিংগী ফিবেপতি অহানবা ফিবেপ ফগুপ্তা শগোল ফিবেপ লেপকনি খুৎফমসু অহানবা খুৎফম খোইদৌ খুৎফমা কবতাল থাগনি। মীৎযেংদী অনীশুবা মীৎযেং (মযাই ওইবা মীৎযেং) যেংগনি। পুঙগী শুরুঘাট যৌদিঙেদা পালাশিংনা খোঙগী খোঙফম লেংদুনা ওক লোনদুনা খুররুমগনি মাপগী নুংগী ভাবতি শ্রী গৌরাঙ্গ মহা প্রভুগী মুর্ত্তি শাগৎপা লোইরবী তাঙ্ক অমান। পুঙগা রাগগী মবক্তো শুরুঘাট হাযনা খুডনবা মতাং অসি লোইরকপদা পুঙ যৈবর্নাচংবা পালাশিং পুন্নমক পথাঙ্গনা শ্রী গৌরাঙ্গ প্রভুবু খুরমৎগনি মসিগী নুংগী ভাবতি শাগৎলিবা গৌরগী মুর্ত্তি অদুবু থরাই হাপ্পা লোংগগী ভাবনি। খুরুম্মা মতুংদা হৌগৎতুনা অহানবা ফিবেপতা লেপকনি।

নট ঈশৈগী রাগ

ঈশৈ রাগ হৌখম	হেন ও	হেন ও
পুঙলোনগী মতা	তা	ও

পুঙলোন অসিগী 'তা' হাযবা অসিদা ঈশৈ হনবনা 'আ' হাযবা খোন্থোরা শুরু লাওগনি দুহাবর্নাচ বা পালা শিং না 'আ' হাযনা খুমগনি। ঈশৈগী রাগ ষব অন্ত পঞ্চম হাযগনি পুঙলোনগী মতাং মতুংইন্না ঈশৈগী রাগ পঞ্চম ষব হাযগনি পালাশিং না আ' হাযনা খুমগনি। মধ্যদা রাগগী দিঘ, পঞ্চম, ষব হাযগনি লোইন্না পাগা অহানব ছঞ্চাব যৌগনি মতাং অসিদা ঈশৈগী রাগ পঞ্চম, দিঘ, ষব হাযগনি মা, অসিদগী পালাশিংগী সানোম খোঙথাংগী মমী তম্বা হৌরে, পুঙ যৈবা আন সাঙ্গুনগী মনুংদা চংশিনগনি পুঙগী অনিশুবা ছঞ্চাব যৌগনি, মতুংদা বন ছঞ্চাব যৌগনি। মতাং অসিগী নুংগী ভাবতি শ্রীগৌরাঙ্গ প্রভুবু ফিজেৎ লৈতেংলে খনগনি।

নট সঙ্কীর্ত্তনগী অবাহন

অবাহনগী ঈশৈদি পুঙলোনগী মতৃংইন্না শকপা অমসুং শগুম্বা চৎনৈ, শকপা তাববদি পুংগী বব ছঞ্চাবগী মতমদা ঈশৈগী অবাহন শক্কনি, আবাহনগী নুংগী ওইবা ভাবতি শ্রী গৌবাঙ্গ প্রভুবু সঙ্কীত্তন্দা লেংশিন্দুনা আসন থক্তা ঙাহোইবীবো হাযদুনা কৌজবনি, মতাং অসিদা পালাশিংগী মহানবা খোঙকম ফীবেপুগী বৈমাইশিং খোঙথাংদা কবতাল থাদুনা যেং-ওই চৎপা হৌবে, খুৎফমদি খোইদৌ অমসু থম্মোয অনীগী মবক্তা ওইগনি। মতাং অসিদা সঙ্কীর্ত্তনগী বাগ হৌবদগী পালাশিংনা শাগ লক্লিবা গৌবাঙ্গগী মুর্ত্তি অদু মপুং ফাবে, ফিজেৎ লৈতেংলে হাযনা খল্লগনি।

বাহন, অমশুং রাগগী মগুন

আবাহনগী ঈশৈ লোইববা মতু দা কার্ত্তিক ছঞ্চাব যৈগনি, মথ লবাহন তাগনি, ঈশৈ বাগ খোব হাঞ্জিগনি। বাহনগী নু ঈ ওইনা অর্থদি, নুমিৎ অদুদা লৈবা বাগ অদুগী মশক তাকপনি অমশুং বাগগী মগুনদি সঙ্কীত্তগী পুং অমগু ঈশৈ বাগ হৌবা মতমদা চেকশিনগদবনি বাগ কাইববদি পুং যৈবা অমশুং ঈশৈ শব পাসন অদুগী মনুংদা চেকশিনহৌদবা মা অদুগী মশাদা লওগা মচা মগুদা খুদো বা, সোইনাইবা ওইগল্লি।

গুরু অমশুং বৈষ্ণব খুরুম্বা

গুরুবন্দনা, পুক্লিংবু অফবা লম্বীদা লমজিনদুনা ভক্তি প্রেম মশক খংহনাবা শিক্ষা গুরুবু খুকমজবা। বৈষ্ণব বন্দনা, সঙ্কীত্তনগী অকোইবদা ঈশ্বরগী নামবু তাবিবীমা ভক্ত বৈষ্ণব কযাগী মফমদা শকচ শোঞ্জবিবা পুথবু অশোয অরান ঙাকপিম্মা খুকমজবনি। মতাং অসিদা সঙ্কীত্তন মযাইদা শ্রী গৌবাঙ্গ লেংশিন্দুনা শ্রীবাসকী মাথ লৈরে অমশুং হবিনাম শোনবা যাওবে খল্লগনি। বাগ হৌবদগী মতাং অসি যৌদ্রিফাও সঙ্কীর্ত্তন মফমদা মী চ না যাদে।

গৌরবট তিন তালগী নুংগী ভাব

তিন তালগী নুংগী ওইবা ভাবতি শ্রী কৃষ্ণগী তিন্নবন্সা হাযবনি, গৌবাঙ্গগী ভাবগা তিন্নবন্সা ফাওবকপদগী লৌদুনা তিন-তাল কৌখিবনি। তিন-তালগী অহানবা থাবিবা তাম্বা অসিনা শ্রী কৃষ্ণগী বাঁসি খোন্জেলবু শ্রী বাধিকানা তাজকবদা থবাই হকচাং কচ্চখিবগী ভাবনি। অনিশুবা তাম্বানা নন্দী মুখীনা শ্রী কৃষ্ণগী রুপ গুণবু শ্রী রাধিকাদা তম্লবদা বাধিকানা থবাই হকচাং কচ্চখিবা অসিনা অনিশুবা তাম্বা ওইবে। অহুমশুবা তাম্বানা বীশাখানা শ্রী কৃষ্ণ ইবুংঙোগী অযেকপা মুর্তিবু বাধিকাদা উৎলুবা মতমদা থবাই হকচাং কৎখিবা অসিনা তিন তালগী অহুমশুবা তাম্বানি। মতম অসিদদি পালাশিংনা অহানবা ফমফম তর্পণ ফমফমদা লৈবগনি, ফমফম মখল অহুম্মক তিন-তালদা শিজিন্নৈ। গৌববট তিন তাল তারকপা অসিগী মতাংদা মাণ্ডপ মপুনা সঙ্কীর্ত্তন্দা চংলক্লুনা খুবমগনা। বাগ গৌবদগী মতাং অসি যৌদ্রিযাওবদি সঙ্কীর্ত্তন মনুংদা মী চংবা যাদে মাণ্ডপ মপুনা হান্না চংলবা মতুংদা থৌবুনচিংবা অতৈশিং চংগনি।

বেরী ঘাটকী নুংগী ভাব

বেবী ঘাটকী নুংগী ওইবা ভাবতী নবাদ্বপ পবিক্রমানি, হাযবদি মণ্ডিব মযাইব নবদ্বিবান থন্না পালাশিংনা মণ্ডীব পুজা অদুবু যেৎলোইননা খোঙযেৎনা তৌদুনা কোযগনি, খোঙথাংদি খুমীৎ যৌবা খোঙথাংনি, করতাল অনী খুৎ ওইনা পুন্না পাযগনি, কবতালগী মথওল খুৎ যেৎনা উপশিন্দুনা খোযদৌ খুৎফমদা থমগনি, পালা মশা মশাগী হান্নগী মফম যৌনা লাক্কনি।

যন্ত্র মীলন

পুং যৈবা, ঈশৈ শকপা অমশুং দুহার অসিনা মশা মশানা পাযবিবা যন্ত্রশিং অদু শোক্রবগা অষ্টাঙ্গদা খুকম্লগনি, মশিগী নুংগী ভাবতি রাধা কৃষ্ণ অনী পুল্লে হাযবগী ভাবনি।

ঘাট

বাধা কৃষ্ণ অনীগী প্রেম তত্ত্ব কযা ফোংদোকপগী তাক্কক লাম্ভোকপগী মফমনি। ঘাটকী খোঙথাংদি খুজেংযৌ খোঙথাংনি, কবতাল ফৈনা, অকুম অকা চিংনা থাবা অমশুং খুৎফমদি খোযদৌ মথক খুৎফম ওইগনি।

লম্বি ঘাট

বৃন্দাবন পবিক্রমাগী বাখলনি, মণ্ডব মযাইবু বৃন্দাবন্নি থন্না পালাশিংনা মণ্ডব পুজাবূ ওইওইননা ওইগী খোঙনা হান্না থাংদুনা কোযগনি। খোঙথাংদি খুমীৎযৌ খোঙথাং ওইগনি, কবতাল খুৎফম মণ্ডা শোক্লা খিংগনি। বেবী ঘাট তগী লম্বি থাং লোইদ্রিফাওবা সঙ্কীর্ত্তন মনুংদা মী চংবা যাদে।

রাজমেন

ইবুংঙো ইবেম্মা অনীগী প্রেম লিলাদা কৃষ্ণনামগী মযেক ওইনা কবতালনা খিঙ্গনি কবতালগী মবোন্না 'ক্লীং' হাযনা চনিং খুৎফমদা খীংথগনি কৃষ্ণ হাযনা লেংদোন খুৎফমদা থৎকনি, মশিগী নুংগী ভাবতি বাধা কৃষ্ণ অনীগী প্রেমগী ঈচেন্দা তাওবনি। খুৎকি খুৎফম মণ্ডা শোক্লা কবতাল খিঙ্গনি খোঙফমদি অহানবা খোঙফম ওইগনি কবতালগী খুৎফমদা মীৎকি মীৎযেংশু থমগনি অমশুং হকচাংগী ফিথুপ মখল অহুম শোক্লা শিজিন্নগনী।

মেন সেটুূ

মেন সেটুগী নুংগী ভাবতি ইবুংঙো ইবেম্মা অনীগী প্রেমগী ঈচেলগী লাংদাই ঈবান্নফম্নি। মসিগী খোঙথাংদি খুজেংযৌবা খোঙথাং ওইগনি কবতাল ওন্ন ওন্ন খেৎ নৈনা খিঙ্গনি।

মেন অওনবা

বাধা কৃষ্ণগী প্রেমগী ঈচেলগী ইনোৎ ইথিন্নি। মেন অওনবগী খোঙথাংদি লৈমাযশিং খোঙথাং ওইগনি, কবতাল খুৎফম মণ্ডা শোক্লা খিঙ্গনি, মেন থাবা ফাওবদা খোঙথাং অহুম্মক শিজিন্নগনি, মেন থাবমদাযদাদি খুজেং, খুমীৎ খোঙথাং শিজিন্নৈ।

খোঙথাংগী মতুং ইন্না হকচাংগী সানোম নোমগনি, খোঙনা হেন্না থাঙ্গৎলিবা মখৈ-হকচাংশু হেন্না নমথগনি। করতালগী খুৎফম মঙাদগী কর্কশিল্লক্কুনা খোযদৌ মথক খুৎফমদা মেন থাফম ওইগনি। মেন থাবগী নুংগী ভাবতি বাধা কৃষ্ণ অনীনা প্রেমগী ঈচেন্দা অন্ত বাজ ওইবগী পনখৈনি।

তাঙ্কপ

খোঙথাংদি খুজেং খোঙথাং ওইগনি অমশুং করতাল অনীবু খুৎ ওইনা পাযদুনা হকচাংগী নাকলদা ইচম চম্না থাদগনি, মসিদি বাধা কৃষ্ণ অনীনা পোৎশাবগী নুংগী ওইবা ভাবনি।

তাঙ্কপ মপি

কৃষ্ণ প্রেমগী ওইবা ইবেম্মা বাধাগী বাখলগী ঈহৌনি, মসিগী সানোম খোঙথাংদি খুজেং, খুবোম যৌবা খোঙথাং ওইগনি। করতাল খুৎফমদি খোযদৌ খুৎফমদা 'বাধে' হাযনা খিংগনি, লেংদোন খুৎফমদা কৃষ্ণ' হাযনা খৎকনি অমশু হৎথবমদাইদা নাতোন খুৎফম যৌবমগনি

মেনকুপ সেট্টু

কৃষ্ণ প্রেমদা লুপ্পাব, নাম্বোকপা উমঙদ্রাব বাধিকাগী বাখলগী লাংদাই ঈবান্নফম্নি মেনকুপ সেট্টুগী খোঙগী খোঙথাংদি, খুজেং যৌবা খোঙথাংনি, খুৎাক খুৎফমনা থম্মোয খুৎফম ওইগনি। করতাল খেৎনা-নৈনা মথক মখা ওন্না খিংগনি।

মেনকুপ অখেৎপা

শ্রী কৃষ্ণগী প্রেমগী ঈচেল-ঈবৈদা তাওবাব শ্রীমতী বাধিকাগী বাখলগী পম্থুংফম্নি। মেন্কুপ অখেৎপগী খোঙথাংদি খুবোম অমশু, খুবোম মব যৌনা থাদনি, করতালগী খুৎফম্না থম্মোই লেংদোন যোবা ওইগনি, করতাল অকুম অকাদা 'বাধে-'কৃষ্ণ' হাযনা খেত্তুনা খিংগনি। থাবমদাই মতমদদি খোঙথাংনা খুজেং খোঙথাং ওইবগনি, করতালনা থম্মোই খুৎফমদা থুজিন্না হিংদুনা থাগনি।

বৈঠা ফম্বা

রাধা কৃষ্ণ অনীগি প্রেম বীলাসকী মপুং ফারে, পোথারে হাযবগী খুদম্নী। বৈঠা ফম্বগী ফমফমদি ফমপ্রেংনবা ফমফম ফমগনি। খুৎফমদি ফৈ অনীগী মথক্তা খুৎ অনি লৈগনি। কোক্কী কোকযেৎ লৌথোক্তুনা মফম চানা ইশাগী যেৎলোইননা থমগনি। কোকযেৎ থম্বা মতমদা কবতাল মবি মথক্তা থম্বা যাদে অমশুং ঈশৈগী বসদা রাধা কৃষ্ণগী শম্ভোগ ওইববদি মতাং অশিদসু সঙ্কীর্ত্তন মনুংদা মী চংনদে, শম্ভোক লোইববা মতাংদা অরাংফমনা লৈ চগুণ চংলক্তুনা পুংযৈবা, ঈশৈ শকপা, দুহাবনচিংবা পালা পুন্নমক্লা অবোইবা লৈ চগুণ লৌগনি। মতম অসিদা ফমফর্মদি খোঙ্গাংননা ফমগনি।

নিত্যাই পদ

শ্রী রাধা কৃষ্ণগী প্রেম ভক্তীদা লুপ্চবা শ্রী নিত্যানন্দবু খুনমজর্বনি ফমফর্মদি খোঙ্গাংননা ফমগনি, কবতালগী খুৎফর্মদি খোযদৌ খুৎফমদা খুৎ অনীনা কবতাল পাইদুনা চপকনি। মতাং অসিদা ঈশৈ শকপনা মাণ্ডোপ মপুদা সঙ্কীর্ত্তন লোইশিন্নবগী অযাবা লৌবগনি।

ছুয় গোছাই

গুর তরক্কী মমীং (১) শ্রী চৈতন্য (২) নিত্যানন্দ (৩) অদ্বৈত (৪) রূপ সনাতন (৫) ভক্ত রঘুনাথ (৬) শ্রী জীব গোপাল ভক্ত।

ছয গোছাইগী ঈশৈ মযেক

'জয জয শ্রী চৈতন্য জয নিত্যানন্দ। জয অদ্বৈত চন্দ্র জয গৌব ভক্ত বৃন্দ।
জয রূপ সনাতন ভক্ত রঘুনাথ। শ্রীজীব গোপাল ভক্ত দাস রঘুনাথ।
এই ছয গুরুব কবি চবন বন্দন। যাহ হইতে বিঘ্নি নাশ অভিষ্ট পূবন।
মব ইষ্ট দেব গুরু চবন বন্দন। যাহাব কৃপাতে পায ব্রজ প্রেমধন।
তাব পাছে বন্দ মুঞি বৈষ্ণব গোছাঞি। অগতিব গতি মব বৈষ্ণব গোছাঞি।
নাম সঙ্কীর্ত্তন কহে নবোত্তম দাস।' হাযবিবা গুরু তরুক অসিবু খুরুমজবনি, করতালগী খুৎফমদি খোযদৌ খুৎফম ওইগনি। হৌগত্তুনা অহানবা ফিবেপ খোংফমদা লেপকনি, ঈশৈগা শৈগোন্ননা কবতাল খিঙ্গনি। মীৎযেংদি অনীশুবা মীযেংদা লৈগনি।

জয় ভাই (বীজয়)

নট সঙ্কীর্তনগী অৱোইবা ওইনা চৈতন্য নীত্যাই অনীবু শোন্জর্বনি। মতা অসিদা তকচাংঙী ফিরেপ্পী অতানবা বাগ তৌবদা লেপখিবা ফিরেপ ফিদুপ অদুমক ওইগনি। ফিজেৎ লৈতেং শুগনি, মীংথোংসু অনিগুবা মীংথোংদা থেংগনি করতালশু খুৎ মশাদি খোয়দৌ থিগা মশা খুৎথম ওইগনি। করতাল মরোন্দী পুংলোনগা কোম্না খাংদুনা 'জয় ভায় চৈতন্য নিত্যাই ভায় ভায় চৈতন্য নিত্যাই' হায়বা রাহে অসিনা লেইগনি। সঙ্কীর্তন লোয়ববা মতুংদা পুংযৈবা, ঈশৈ শকপা, দুহার, খোনপাংবা পালাশিং পুম্নমক নীজয় লোয়ববা মতুং দা মণ্ডপ পুথোকু খুনমগনি। পুংযৈবা, ঈশৈ শকপা, দুহার মকোক মবা অসিদি কোরেং খ্যা থেং থাওনা মণ্ডপ মপান্দা চৌদুনা ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব পুম্নমকপু খুরমজগনি। শ্রী গোবিন্দজী মণ্ডপদা ওইরবদি পুং যৈবা অমসুং পালাগী মকোক ওইবা মহোংশনা অহৌবা অমসুং অরোইরদা খুরমজগনি।

খুরুম্বা মখল মঙা (৫)

১) *পঞ্চাঙ্গ প্রনাম* - হকচাংগী মফম মঙা লৈপাক শোক্লা খুরুম্বা

২) *অষ্টাঙ্গ প্রনাম* -হকচাংগী মফম নিপান লৈপাক শোক্লা খুরুম্বা

৩) *দণ্ডবদ প্রনাম* - লৈমাইদা চৈ তাবগুম শাংনা খুরুম্বা

৪) *মানসিক প্রনাম* -পুক্নিংনা খুরুম্বা

৫) *বাচনিক প্রনাম* - চংথোনবা ৱাহৈনা খুরুমজবা



পঞ্চাঙ্গ প্রনাম

পঞ্চাঙ্গ প্রনাম :- খোঙ খুউ অনী, খুৎ অনী লাইবক মফম মঙা মসিনা লৈপাক শোক্লা খুরুমগনি, নুপি ওইবশিংনা খুরুমজবা অমসুং নিপান নুপীদা খুরুম্বদা পঞ্চাঙ্গ প্রনাম শিজিন্নে। শিজিন্নফম থবা সঙ্গাওনগা খোঙচামফমগা পুজা মফম সংকির্তন মণ্ডব চংফম মচিন, সংকির্তনগী বাগ মনুংদা গুরু ঘাট লোইবা অসিনাচংবা কয়াদা শিজিন্নে।




অষ্টাঙ্গ প্রনাম

অষ্টাঙ্গ প্রনাম :- খোঙগী খোঙদোন অনী, খুউ অনী, খুৎ অনী, থবাক লাইবক, মফম নিপান অসিনা লৈপাক শোক্লা খুরুমগনি, শিজিন্নফম থরা - মাগুপ মপু খুরুম্বা, ব্রাহ্মন বৈষ্ণবশিং খুরুম্বা অরাংফম পুজা মফম খুরুম্বা অসিনচিংবদা শিজিন্নে।


দণ্ডবদ প্রনাম

দণ্ডবদ প্রনাম : খোঙ খুৎ পুন্না তিংথোক্লগা উপ্রাক্লা উপতুনা হকচাংগী মাংথংবা শকক মখৈ লৈপাক শোক্লা খুৎমগানি শিজিন্নফম সঙ্কির্ত্তনগী মণ্ডব পূজা মফম, ঈশ্বর দেবী দেবতাশিং শ্রীমদ্ভাগবত নাচিংবদা খুরুম্নে। দণ্ডবৎ ঈশ্বরগী মফমথক্তদা শিজিন্নে।


মানসিক প্রনাম

মানসিক প্রনাম পাক্লংনা চেৎনা চিংশিংজবগা মূর্ত্তি শাগৎনা খুরুমজবা শিজিন্নফম থবা সাঙ্কির্ত্তনগী অহানবা লাগৎলীবা মতমদা শিজিন্নে। গুরু গুরুবু নিংশিংজদুনা খুরুমজবা অপোকপা অপোকপীবু নিংশিংদুনা খুরুমজবা অসিনাচি বদা শিজিন্নে।

বাচনিক প্রনাম . থম্মোইনুংগী শাখলবু খোঙ্কোন ৎহোল্লা প্রেম ভক্তিগা লোইননা লৈশি লৈথোম্না খুরুমজবা শিজিন্নফম সঙ্কির্ত্তন লাগ মতুং গুরু বন্দনা সভা বন্দনা ঈশ্বর বন্দনা অসিনাচিংবদা শিজিন্নে। হায়বিবা খুরম্না মথল মণ্ডা অসি নট সঙ্কির্ত্তনগী মনুংদা মফম মতমগী মতুং ইন্না শিজিন্নে।


বাচনিক প্রনাম

নট সঙ্কীর্ত্তন ফমফম

নট সঙ্কীর্ত্তন্দা শিজিন্নরিবা ফমফম, মখল অহুম থোক্লা থাইদোকই মদুদিঃ-

১) তর্পোন ফমফম। ২) ফমপ্রেৎনবা ফমফম। ৩) খোঙ্গাংনবা ফমফম।


তর্পোন ফমফম

১) তর্পোন ফমফমঃ ওইগী খোঙ থুপচিন্দুনা খোঙনম্না লৈপাক শোক্লা লৈতাগনি। হকচাংগী নীংনা লৈতারিবা খোঙ খুনিংদুগী মথক্তা ফমজিনগনি। য়েৎকী খোঙনা থুপচিন্দুনা খুউ য়ুম শাগনি. যুম শারিবা খোঙগী খুনিং অদুনা খোঙনম লৈতারিবা ওইগী খোঙবা অদুগী মনাক নক্লা থমগনি। যেৎকী খুৎনা য়েৎকী খুউ মথক্তা খুতুম তাদুনা লোংনা থমগনি অমশুং খুৎনিং ফম্লপ তৌগনি। ওইগী খুৎনা লৈতাবিবা ওইগী খোঙ অদুগী ফৈ মথক্কী ময়াইদা খুবাক উপশীন্দুনা খুৎতোন্না মনুং ওনশিন্না খুনিং ফম্লপ তৌনা যাং তাংনা থম্মোই হনজিন্না ফমগনি। মীৎকী মীৎয়েংনা ময়াই ওইবা মীৎয়েংদা যেংগনি মসিবু তর্পোন ফমফম হায়না কৌই।


ফমপ্রেৎনবা ফমফম

২) ফমপ্রেৎনবা ফমফমঃ খোঙ অনীগী খোঙনম অর্মদি খুউ অনী পুন্না লৈতাদুনা খোঙ অনী অদুগী খোঙগী খোঙদোন অনী অদু চিলোক্লগনি খুউ অনা ইশাগী লেংদোন মপা চানা লৈতাগনি. খোঙনম লৈতারিবা খোঙ অনীগী খোঙচেপকী মরক খুযাদা নীংনা পুন্না ফমজিনগনি। খুৎ অনীনা ফৈ অনীগী ময়াই ওইনা খুবাক উপশিন্না খুৎতোন্না মনুং ওনশীন্নদুনা খুনিং ফম্লপ তৌদুনা য়াঙ তিংনা থম্মোই হনজিন্না ফমগনি। মসিবু ফমপ্রেৎনবা ফমফম হায়না কৌই।



২ । ·বা ফমফম

৩) খোঙ্গাংনবা ফমফমঃ খোং অনিগী খোংদোন অনী নকনা থুনিং কাংনা লৈতাগনি, খুউ অনী অদু মশাগা লেংদোনগী মপা চানা লৈতাগনি খোংদোন লৈতানিবগী থুনিং অনী অদুগী মথক্তা ইশাগা খুৎকী খুৎশা মখি হাংবা ওইগনি থুনিং কাংখৎলিবা খোঙ অনাগী মথক্তা নীংনা ফমজিনগনি ফৈ অনাগী মথক্তা খুৎকী খুবাক অনানা উপ্পা উপ্পা খুতোন্না মনুং ওনশিন্না থমগনি। খুৎকী থুনিং খব ফন্দোক্কনি ইকচা গী যাং তংগনি থম্মোই হনজিন্ন ফমগনি। মশিব খোঙ্গাংনবা ফমফম হায়না কৌই।

·ই ঙ পনখব যমযমশিং অসংন ংল যমফমদা মব ওইনা শিজিন্নে

চোলোমগী ফীথুপ (৩)

· ·া·· ওইন ·· ··বেপ ফীথুপ মখল অং··থ·রা। থাংদাকঃ

··· (১) ফীবেপ ফীথুপ, (২) ·োথেক ফীথুপ, (৩) ফৈথুপ ফীথুপ




ফীবেপ ফীথুপ

১ **ফীবেপ ফীথুপ** খোঙ থুনিং অনাগী ··· মশাগা খৎবা খৎশা অনী লাওনা হোইন্দুনা ·· ·· ·ানা মশাগী খাওকৈ থমগী অশাংবা অদু ··। · ওদোনগী অবাওবা ওইগনি খ্রীকোনা শাদুনা ·কান লেম্পা মতুমদা শ্বব চানদা পীগনি নীং ···· হকচা গী অকাম্বানী দা পাদুনা লেপ্পালবা খেঙ ·· অদুগা খুউ অনী খাঙ্গাং মমা ওইনা যন্দোনা লেপকান। খৎকী খুৎফম্মা অহানবা খোইদো খুৎফমদা থমগান। মীযেংদি লোল্লকপা অহানবা মিৎয়েং ওইগান হকচাংদা থম্মোই হনজিন্না লৈগান। মসিবু ফীবেপ ফীথুপ হায়না কৌই।


ফৈথেক ফিথুপ

(২) ফৈথেক, ফিথুপঃ মথক্কীগুন্না খ্রীকোনা খোংফমদা লেপলবা মতুংদা খোঙ খুউ অনী অদু মা ঙদা থেক্লা ইনশিন্দুনা খুৎ অনীগী খুদুমনা খোঙগী খুউ মথক্তা খুৎ হিক্লা কোন্না থমগনি। খোঙ খুউ ইনশিনবা মতমদা খ্রীকোনা শাদুনা লৈমাইদা লেপলিবা খোঙ অনী অদুগী খোঙদোন মপান্দা খুউ অনী ইনশিনগনি হকচাংগা ফাঙম যাংতি না থম্মোহ হনজিন্না শ্বব চনিংদা থমগনি, মিৎকী মীৎযেংনা মযাই ওইবা অনীশুবা মীৎযে ওইগনি মসিবু ফৈথেক ফিথুপ হায়না কৌহ


ফৈথুপ ফীথুপ

(৩ ফৈথুপ ফীথুপ অহানবা ফংবেপবা খ্রীকোনা শাবা খোঙফম ওইগনি। খাঙ অনী খুউনা লৈমাইদা লেপ্লিবা খোঙগা খোঙদোন মপা চানা খোঙ খউ মাংদা ইনশিন্দুনা ফৈ থুপ্পুনা খোঙগী খুউ খুজেং থেক্লা হকচাংগী অক্কাম্বা পুদুনা নমথগনি। খুৎকী খুৎতোন অনী অদু তংনা খোঙগী খুউ অনীগা মপান্দা থাদগনি খুৎতোন্না লৈমাই শোকনি খুৎ অনী অমুক থেক্কগুনা খুৎকী খুৎনিং অনীনা খোঙ খুউ অনীগী মথওা থমগনি। খুৎ অনী খুবাক উপশিন্না খুৎতোন্না খদাংদা থেংগনি। হকচাংগী যাংতিংনা থম্মোই হনজিন্না শ্বব চনিংদা থমগনি। মীৎকী মীৎযেংদি থাপতক্লা যেংবা অহুমশুবা মীৎযেং ওইগনি। মমিবু ফৈথুপ

চোলোমগী ফিথুপ মচা মখল মঙা (৫)

চোলোম ফিথুপ অহুম অসিগী মনুংদা লৈবা ফিথুপ মচা মঙানি

(১) শুবাঃ- অহানবা ফাবেপ্তা থুংকী খুদুম অনীনা মাংলোমদা খোংগী যৈ মথক্তা থমগনি। থুংকী খুদুম অনীনা শিংথবা মতমদা হান্নগী থুংফমদগী ইশাগী থুংকী থুংশা অহুম চোনথবা মফম ওইগনি। হকচাংগী মঙং কাইদনা খোং খুউ অনীনা লৈমাইদা লেপলিবা খোঙ অনীগী মপাদা মাংদ হনশিন্দুনা হকচাং নমথগনি। মসিদা ওইবিবা মঙংবু অহানবা ফিথুপ মচা হায়না কৌই।

(২) শুবা মথক্তা পনখ্রবা হকচা' ফমথবগী মঙং ফাবেপশিং অসি কায়হন্দনা অহানবা ওইখিবা থুংকী মফম অদুদগী ইশাগী থুংশা তকক (৬) যৌনা হকচাং নমথগনি। মঙং অসিবু অনিশুবা ফিথুপ মচা হায়না কৌই।

(৩) শুবা মথক্তা পনখ্রবা হকচাং নমথখিবগী মঙংদা ফীবেপ কাইহন্দনা অহানবা থুংফমদগী ইশাগী থুংকি থুংশা মাপল (৯ চোনথবা মফমদা খুদুম অনী অদু থমগনি। মসিদা ওইখিবা হকচাংগী ফাথুপ অদুবু অহুমশুবা ফীথুপ মচা কৌই।

(৪) শুবা চোলোমগী ওইবা হকচাংগী ফীবেপ ফীথুপ মরুওইবা অহুমগী মনুংদা ফৈথেক ফীথুপ্তা থমলিবা থুংকী খুদম অনী অদু খোঙগী খুউ অনীগী মপাল্লোমদা নাকন্দা পুখোঙনা খোঙগী খুবোম মরু যৌবা ফাওবা থুংকী খুদুম্না থাদদুনা হকচাং নমথগনি। মসিদা ওইবিবা মঙংবু মরিশুবা ফৈথেক ফিথুপ মচা কৌই।

(৫)শুবা- মথকক্তা মরিশুবগী পনখ্রিবা থুংকী মঙং হকচাংগী নমথবগী মঙং অসি কাইদনা ফমথগনি। মফমদ থুংকী খুদুম্না খোঙগী খুবোম মযাই যৌবা মফম ওইগনি। মসিদা হকচাংগী ওইবীবা মঙংবু মঙাশুবা ফৈথেক ফিথুপ মচা কৌই।

মথকক্তা পীবিবা মরুওইবা ফিথুপ অহুমগী মনুংদা লৈবা ফিথুপ মচাশিং অসি মফম মতমগী মত্ংইন্না নট সঙ্কীর্ত্তনগী চোলোমদা লোইনা শিজিন্নৈ।

চোলোমগী মীৎকী মীৎয়েং অহুম


অহানবা মীৎয়েং

অহানবা মীৎয়েং :- ১) হকচাংগী ফীভম ফাবেপ ফাথুপ্তা খোঙ অনীনা ত্রীকোনা শাদুনা লেপকনি খুৎফম্না খোয়দাং খুৎফমদা থমগনি। খোঙগী খোঙচাদোন্দগী খুৎকী খুনিং (৩) অহুম লাপনা নাতোন নাকচি উনা য়েংগনি, মসিবু অহানবা মীৎয়েং (নোঙ্গুরুবা মীৎয়েং) হায়না কৌই


অনীশুবা মীৎয়েং

অনীশুবা মীৎয়েং : ১) হকচাংগী ফীভম ফাবেপ ফাথুপ, খোঙ অনীনা ত্রীকোনা শাদুনা লেপকনি খুৎফম খোয়দাংবা ওইগনি খোঙগী খোঙচাদোন্দগী হকচাংগী খুৎকা খুনিং (২) ওবাক লাপনা নাতোন নাকচি উনা য়েংগনি মসিবু অনীশুবা (নোংমাইচিং ওইবা) মীৎয়েং হায়না কৌই


অহুমশুবা মীৎয়েং

অহুমশুবা মীৎয়েং : ৩) হকচাংগী ফাবেপ ফাথুপ খোঙ অনীনা ত্রীকোনা শাদনা লেপকনি। খুৎফম খোয়দাংদা খুৎফম ওইগনি। খোঙগী খোঙচাদোন্দগী হকচাংগী খুৎকা খুনিং ১১) ওবাক নাদোংদা লাপনা নাতোন নাকচি উনা লাপ্পুক্ক য়েংবা অসিবু অহুমশুবা মীৎয়েং কৌই।

নট চোলোমগী ওইবা মীৎয়েং খুদিংমক নাতোন নাকচি উনা য়েংগনি, খুৎকা মীৎকা থাদোক্নবা য়াদে। খুৎনা পুনা মাইকৈদা হকচাংগী য়েত্তা ওইদা মীৎয়েংসু অদুম্মক থমগনি মফম মতমগী মতুংইন্না খুৎকী খুনিং ফাওবা য়েৎ ওইদা য়েংবা য়াই।

নট চোলোমগী খুৎকী খুৎফম (মণ্ডা)


১) খোযদৌ খুৎফম ২)থম্মোই খুৎফম ৩) লেংদোন খুৎফম ৪) নাতোন খুৎফম ৫) চনিং খুৎফম অসিনি।


অহানবা খুৎফম


অহানবা খুৎফম নট সঙ্গীর্ত্তনগী ওইবা অহানবা ফিবেপ অমন্তং অহানবা মীৎয়েংদা খুৎ অনী খোইদৌ মপাদা থমগনি। ওহৈগী খুৎকী খুবাক্কী মথক্তা যেৎকী খুবাক্তা উপশিনগান খুৎকী খুনিং অনী ফলপ তৌগনি। খুৎকা হকচাংগা মশাগী খুৎশা মবি লাপ্পহনর্গনি খুৎথক্লিবা মফমবু খোযদৌ হিথাংফম খোযদৌ খুৎফম হাযনা কৌই।


অনিশুবা খুৎফম

অনিশুবা খুৎফম অহানবা ফীবেপ লেপ্লবা মতুংদা খুৎ অনী খুবাক উপশিন্নদুনা যেৎনা মথক থংনা খুনিং শেগা ফলপ তৌনা হকচাংগী থম্মোই মপাদা থমগনি। খুৎকা হকচাংগা লোপ্লবা মশাগী খুৎশা নিপাল লাপননা থমগনি। মীৎয়ে না অনীশুবা মীৎযেদা যেংগনি। খুৎনা থাঙৎতুনা থমলব মফম অসিবু থম্মোই খুৎফম হাযনা কৌই।


অহমশুবা খুৎফম

অহমশুবা খুৎফম :- অহানবা ফীরেপ্তা লেপতুনা অহমশুবা মীৎয়েংদা য়েংগনি খুবাক অনী তিংথোক্তুনা উপশিন্নগনি। খুৎ অনী য়েৎকী খুৎনা মথক থংদুনা শেগা অনী কাংনা লেংদোনগা মান্ননা থমগনি। খুৎকা হকচাংগা লাপ্নবা মশাগী খুৎকী খুৎশা তরানিথোইগী চাংদা লাপ্পনা খুৎ থাঙ্গৎতুনা মাংদা থমগন। মসিবু লেংদোন খুৎফম হায়না কৌই।


মরিশুবা খুৎফম

মরিশুবা খুৎফম : অহানবা ফীরেপ অমদি অহমশুবা মীৎয়েং ওইগনি খুৎ অনী অদু খুবাক উপ্তুনা য়েৎকী খুৎতোন্না মথক থংনা খুনিং ফনদোক্তুনা খুৎতোন্না নাতোন মপাদা থাঙ্গৎকনি, খুৎকা হকচাংগা লাপ্নবা মশাগী নাতোন্দগী লৌদুনা খুৎকী খুৎশা তবেৎ লাপ্পগনি, মসিবু মরিশুবা নাতোন খুৎফম হায়না কৌই।


মণ্ডাশুবা খুৎফম

মণ্ডাশুবা খুৎফম

নট সঙ্কীর্ত্তনগী পালাশিংগী চোলোমগা ওইবা খুৎফমগা মওং (দেমোনসট্রেসন) পিবা মতমদা অহানবা খোংফম থ্রীকোনা অহানবা নোলুক্কবা মীৎযেং ওইগনি। হাযবিবা মফম অসি চুন্না লেপ্তুনা লৈববা মতমদা খুৎ অনী যেৎনা মথক অমশুং ওইনা মখা থংদুনা খুবাক উপশিন্ননা শেগা খব কাংতক্লা চনিংদা থমগনি খুৎকা হকচাংগা ইশাগী খুৎকী খুৎশা অহুম লাপ্পগনি খুৎ থমলবা মফম অসিব চনিং খুৎফম হাযনা কৌই।

মথক্তা পিবিবা খুৎফম মণ্ডা অসিগী মনুংদসু মবিশুবা খুৎফম অমদি মণ্ডাশুবা খুৎফম অনী অসি যান্না মকওইবা খুৎফমনি। নট সঙ্কীর্ত্তনগী মনুংদা কবতাল পাইদুনা শিজিন্নবকপা মতমদা হাযবিবা খুৎফম অনী অসি যৌনা, শোক্লা থীংবা ডমদ্রবদি মপুং ফাবা খুৎফম ওইদে। নট চোলোমগী ওইবা খুৎকি খুৎফম মথক্ত পিবিবা মণ্ডা অসি নত্তবা অকুপ্পা খুৎফম মচা অহুম অমশু লৈ মদুদিঃ

১ **খোইদৌ মথক খুৎফম,** (খোইদৌ অমশুং থম্মোই অনীগী মবক্তা লৈবা খুৎফম)

২ থম্মোই মথক খুৎফম (থম্মোই অমশুং লেংদোন অনীগী মবক্তা লৈবা খুৎফম)

৩ লেংদোন মথক খুৎফম (লেংদোন অমশুং নাতোন অনীগী মবক্তা লৈবা খুৎফম)

খুৎক্কী খুৎফম মণ্ডা অমসুং খুৎফম মচা অহুম পুন্না মথক্কী খুৎফম নিপাল (৮)অসি সঙ্কীর্ত্তন বাজমেনগী মনুংদা লোইনমক শিজিন্নৈ। অমশুং খুৎফম মণ্ডা (৫)গী মনুংদা লৈবিবা খুৎফম মচা অহুম অসিদি মিন্থন গুম্বনি হাযনা লৌবা যাই।

চোলোম খোঙফম

নট সঙ্কীর্ত্তনগী মনুংদা চোলোম তৌবা হকচাং হাইহুম্বা লেঙ,ওৎপা মখল কযাগী শাথেক, শানোমবু হকচাংনা ফোংদোরকপা মতমদা হকচাংগী ফীভম মওং কাইদনবা হোৎনবদা করিগুম্বা মওং খর চংই। মওংশিং অদুগী মরক্তা খোঙগী খোঙফমসু মকুওইব অমনি। মবন অদুনা খোঙগী খোঙফম মখল অহুম থোক্লা খাইদোকপা য়াই-। অহানবা খোঙফম **শাগোন খোঙফম**, অনিশুবা খোঙফম **নোংশা খোঙফম**, অহুমশুবা খোঙফম **শামু খোঙফম** অসিনি।



শাগোল খোঙফম

অহানবা খোঙফম:


মীংই অমনা সঙ্কীর্ত্তনগী অহানবা খুৎফম অমদি অহানবা মীৎয়েংদা লৈববা মতুংদা ওইগদবা খোঙফমদি খোঙনীং অনীগী মরক্তা মশাগী খুৎশা অনী লাওনা হোহনগনি। খোঙদোন অনীগী মতোন্দা খোঙফৈ অমা লাওনা হায়দোক্লুনা লেপকনি। লেপ্পা মতমদা হকচাংগী অকম্বা অদু খোঙ অনী নৎত্রগা নাম্মনা পুবা য়াই, অকম্বা পুদনা তাওনা থল্লীবা খোঙ অদু যেংলিবা মীওইশিংগী মিৎতা খোঙ নাম্মখক্তনা হকচাংগী অকম্বা পুই হাযবা খংহনলোইদবনি। খোঙ যেং,ওই শীন্নদুনা লেপ্পা য়াই, খোঙফম **অসিবু** শগোল ফীরেপ, শগোল **খোঙফম** কৌই।



নোংশা খোঙফম

অনিশুবা খোঙফম:

খুৎ অনী খোয়দৌ খুৎফমদা থমগনি। মীৎয়েংনা অহানবা মীৎয়েং ওইগনি। খোঙফমদি খোঙনিং অনীগী মরক্তা মশাগী খোঙফৈ অমা লাওহনগনি। খোঙ অনীগী খোঙদোন্দা মশাগী ওইবা খোঙফৈ অনিদগী খুৎশা অনী তানা লাওহন্দুনা লেপকনি। খোঙফম অসি হকচাংগী হায় হুম্বা য়ারকপা মওংনি, মসিবু নোংশা খোঙফম হায়না কৌই।



শামু খোঙফম

অহুমশুবা খোঙফম:

খুৎ অনী খোইদৌ খুৎফমদা থমগনি। অহানবা মীৎয়েং ওইগনি। খোঙ অনীগী খোঙনিংদা মশাগী খোঙফৈ অনীদগী খুৎকী খুৎশা অনী তানা হোহনগনি। খোঙ অনীগী খোঙদোন্দা মশাগী খোঙফৈ অহুমদগী খুৎশা মরি তাহন্না লেপকনি। খোঙফম অসিদা হকচাং চেপথদুনা খুডি নম্মা নৈতাবা য়ারবা খোঙফম্নি অসিবু শামু খোঙফম হায়না কৌই।


খুৎকী খুৎলোন

নট সঙ্কীর্ত্তনগী ওইবা কবতাল খিংবগী খুৎলোনশিং- কবতাল পাইদুনা খিংদ্রিঙে মমাংদা খুৎ থোক্লনবগীদমক শান্নগদবা খুৎলোন মখল খবা। মখাগী খুৎলোন সানোমশিং অসি শানবা মতমদা যৈবা যাবা পুংলোন [খিন তৎ তৎ তৎ তঃ পিনন্ত্র খিন খেং]


খুবাক খুনম খুৎলোন

(১) খুবাক খুনম খুৎলোন :-

খোযদৌ খুৎফমদা খুৎ অনী সেগা ফনদোক্লুনা খুৎকী খুবাক অনী উপশিন্নগনি খুৎ অনীগী খুজেং লৈদুনা খুনম ওনশিন্নগনি অসুন্না খুবাক খুনম অউপ অবোং খুজেং লৈনা শান্নগনি। মসিবু খুবাক খুনম ওন্ন শান্নবা খুৎলোন কৌই।


খুবাক মথক মখা ওনবা খুৎলোন

(২) খুবাক মথক মখা ওনবা খুৎলোন :-

খুৎ ওযগী খুবাক্তা যেৎকী খুবাক্তা উপশিনগনি সেগা খবা ফন্দোক্লুনা খোযদৌ খুৎফমদা পুন্না থমগনি। যেৎকী খুৎনা হৌদুনা ওযগী খুবাক্তা থাগনি ওযগী খুৎনা অমুক যেৎকী খুবাক্তা থাগনি, অসুন্না মথক মখা ওন্না শান্নগনি। মসিবু চৌরাইকুপ (বাধে শ্যাম) খুৎলোন হাযনা কৌই।


ভাঙ্গা নিকপা খুৎলোন

(৩) ভাঙ্গা নিকপা খুৎলোনঃ

খুৎ অনি সেগা ফন্দোক্তুনা থবাক খুৎফমদা থমগনি, খুৎ ওইগী খুবাক্কা হকচাংলোমদা ওনশিনগনি, খুৎ ওইগী খুৎশাগী মচেকতা য়েৎকী খুৎশানা উপশিন্দুনা খুজেং য়াওনা কুংনা নিক্কনি, খুৎলোন অসি ভঙ্গা অনিকপা হায়না কৌই।


ঘাট থাবগী খুৎলোন

মখাগী খুৎলোনশিং অসিগী শান্নবা য়াবা পুংলোনঃ-

ধিন তাথেং -তা থেং থা থেং তঃ -

তা তাথেং -তা থেং তা থেং তঃ -

(৪) ঘাট থাবগী খুৎলোনঃ

খোয়দৌ মথক খুৎফম ওইগনি, খুৎ অনি সেগা খর ফোন্দোক্কনি, খুৎ অনী হকচাংগী মাঙ ওইননা য়েৎকী খুৎনা উপশিনগনি, ওইগী খুৎনা লোংগনি। য়েৎকী খুৎনা চিংনা থাগনি, ওইগী খুৎনা থারিবা অদু ওক্কনি, খুৎ অনিমক ফৈনা চিংনা ওকনা থাগনি, খুৎলোন অসিবু ঘাট থাবগী খুৎলোন হায়না কৌই।


ঘাট অহানবা হায়রগা খুৎলোন

(৫) ঘাট অহানবা হায়গৎপা খুৎলোনঃ

খোযদৌ খুৎফমগী মথক ওইনা খুৎ অনী ওন্না ওন্না তান থাগনি। খুৎ ওইনা হান্ন থাবা হৌগনি যেৎথংবা খুৎনা হাযগৎকনি যেৎনা থাবগা ওইনা হাযগৎকনি। খুৎ হাযগৎপা মতমদা সেগা খব কাংনা, খুজেং লৈনা, খুৎতোন্না লেংদোন মপা যৌনা হাযগৎকনি। মসিবু ঘাটকী অহানবা হাযগৎপা খুৎলোন হায়না কৌই।


ঘাটকী অরোইবা খুৎলোন

(৬) ঘাটকী অবোইবা খুৎলোনঃ

খোযদৌ খুৎফম মথক্তা খুৎ অনী তাল থাদুনা সেগা কাংনা খুৎ অনী খাইদোক্লুনা খুজেং লৈনা লৈনা লেংদোন মপা যৌনা ইনখৎকনি অমুক খোং অনীগী ফৈ মথক্তা খুৎ অনী লোংনা থাদগনি, হন্না হন্না শান্নগনি, মসিবু ঘাটকী অবোইবা খুৎলোন হায়না কৌই।


রাজমেন অহানবা খুৎলোন

(৭) রাজমেন অহানবা খুৎলোনঃ

খুৎ অনী সেগা ফন্দোক্লুনা ওইগী খুবাক্লা লোংদুনা যেৎকী খুবাক্লা উপনা চনিং খুৎফমদা খুবাক অনী ফুজিন্নদুনা তান থাগনি। খুৎ অনীগী খুনিংনা হৌদুনা সেগা কাংনা খুবাক অনী উপশিল্লপ তৌনা খুৎতোন অনী থেংননা য়েৎনা মথক থংনা ইংনা ৩প্পা পুন্না চিংখৎলক্কনি। মসিবু রাজ মেনগী অহানবা খুৎ থাবা খুৎলোন হায়না কৌই।


রাজমেন খুৎলোন

(৮) রাজমেন খুৎলোনঃ

ফীবেপ চুন্না লেপলবা মতুংদা খুৎ অনী সেগা খব ফন্দোক্লা ওই থংবা খুনম খুচেপ খুৎতোন্দা যেৎকী খুবাক্ল উপশিন্দুনা চনিং খুৎফমদা শিংথনা থারবা মতুংদ খুৎ অনী পুন্না পুখৎতুনা লেংদোন মপা যৌববদা ওইগী খুজেঙ লৈদুনা খুবাক্লা হুকচাং লোমদা ওনশিনলক্কনি। ওইগী খুবাক্লা ওনশিনলকপগা লোয়ননা ওইগী খুৎচেপ্পা য়েৎকী খুৎচেপ্পা মথক থংনা ওৎনা অমুক্তং খৎকনি। খৎপা লোইরবা মতুংদা খুৎ অনী অদু নাতোন য়ৌনা খুবাক উৎতুনা ইনখৎলমগনি লোইননা খুৎ অনী পুন্না শিংথদুনা চনিং খুৎফমদা থাদগনি, মসিবু রাজমেন খুৎলোন হায়না কৌই।


রাজমেন অরৈবী

(৯) রাজমেন অরৈবী খুৎলোনঃ-

চোলোমগী অহানবা খোঙফম (ত্রীকোনা) লেংদনা লেপকনি। হকচাংনা য়েৎলোমদা লৈদুনা চনিং খুৎফমদা খুৎ য়েৎনা উপ্তুনা ওইগী খুবাক্তা থমগনি, খুৎ অনী সেগা কাংনা হকচাংনা ওইদা লৈথোরকপগা ইরোইননা চিংখৎলক্তুনা থম্মোই খুৎফমগী মপাদগী খুজেঙ লৈবা হৌরক্লগা লেংদোন মপাদা য়েৎনা খৎতুনা খুৎ অনী নাতোন খুৎফমদা খুবাক অনী উৎতুনা হকচাংগী ওয় থংবা নাক্কল্লোমদা অমুক থাদগনি। অসুন্না য়েৎ, ওই নাইনা হকচাং থবাক পুন্না লৈদুনা শান্নগনি, মসিবু রাজমেন অরৈবী খুৎলোন হায়না কৌই।


রাজমেন সেটু


(১০) রাজেমেন সেটু খুৎলোনঃ-

খোঙগী অহানবা খোঙফম ওইগনি, খুৎফমনা অহানবা খুৎফম অমদি অনীশুবা খুৎফমগী মরক্তা ওইগনি ওইগী খুৎনা লোংলগা য়েৎকী খুবাক্কা উপ্তুনা ওইগী খুবাক্তা থাগনি হেক থাবগা খুৎ অনী খুজেঙ লৈদুনা খুবাক চেপ্না চেপ্না য়েৎ ওই ওন্না ওন্না থাগনি মসিবু রাজমেন সেটুগী খুলোন হায়না কৌই।


বাজমেন অওনবা

(১১) বাজমেন অওনবা খুৎলোনঃ

অহানবা খোঙফমদা অদুমক কাইদনা লেপকনি। হকচাং যেৎলোমদা লৈতক্লা খুৎ অনী চনিং খুৎফমদা যেৎকী খুৎনা মথক থংনা ওইগী খুবাক্তা থাগনি খুৎকী সেগা ফল্লপ তৌদুনা খুৎ অনী পুন্না হকচাংগা ইবোইননা ওইদা লৈবগা হকচাংগী মাযওন চুম্বা ফাওবা চীংখৎলক্কনি, হকচাংনা মাযওন চুন্নকপগা খুৎনা মাংদা লেংদোন মাপা যৌবগা মান্নগনি। যেৎকী খুৎনা মথক থংনা ওইগী খুৎচেপ্তা খৎর্কনি, অসুন্না ওইবোমদা অমুক থাগনি। তালগী মতুংইনা যেত্তা ওইখিবা মওংগুম্না ওইদসু ওইগনি মসিবু বাজমেন অওনবা খুৎলোন হাযনা কৌই।


রাজমেন মরি হাইবা


(১২) রাজমেন মরি হাইব খুৎলোনঃ

অহানবা খোঙফমদা লেপকনি, চনিং খুৎফমদা হকচাংগী যেৎলোমদা খুৎ অনী যেৎনা মথক থংনা থাগনি, খুৎ অনী পুন্না সেগা ফন্না খুৎতোন শন্ননা ওৎনা ওৎনা ইনখৎলক্তুনা নাতোন মপা যৌনা হাযগৎলক্কনি। যেৎকী খুৎনা মথক থংগনি, খুবাক মমাই মপান ওনলপ্লা উৎকনি অসুন্না তালগী মতুংইন্না যেৎ ওই হাইগনি। মসিবু বাজমেন কবতালগী মবি হাইব খুৎলোন হাযনা কৌই।


বাজমেন মৈশানেৎ

(১৩) রামজেন মৈশানেৎ খুৎলোনঃ

অহানবা মীৎযেং অহানবা খোংফম ওইগনি। খুৎকী মফমনা থম্মোই খুৎফমগী মখা ওইগনি। ওইগী খুৎকী খুৎচেপ্তা যেৎকী খুৎশাগী মমাইনা উপলপ্পা খুবাক অনী মমাই ওনশিন্নবা সেগা অনী নোন্না খুজেং নোপ্পা তানগী মতুংইন্না শান্নগনি মসিবু মেন মৈশানেৎ খুৎলোন হায়না


রাজমেন থাবা

(১৪) বাজমেন থাবা খুৎলোনঃ

খোঙফম মীৎযেং অহানবা ওইগনি থম্মোই খুৎফমগী মখাদা খুৎ অনী ওইনা মথক থংনা যেৎকী খুবাক্তা থাগনি যেৎকী খুৎনা হকচাংগী লেংদোন মপাদা নাতোন নাকচেপ যৌনা খুজেং লৈনা খুৎ নাম্মতনা সেগা কাংনা হাযগৎকনি। ওইগী খুৎনা হকচাংগী নাককন্দা চুন্না খুদুম তানা থাদগনি, অসুন্না যেৎ-ওই তালগী মতুংইন্না শান্নগনি, মসিবু রাজমেন থাব খুৎলোন হায়না কৌই।

মখাগী খুৎলোনশিং অসিগী শান্নবা যাবা পুংলোনঃ

+ ০

ধিন খ্ন খ্ন তাং খিৎ তা তা –,

তা খ্ন খ্ন তাং খিৎ তা তা –।



তাঞ্জপ মপী থাব

(১৫) তাঞ্জপ মপী থাব খুৎলোনঃ


অহানবা খোঙফম মীৎযেং ওইগনি। খুৎ অনী যেৎনা মথক থংনা খোইদৌ খুৎফমগী মথক ওইনা ওইগী খুবাক্তা থামিন্নগনি, খুৎ অনী সেগা কাংতক্লা খুৎতোন শন্ননা মাঙদা চুন্না চিংখৎলক্কনি তালগী মতুংইন্না শান্নগনি। মসিবু 'তাঞ্জপ মপী থাব খুৎলোন হাযন' কৌই।



তাঞ্জপ মপী খৎপা


(১৬) তাঞ্জপ মপী খৎপা খুৎলোনঃ

অহানবা খোঙফম মীৎযেং ওইগনি। খুৎ অনী যেৎনা মথক থংনা শন্ননা খোইদৌ মথক খুৎ ফমদগী হকচাংগী মাঙদা সেগা কাংনা পুখৎলক্কনা লেংদোন মপাদা খৎমিন্নগনি, মতুংদা খুৎ অনী খাইদোকননা নক্কনা থাদগনি। তালগী মতুংইন্না শানবা, মসিবু তাঞ্জপ মপী খৎপা খুৎলোন হাযনা কৌই।


মেনকুপ সেটু

(১৭) মেনকুপ সেটু খুৎলোনঃ

অহানবা খোঙফম মীৎয়েং ওইগনি। খোইদৌ খুৎফমগী মথক্তা ওইগী খুবাক্তা য়েৎকী খুৎবাকনা উপ্তুনা থাগনি, হেক থাবগা খুৎ অনী খুজেং লৈদুনা খুবাক চেপ্পা চেপ্পা যেৎ ওই- ওন্না ওন্না থাগনি, মসিবু মেনকুপ **সেটু** খুৎলোন হায়না কৌই।


মেনকুপ অখেৎপা


মখাগী খুৎলোনশিং অসিগী শান্নবা যাবা পুংলোনঃ

+ ০

ধিন - তেং তঃ গীন ধেং

(১৮) মেনকুপ অখেৎপা খুৎলোনঃ

অহানবা খোংফম ওইগনি,মীৎনা নাতোন নাকচি উনা যেংগনি, খুৎ অনিগী খুৎতোন য়েৎনা মথক থংন শন্ননা থম্মোই লেংদোন খুৎফম যৌনা সেগা কাংন নোম্গনি, খুবাক অনীনা লৈমাই ওন্না ওন্না খুৎচেপ্পা তরুদুনা খেৎনগনি, মসিবু মেনকুপ অখেৎপা খুৎলোন হায়না কৌই।


মেনকুপ অখাযবা

(১৯) মেনকুপ অখায়বা খুৎলোনঃ

অহানবা খোঙপম ওইগনি, থম্মোই খুৎফমদা খুৎ অনী যেৎনা মথক থংনা খুবাক চিংননা অকা অকুম থাদুনা খাইবা। সেগা খব কাংনা নোমগনি, মসিবু মেনকুপ অখাযবা খুৎলোন হায়না কৌই।


জয় ভাযগী খুৎলোন

মখাগী খুৎলোনশিং অসিগী শান্নবা য়াবা পুংলোনঃ

\+ ০

ঘিনতাং তা খিংতে খ্রম্ন তেন্তাং তা খিত্ত গীন্নগ্র

(২০) ভায লৌবগী খুৎলোনঃ

অহানবা খোংফম ওইগনি, খুৎ, অনী থম্মোই খুৎফমদা মাইযোক্লনা খুবাক ওনশিন্ননা সেগা খিভীক্তং কাংনা পুংলোনগী মতুংইন্না খুবাক্লা থাদুনা খায়বা চপ্পা খুৎলোন অসিবু জয ভাযগী খুৎলোন হাযনা কৌই।

নট চোলোমগী খোঙথাং

নট সঙ্কীর্ত্তনদা শীজীন্নবিবা মরু ওইবা চোলোমগী খোঙথাং মখল (৩) অহুম লৈ মদুদি ১) লৈমাযশিং খোঙথাং ২) খুজেং য়ৌবা খোঙথাং ৩) খুবোম যৌবা খোঙথাংনি


লৈমাযশিং খোঙথাং

(১) লৈমাযশিং খোঙথাং

হকচাংগী অহানবা ফিবেপ ফিথুপ মচাদা লেপ্তুনা অমশুং অনিশুবা মিংযেংগী মওং কাযহন্দনা খুৎ অনী খোযদৌ খুৎফমদা থমদুনা তাল অমগী মনুংদা হকচাংগী শানোমগী মখা পোন্না খোঙ নাম্মাদা হকচাংগী অরুম্বা পিদুনা লৈমাযদা খোঙনা শিংতুনা থাংযা খোংথাংবু লৈমাযশিং খোঙথাং কৌই।


খুজেং যৌবা

(২) খুজেং য়ৌবা খোঙথাং

হকচাংগী অহানবা ফিরেপ ফিথুপ মচাদা লেপ্তুনা অমশুং অনিশুবা মীৎযেং অমদি খোযদৌ খুৎফমদা খুৎ অনি পুন্না থমগনি । হকচাংগী অরুম্বা খোঙ নাম্মনা পুদুনা খুউ মাংদা ইনশিগনি তাল মখল কয়াগী শানোমদা খোঙ নাম্মনা অরেম্পা খোংগী খুজোং য়ৌনা থাংববু খুজেংযৌ খোংথাং কৌই ।


খুবোম য়ৌবা খোঙথাং

(৩) খুবোম য়ৌবা খোঙথাং :-

অনীশুবা ফিথুপ, মচাদা লেপ্তুনা অমশুং খোয়দৌ খুৎফম, অনিশুবা মীৎয়ং, অহানবা খোঙফমদা হকচাংগী শানোম কয়াগী মতুংইন্না খোং নাম্মনা হকচাংগী অরুম্বা পুদুনা নীংনা চিংথদুনা নমথগনি, হকচাংগী অরুম্বা পুদবা খোঙ নাম্মনা লেপলিবা খোঙগী খুবোম য়ৌনা থাঙ্গৎকনি। লৈমাইদা লেপ্পা খোঙনা খুউ হাযদোক্কনি থাঙ্গৎলিবা খোঙগী খুউনা মাংদা পুশিনগনি হাযবিবা খোঙথাং অসিবু খুবোমযৌ খোঙথাং কৌই।

মথক্তা পীবিবা খোঙথাং মখল (৩) অহুম অসিগী মরক্তা লৈবা খোঙথাং অনি অমসুং মথক্তা লৈবা অমা যাওনা মহাদা থাংবা খোঙথাং মখল অহুম লৈ।

(১) অহানবা মহা খোঙথাং

লৈমাইশিং খোঙথাং অমদি খুজেং খোঙথাং অনিগী মরক্তা লৈবা, লৈমাইদগী ইশাগী খুৎতোন ৩ (অহুম) রাংনা খোং নাম্মনা থাঙ্গৎপা মফম অদুবু অহানবা মহা খোঙথাং হাযনা খংনৈ। খোংমিং খোঙথাং হাযনশু কৌই।

(২) অনিশুবা মহা খোঙথাং

খোঙথাং অসি খুজেং খোঙথাং অমশুং খুবোমযৌ খোঙথাং অনিগী মরক্তা লৈবা খোঙথাংনি । লৈমাইদগী ইশাগী খুৎকী খুৎশা (৯) মাপল রাংনা খোঙনাম্মনা থাঙ্গৎপা মফম অদুবু অনিশুবা মহা খোঙথাং হায়না খংনৈ, খুজেং মথক খুবোম মতোন খোঙথাং হাযনসু কৌই ।

(৩) অহুমশুবা মহা খোঙথাং

অহানবা খোংফম ফিরেপ ফিথুপ, অনিশুবা মীৎয়েং খোয়দৌ খুফম চুন্না লৈরব মতুংদা হকচাংগী শানোমগী মতুংইন্না খোং নাম্মনা হকচাংগী অরুম্বা পুদুনা লেপকনি লেপলিবা খোং অদুগী খুবোম মরূ য়ৌবা মপাফাওবা খোং নাম্মানা থাঙ্গৎলক্কনি, খোং থাঙ্গৎপা মতমদা খুউনা ফৈরূ মপাদা ফৈমাই মান্নবা থাঙ্গৎকনি, হকচাংগী অরূম্বা পুরিবা খোঙ অদুগী খুউ অদু মাংদা ইনশিন্দুনা নমথগনি। থাঙ্গৎলিবা খোঙনা হকচাংগী মাংদা খরা পুশিনলক্কনি। হকচাংশু মথক্কী মওংশিং অসিদগী হেন্না নমথগনি। মসিবু খুবোম মরূ য়ৌবা খোঙথাং কৌই ।

মহা খোঙথাং অহুম অসিদি মরুওইবা খোঙথাং অহুমগা লোইনদুনা হকচাংগী শানোমশিংগী মনুংদা লোৎতুনা লৈবা খোঙথাংনি। হায়রিবা খোঙথাং খুদিংমক থাংবা মতমদা খোঙগী খোঙদোন লুকথবা য়াদে। তোঙান তোঙানবা তাল কয়াগী শানোমগী মতুংইন্না খোঙথাংশিং অসি শিজিনৈ। রাজ মেন্দদি হায়রিবা খোঙথাং মখলশিং অসি লোইনা শুনা শিজিন্নৈ। চোলোমগী খোঙথাং খুদিংমক খোঙনা রাংনা থাংলিবমখৈ হকচাংশু হেন্না নমথগনি।

নট চোলোমগী শানোম

নট চোলোমগী মনুংদা শানোম মখল কয়া চংই, তাল মখল কয়াগী মনুংদা চংলিবা মাত্রবু মখোল থোক্তনা ফোংদোক্তুনা উহনবা ঙম্মী অমশুং তাল অদুগী মশক তাকপা ঙম্মী। জগৎ সংসারদা লৈরিবা থরায় পানবা জীব পুন্নমক্কী মাশা মশাগী ওইবা তোঙান তোঙানবা শানোম কয়া লৈজে। শানোমশিং অসি অমগা অমগা মান্নদে, তোঙান তোঙাল্লী। মখোয় মখোয়গী শানোমশিংগী মতুংইন্না খোঙথাংশীংসু অমতা মান্নদে। নট সঙ্কীর্ত্তনগী মনুংদা তাল কয়া যাওবগুন্না হকচাংগী শানোমসু মখল কয়া লৈ, নট কলাবু পামজবা মীওইশিংগী ওইনা শানোমশিং অসি খংবা তঙাইফদবা ইথৌ অমনি হায়না লৌগনি।


নট সঙ্কীর্তনগী ওইবা শানোমশিং মদুদি :-

(১) রাগ মনুংগী, শানোম.
(২) অবাহণ, শানোম.
(৩) মেলহৌ, শানোম.
(৪) ঘাট, শানোম.
(৫) রাজমেন, শানোম.
(৬) রাজমেন অরৈবী, শানোম.
(৭) মেন সেট্টুগী, শানোম.
(৮) মেন অওনবা, শানোম.
(৯) মেন ঙকলৈবী, শানোম.
(১০) মেন করতাল মরি হায়বা, শানোম.
(১১) মেন খোঙ থাংবা,শানোম
(১২) মেন খুত্তদা তান পীবা, শানোম.
(১৩) মেন মৈশানেৎ, শানোম.
(১৪) তাঞ্চপ, শানোম.
(১৫) মেনকুপ, শানোম.
(১৬) মেনকুপ অখাইবা,শানোম

অসিনচিংবা হকচাংগী শানোম ১৬কী মনুংদগী শনোম নীপালখক লৌখৎতুনা মখাদা পীজরি।

১) রাগ মনুংগী শানোম :-

অহানবা খোঙফমদা লেপকনি, খুৎ অনি খোইদৌ খুৎফম ওইগনি, মীৎযেংশু অনিশুবা মীৎয়েং ওইগনি। শানোমদি অহানবা ফিবেপতগী খজিক্তং নমথগনি, হকচাংগী অরুম্বা খোং অনিনা শিন্ন শিন্ন পুগনি, ফিথুপ মচা অহানবগী মফম যৌনা নমথগনি, অরুম্বা পুদবা খোঙনা কোম্না লৈগনি। শানোম অসি খোঙ খব খর থাংবা মমী তম্বা শানোমনি, মসিবু বাগ মনুংগী শানোম হাইনা খংনৈ।


রাগ মনুংগী শানোম

২) অবাহণ শানোম :-

অহানবা খোংফম খুৎফমদা লেপকনি, অনীশুবা মীৎযেং ওইগনি। হকচাংগী মওং চুম্না লৈগনি, শ্বর চনিংদা থমগনি। হকচাংগী অকম্বা খোঙ য়েৎ ওই অনিনা শিন্ন শিন্ননা পুগনি, শানোম্না অহান্না ফিথুপ মচা যৌনা নমথগনি অমশুং ফৈ অনী শিন্নবগী মবক্তা হকচাংনা অহানবা ফিবেপ য়ৌনা হৌগৎলক্কনি। মসিবু অবাহণ শানোম হাইনা খংনৈ।


অবাহণ শানোম


মেলহৌ শানোম


৩) মেলহৌ শানোম

অহানবা খোংফম খুৎফমদা অদুম্মক লৈগনি, মীৎযেংশু অনীশুবা অদুম ওইগনি। হকচাংগী অকম্ববু খোঙগী ফৈ যেৎ-ওই অনীনা শিন্ন শিন্ন পুগনি। অনী শুবা ফিথুপ মচা যৌনা নমথগনি অমশুং ইনখৎলকপা মতমদা অহানবা ফিবেপ যৌনা হৌগৎকনি। মসিবু মেলহৌ শানোম হাইনা খংনৈ।


ঘাট শানোম

৪) ঘাট্ শানোম

অহানবা খোংফম খুৎফমদা অদুম্মক লৈগনি, মীৎযেংশু অনীশুবা অদুম ওইগনি। হকচাংগী অকম্ববু খোঙগী ফৈ, যেৎ ওই অনীনা শিন্ন শিন্ন পুগনি। অনীশুবা ফিথুপ মচা যৌনা নমথগনি, হকচাংগী মওং কাইহল্লোই অমশুং হকচাংনা ইনখৎলকপা মতমদা অহানবা ফিবেপ যৌফাত্তনা হৌগৎলক্কনি। মসিবু ঘাট শানোম হাইনা খংনৈ।


রাজমেন শানোম

৫) রাজমেন শানোম

অহানবা খোংফম খুৎফমদা অদুম্মক লৈগনি, মীৎয়েংদি অহানবা মীৎয়েং ওইগনি। হকচাংগী ফিভম মওং কাইদনা নমথগনি, শানোমদি ফৈথুপ ফিথুপকী মফম য়ৌনা ফমথগনি খুঙউ অনি মাংদা ইনশিনগনি, হকচাংগী অরাম্বা খুঙউদা পির্গনি। হৌগৎলকপা মতমদা, খোঙগী ফৈ অনীনা ইনখৎলক্কনি। অহানবা ফিরেপ-ফিথুপ য়ৌনা হৌগৎকনি, অশুম্না য়েৎ-ওই শান্নগনি। মশিবু রাজমেন শানোম হাইনা খংনৈ।


বাজমেন ফৈ-লৈবি শানোম

৬) রাজমেন ফৈ-লৈবি শানোম :

অহানবা খোঙফম খুৎফম অমশুং অহানবা মীৎযেং অদুম্মক ওইগনি। হকচাংগী ফিভম মওং কাইদনা নমথগনি, শানোমদি ফৈথুপ ফিথুপকী মফম য়ৌনা ফমথগনি, খোঙগী খুঙউ অনি মাংদা ইনশিন্নগা খোঙফম লেঙদনা ফৈ অনি পুন্না লৈগনি। হকচাংশু খরা লৈনা-চিংনা অহানবা ফিথুপ মচাগী ফিভম যৌনা হৌগৎলক্কনি। অশুম্না যেৎ-ওই অনিমক্তা শিজিন্নগনি। শানোম অসিবু বাজামেন ফৈ-লৈবি শানোম হাযনা খ নৈ।



বাজমেন সেটু শানোম

৭) রাজমেন সেটু শানোম :

অহানবা খোঙফম খুংফম অমশুং অনিশুবা মীংযেং ওইগনি, হকচাংগী মওং কাযদনা অনীশুবা ফিথুপ মচা যৌনা ফমথগনি, ফিডম অসিদা য়েং-ওই নাইনা খোঙফম খর লেঙনা অযেৎবা শানোম ওইনা নোমগনি। মসিবু রাজমেন সেটু শানোম হাযনা খংনৈ।



রাজমেন অওনবা

(৮) বাজমেন অওনবা শানোম -

অহানবা খোংফম খুংফম অহানবা মীংযেং ওইগনি হকচাংগী মওং কাইদনা অনিশুবা ফৈথেক ফিথুপ যৌনা নমথবা ওইগনি। হকচাংগী অকম্বা খোঙগী ফৈ অনীনা শিন্নবা পুগনি, খোঙফম লেংদনা যেং ওই নাইনা নোম্বু বাজমেন অওনবা শানোম হাযনা খংনৈ।

শানোমশিং অসি নোম্বদা মথক-মখা শম্ননা তাংথক নাইদনা নোমগনি।

মথক্তা পীবিবা শানোম মখল নিপাল অসি নট সঙ্কীর্ত্তন্দা চংবা শানোমশিংনি।

চেলোমগী খোঙচং

১) মফৈদা চৎপা খোঙচং ২) মাংদা চৎপা খোঙচং ৩) তুং হন্না চৎপা খোঙচং



মফৈদা চৎপা খোঙচং

১) মফৈদা চৎপা খোঙচং:-


হকচাংগী মওং কাইদনা খুৎ অনি খোইদৌ খুৎফম ওইগনি খোঙ য়েৎনা হান্না থাংঙ্গনি হকচাংগী অরুম্বা লৈমাইদা লেপ্পা খোঙ নাম্মনা পুদুনা খোঙ অনী শিন্ন শিন্ননা তালগী মতুংইন্না থাংদুনা য়েৎতা-ওইদা ফৈনা ফৈনা চৎপবু মফৈদা চৎপা খোংচং কৌই ।



মাংদা চৎপা

২) মাংদা চৎপা খোঙচং:-

খুৎকি, হকচাংগী মওং মথক্কীগুন্না ওইগনি খোঙ য়েৎনা হান্না থাঙ্গনি, থাংলিবা খোঙনা খোঙদোন হায়দোক্লুনা লৈহৌরিবা খোঙগী খোঙদোনগী মমাংদা থাগনি লৈমাইদা লেপ্পা খোঙনা হকচাংগী অরুম্বা পুগনি থাংগৎপা খোঙনা মাংদা খর পুশিন্না থাংদুনা তালগী মতুংইন্না চৎকনি। মসিবু মাংদা চৎপা খোঙচং কৌই।


তুং হন্না চৎপা খোঙচৎ

৩) তুং হন্না চৎপা খোঙচৎ

খুৎকী হকচাংগী মওং মথক্কী অশুন্না ওইগনি থাংলক্লিবা খোঙনা খুউ হাযদোক্লা লেপহৌরিবা খোঙগী তুংদা হম্বনা থাংদুনা যেৎ ওই অনি শিন্ন শিন্ননা, হাইতক লৈতক তুংহন্ননা থাংদুনা চৎপবু, তুং হন্না চৎপা খোঙচৎ কৌই ।


মথক্তা পিবিবা নট চোলোমগী খোঙচৎ মখল অহুম অসি নত্তবা অকুপ্পা খোঙচৎ কযা অমসু শিজিন্নৈ ।

মদুদি **(১) থেক্লা চৎপা খোঙচৎ, (২) হুন্না হুন্না চৎপা খোঙচৎ, (৩) চোংনা চৎপা খোঙচৎ, (৪) ফৈ - যান্না চৎপা খোঙচৎ,** ***(তাল অমগী তাম্বাগী মহাদা খোঙ থাদুনা, ইহুল পিদুনা ইপোম নাইনা চৎপা),*** **(৫) খোঙ লন্না থাংবা খোঙচৎ,*****(তাল মপুম অমগী মনুংদা তাম্বা অনীদা খোঙ থাদুনা চৎপা),*** **(৬) খন্না কুংনা থাংদুনা চৎপা,** ***(তাল মপুম অমগী মনুংদা তাম্বা মবীদা খোঙথাদুনা চৎপা),*** **(৭) কুংশিন্না চৎপা খোংচৎ** ***(তাল মপুম অমগী মনুংদা মাত্রা খুদিং তালোইননা থাদুনা চৎপা খোঙচৎ),*** **(৮) লৈনা লৈনা চৎপা,*****(পিবিবা তালগী মনুংদা লন্না নত্রগা কুংনা যেৎ-ওই লৈনা লৈনা থাংদুনা চৎপা খোঙচৎ)।***

খোঙচৎ শাজৎশিং অসি চৎপা মতমদা খোঙগা লোইননা হক্চাংশু অমোনবা শাজৎ নত্রগা অকনবা শাজৎতা হাইনা হুন্না, খুৎকা মীৎকা থানদনা শাজৎ শান্নাম, শাথেক ইহুন কাযাগা শাগোন্ননা চৎকনি।

নট চোলোমগী খোঙথিন অহুম

১) খোঙ শেক্লা থিনবা ২) খোঙ কাওনা থিনবা ৩) খোঙ মপুম থিনবা


খোঙ শেক্লা থিনবা


১) খোঙ শেক্লা থিনবা

হকচাংগী ফিডম কায়হন্দনা খুৎ অনি খোয়দৌ খুৎফমদা থমগনি, খোঙ ওইনা হকচাংগী অরূম্বা পুগনি, য়েংকী খোঙনা ওইগী খোঙগী মাংদা খোঙদোন হাযদোক্লা হকচাংনা যেৎলোমদা লৈবপ তৌগনি, খোঙ যেংনা হকচাংগী অরূম্বা শিনগনি। ওইগী খোঙদোন্না য়েংকী খোঙগী খোঙনিং নক্লা লৈমাযদা হেক তাবগা য়েংকী খোঙনা শিত্তক্লা মাত্রা অমগী মনুংদা পুন্না থিনমিন্নববু খোং শেক্লা থিনবা কৌই।


খোঙ কাওনা থিনবা

২) খোঙ কাওনা থিনবা

হকচাংগী ফিডম কায়হন্দনা খুৎ অনি খোয়দৌ খুৎফমদা থমগনি, খোং ওইনা হকচাংগী অরূম্বা পুরিঙৈদা অরুম্বা পুদবা খোঙ য়েংনা মাংওইননা লৈমায়দা থাদুনা হকচাংগী অরূম্বা শিন্নবগী মতমদা য়েংকী খোঙনা কাউথোক্লুনা অনী পুন্না থিনমিন্নগনি, মসিবু খোঙ কাওনা থিনবা কৌই।


খোঙ মপুম থিনবা

৩) খোঙ মপুম থিনবা

হকচাংগী ফিভম কায়হন্দনা খুৎ অনি হান্নগুম খোয়দৌ খুৎফমদা থমগনি, চোলোম কয়াগী খোঙথাং খোঙলোন শাজৎ কয়াগী মরক্তা খোঙ অনী চপ মান্ননা লৈমায়দা পুন্না তামিন্নদুনা থিনববু মপুম থিনবা কৌই।

নট চোলোমগী গটী

প্রকীতিগী ওইবা শা-উচেক, হৈপাল-লৈপাল কয়াদগীশু তোঙান তোঙান্না মওং মতৌ কয়া লৌদুনা নট চোলোমদা শিজিন্নরি।

খুদম খরা :-

(১) লিনগী শাজৎ (২) শামৃগী শাজৎ
(৩) তেনৱাগী শাজৎ (৪) উবোক্কী শাজৎ
(৫) ৱাহোংগী শাজৎ (৬) উমাইবীগী শাখপ
(৭) কাংঙগী শাজৎ (৮) খম্ভ্রাংচাক্কী শাজৎ
(৯) নোংশাগী শাজৎ (১০)শগোলগী শাজৎ,খোংথাং
(১১) শগোলগী নিংঙাই (১২)শজিগী শাজৎ, মীৎয়েং
(১৩) ঈশিংগী ইপোম (১৪)নোংলৈ নুংশিৎকী শহুম,
অশিনচিংবনি।

গতি (মওং মতৌ)

প্রকিতিগী ফজবা মওং মতৌ লৌদুনা হকচাংগী শাজং-শানোম, শাথেক খোংথাং অমশুং মীৎযেং লোইনদুনা পুথোকপা চোলোম্বু 'গতি' কৌই। নট চোলোমদা শা নত্রগা উচেক অমগী গতিনী হাযদুনা চোলোম অমা হেক্তা তৌবগা গতিনী হাযবা যাদে, গতি হাযবা অসিদি কবিগুম্বা শা নত্রগা উচেক অমগী অমানবা মওং মতৌ শাজং মীৎযেং খোঙথাংনচীংবগী শকক্ খবদংদা ওইববশু শোক্লা চোলোম তৌববদী, তৌবীবা চোলোম অদুনা গতি অদুনি হাযবা ঙমগনী। গতি হাযবা অসি নট সঙ্কীর্তনগী মনুংদা লৈবিবা ইশৈগী ভাব রস কযাগা লোইনদুনা, প্রেম ভক্তী ফোংদোক্লফম অমসু ওইরি। গতি অসি খৃঃ ১৮৯১ ১৯৪১, চুবাচান্দ মহাবাজনা পানবা মতমদগী তোপ তোপ্পা গতিগী অভীনয মপুংফাবা ওইবকখি। মসিবু মপুং ফানা পুথোকপীবস্বা ওঝাদি চুংখাম ওঝা থম্বালঅঙৌনি।

গতি খরদং :-


উবোক্কী শানোম


নোংশাগী শানোম


রাহোংগী শাজং



লিনগী শাজং


তেনরাগী শাজং


খম্রাংচাকী শাজং


ঈশিংগী ইপোম


শামুগী শাজং


নোংলৈ নুংশিংকী শহম

দস অবতারণী মুদ্রা চোলোম



১) ভাগী শাইওন




২) থেঙ্গুগী শাইওন



৩) ওক্কি শাইওন



৪) নরসিংঃ শাইওন



৫) রাম ; শাইওন



৬) পরশুরাম শাইওন



৭) রামগী শাইওন



৮) কৃষ্ণগী শাইওন



৯) বুদ্ধগী শাইওন



১০) কল্কি শাইওন

মর্থাক্ক শাইওন [illegible] অনিগী [illegible] লোম মুদ্রাশ [illegible] খ্রীঃ ১৮৯১ ১৯৪১ সাব [illegible] মহারাজনা পা [illegible] মদকী মুদ্রাশা আগলী মপংফাবা ওইবকখি। হৌজিক [illegible] ওবসু ফিডমশিং অসি কাইদনা চং বাব। মুদ্রাশং অসি নট সঙ্কীর্তনগী ফিবেপ [illegible] কাইদনা মপু [illegible] শাস্ত্রবস্বা [illegible] এবাংবম [illegible]কাইদকী লৈখিদবা ওঝা [illegible] থম্বালঅঙো [illegible] শাস্ত্র স্বাব।

নট সঙ্কীর্ত্তন দুহার

নট সঙ্কীর্ত্তনগী মপুং ফাবা দুহার অমগী মথৌ য়াম্না মরুওইবা অমনি। চৎনরিবা সঙ্কীর্ত্তনগী রাগ-রাগীনি সুর সঙ্গ শৈহেক মপুং ফানা খংদবা য়াদে। ঈশৈগী রস অমদি পুংগী পুংলোন, তানগী তানশক অমসুং লোইচৎ নিংথীনা পুদুনা হকচাংগী শাথেক শানোম্না ইহুন পীদুনা সুরগী ঈনিলদা থৌ পীবা ঙমগনি। ঈশিংগী ঈপোমগুম পালাশিংনা খোইয়াম পুন্না ঙংবগুম শৈশকপগী মায়কৈদগী থাদোরকপা সুরগী থাক কাইদনা ওক্লগা খুম্বা ঙম্বা পালাগী লুচিংবনি। করতালগী তাম্বা খুৎলোন, খোঙগী খোঙথাং পুম্বা দুহারগী মতৌ তমজনিংঙাই ওইগনি। ঈশৈগী রসদা নুংগী ব্রাখললোনবু চোলোমগী অভীনয় কয়ানা লেং ওৎতুনা ফোংদোক্কনি। তালগী লোইচৎ অরন অকুং কয়াবু নুংদা শান্নদা চোলোম তৌদুনা অয়েংবা মীশিংগী পেলহন্নবা বস কয়াগী মহাও ফংনা উহনবা ঙমগনি অমসুং ঈশৈ, গুর, তালগী লোইচংতা হকচাংগী শানোম্না ইহুল পীদুনা পালাশিংবু অমতা ওইনা খোমজিন্দুনা অয়েংবা মীওইশিংদা শানোম ইহুল তাম্বাদা তাওহনবা ঙমগদবনি। মীয়ামগী পুক্নীং অমসুং ব্রাখলবু প্রেম ভক্তীদা লুপ্না চীংশিন্দুনা থম্বা ঙমগনি। শৈশকপা কয়াগী শৈহেক শৈদাবু মায়পুননা সুর (স্কেল) কাইদনা শৈখুম্বা ঙমগদবনি। নট সঙ্কীর্ত্তনগী মকোক ওইরিবা মঙাগী মনুংদা দুহার অসিসু য়াম্না মরুওইবা অমনি।

রাজর্ষী ভাগ্যচন্দ্রগী নট সঙ্কীর্ত্তন্দা তুং ইঙ্গদুনা শৈশকপশিংগী শৈখুম্বা দুহার ওইনা পুন্সি লোমখ্রবা, ঈশ্বরগী খুয়া তানখ্রবা ওঝা গুরু কয়াগী মনুংদগী খরদং লৌখৎচরগা শিংথাজরি।

১. শ্রী ধর শাই ঃ-

নট সঙ্কীর্ত্তনগী দুহার চোলোমবু অরিবা মওংদগী অনৌবা মশক হোংদুনা চোলোমগী কযাৎ কয়া শেমদুনা পুথোকপিরম্বা নট সঙ্কীর্ত্তনগী অহানবা দুহার্বনি।

২ শ্রী শোরোকখাইবম ওঝা শেংগুম্বা ঃ-

নট সঙ্কীর্ত্তনগী রাজমেন চোলোম্বু অচুম্বা ফজবা অইংবা অরুবা কয়া পুথোকপিরম্বা ওঝান। দুহারগী চোলোমবু লেংদবা য়ুমফম শেমদুনা থম্বীবম্বা শ্রী গোৱিন্দগী কৃপা লোবা লৈবাক্কী ওঝানি।

৩. শ্রী হাওরোকচম ওঝা শমুঃ-

নট সঙ্কীর্ত্তনগী রাজমেন চোলোমদা ফৈ লৈদুনা ফৈগী ফজবা মওং শীজিন্নদুনা রাজমেন চোলোম অরৈবা পুথোকপিরম্বা দুহারগী ওঝা অমনি।

৪. শ্রী শোরোকখাইবম ওঝা সাজৌবী ঃ-

নট সঙ্কীর্ত্তনগী ওইনা য়েনবা তাল অমসুং সৈহেক সঞ্জ কয়া শেমদুনা চোলোম অমসুং খুৎলোন কোন্ননা সেমদুনা থম্বীরম্বা লৈবাক্না শকখংলবা মশক নাইবা ওঝানি।

৫. শ্রী শাৎপম ওঝা চাওবা ঃ-

নট সঙ্কীর্ত্তন দুহার চোলোমগী য়ুমফম্বু মৈতৈ লৈপাক্কী মীরোন কয়াগী চৎনপথাপ ওইননবা পাকথোক-শন্দোক্না শেম্বীরম্বা শিংথানিংঙাই ওইরবা দুহারগী ওঝা অমনি।

৬. শ্রী ওঝা অখা খুদোম্বী ঃ-

নট সঙ্কীর্ত্তনগী শৈখুম্ শৈশক শৈহেক কয়াদা খোম্লোক্কী তালগী লোইচৎতা থুৎকী খুৎহাই খুৎথিন কয়ানা হকচাংগী শানোম চোলোমগা লোইননা ফজরবা দুহারগী মওং কয়া পুথোকপিরম্বা ওঝা অমনি।

৭. শ্রী ক্ষেত্রি ওঝা অচৌ ঃ-

নট সঙ্কীর্ত্তন দুহার চোলোমগী পরিং-পথাপ নিয়ম কয়াৎ কয়াবু ময়েক শেংনা লৈহৌনবা হোৎনবদা শরুক চাওনা য়ারম্বা শথেক শানোম কয়া পুথোপিরম্বা ওঝা অমনি।

৮. শ্রী চুংখাম ওঝা থম্বালঅঙৌ ঃ-

নট সঙ্কীর্ত্তন দুহার চোলোমগী খোঙথাং অমসুং ফৈগী ফজবা শাজৎ গতি খুৎকী মুদ্রানচিংবা চোলোমগী (অভিনোই) শাথেক শাওংতনা অয়েংবা মীবু প্রেম পোকহনবা ঙম্বা ওঝা অমনি।

৯. শ্রী হামোম ওঝা তোম্বা ঃ-

নট সঙ্কীর্ত্তনগী দুহার চোলোমগা লোইননা ঈশৈগী রাগ রাগিনি কয়াবু মশক খংনা শৈশক শৈদা কয়াদা শিংথানিংঙাই অমসুং তমজফম ওইবা লৈপাক্লা শক-খঙনরবা ওঝা অমনি।

১০. শ্রী থাংজম ওঝা চাওবাঃ-

নট সঙ্কীর্ত্তনগী দুহার চোলোমদা মীয়াম্না শকখংনরবা ঈশৈগী শৈহল শৈশক খুৎহাই করতালগী খুলোলদা নোংথাং কুম্পগুম্না ফজবা হকচাংগী অমসুং থাবাক্কী থোৎপা নৌবা কয়া ঙক্কী ঙকহাই, মীৎকী মীৎয়েং খোংলোন খোঙথাং কয়ানা অঙকপা অভিনোই পুথোক্তুনা রাজমেন সানোমগী সাথেক্তসু রাশেশ্বরি য়েংবা মীৎয়েংনচিংবা কয়া পুথোকরপীরম্বা ওঝা অমনি।

১১. শ্রী মাইবম ওঝা ইবোহল ঃ-

নট সঙ্কীর্ত্তনগী দুহার চোলোমদা মৈতৈ লৈপাক্লা মশকখংনরবা ঈশৈগী সুর খোঞ্জেন খোম্লোক কয়াদা হকচাং শনোম য়াওনা পালা ময়ামবু নুংশিংনা পুবা লৈচিনগুম খোইয়াম্না ঙঙবা মখোনগুম ইনিন পুদুনা অঙকপা শক্তি পুথোকপা, রাজমেনগী চোলোম শাথেক্তা বাঁশিদা মীয়েং থম্বা নুংগী ভাবনচিংবা কয়া পুথোকপীরম্বা ওঝা অমনি।

১২. শ্রী শোরাম ওঝা অঙাংহল ঃ-

নট সঙ্কীর্ত্তনগী দুহার চোলোমদা লমদম অসিনা খঙনরবা ঈশৈগী শঞ্জ সুর চোলোমগী অভিনোইদা তপচ-ঈংজ লেমজবা ভক্তি প্রেমনা য়োম্বা মওং ওইবা তান খুৎলোন. পুংলোল. ঈশৈগী ময়েক শঞ্জনচিংবা পুথোকপীরম্বা ওঝা অমনি।

১৩. শ্রী এলাংবম, ওঝা অঙাংহল ঃ-

নট সঙ্কীর্ত্তনগী দুহার চোলোমদা মীয়াম্না খঙনরবা শীংথানরিবা ওঝা অমনি। চোলোমগী শথেক শানোমদা অথোৎপা অনৌবা কয়ানা লেমজনিংঙাই ওইবা ঈশৈগী রাগ রাগীনি কয়াবু মশক খংনা সুর সঞ্জ য়াওনা তাকপীবা ঙম্বা. চৎনরিবা য়ৈনরিবা তাল কয়াবু হংলুবদা ব্রাত্তবা পুংলোলগা লোইননা করতাল খুৎলোন শৈশক্কা কোন্ননা পাওতাক পীবিবা ঙম্বা ওঝানি কোকিল প্রিয়তালগী চোলোমনচিংবা পুথোকপিরম্মী। নট সঙ্কীর্ত্তনগী নৎতবা চোলোম্না শিজিনবা য়াবা মফম কয়াবু নুপী নুপা খাক্তনা মশক নাইবা তাল কয়া তাকপীদুনা থম্মোই শেংনা কৎথোকপীরম্বা ওঝা অমনি।

মট চোলোমগী প্রনলিকা ফংখ্রবা ওঝাশিং :-


১) রাজর্ষী ভাগ্যচন্দ্র
২) ধর শাই
৩) শ্রীযুক্ত শোরোকখাইবম শেংগুম্বা, সঙ্কীর্ত্তন রাজমেন চোলোম।
৪) শ্রীযুক্ত হাওরোকচম শমু, রাজমেন চোলোম অরৈবী ।
৫) শ্রীযুক্ত শরোকখাইবম শাজৌবী (দুহার) ।

দুহার ওইবিরম্বা অমশুং ওইবিবিবা ওজাশিং খরগী মীং :-


৬) শ্রীযুক্ত রাজকুমার বলরাম শাবা
৭) ,, ঠাকুর খোংজাই শর্ম্ম
৮) ,, কাঙবম ইন্দ্র সিংহ
৯) ,, নিলবির সিংহ
১০) ,, শাৎপম চাওবা সিংহ
১১) ,, খোইবম তিঙ্গোং সিংহ
১২) ,, শৈখাম অতো সিংহ
১৩) , কাঙবম নাত্র সিংহ
১৪) ,, ঠাকুর সনাজাওবা শর্ম্মা
১৫) ,, কোঞ্জেংবম সৎগুম সিংহ
১৬) ,, অখা খুদোম্বী
১৭) ,, হাওবম অমুবা
১৮) ,, উত্তর সনা রাজকুমাব
১৯) ,, ক্ষেত্রি অচৌ
২০) ,, ঐগ্যা ইশৈহনবা
২১) ,, খুলেম অঙাংমচা
২২) ,, হাওরুংবম তোম্বা
২৩) ,, লৌখাম গোপালমচা
২৪) ,, শরোকখাইবম ইবোচাউবা
২৫) ,, শরোকখাইবম অঙাতন
২৬) ,, পুখ্রম্বম অমুবা
২৭) শ্রীযুক্ত যেংখোম মঙ্গোল সিংহ
২৮) ,, চুংখাম থম্বালঅঙৌ
২৯) ,, সিনাম তোম্বা সিংহ
৩০) ,, হামোম তোম্বা সিংহ
৩১) ,, তোনাম্বম চাওবা সিংহ
৩২) ,, চাওতোনসনা বাজকুমাব
৩৩) ,, থাংজম চাওবা সিংহ
৩৪) , শবাংথেম গুলানজাং
৩৫) ,, মাইবম ইবোহল সিংহ
৩৬) ,, মযাংলম্বম ইবোবী সিংহ
৩৭) ,, যেংখোম নীলমনি সিংহ
৩৮) ,, হিজম চাওবা সিংহ
৩৯) ,, শোবাম অঙাহল সিংহ
৪০) ,, সলাম অমুনিংথৌ সিংহ
৪১) ,, শমজেৎ শাবম ইবোচে
৪২) ,, কোজেংবম ধন সিংহ
৪৩) ,, পুখ্রম্বম ইবোমচা
৪৪) ,, হুইদ্রোম চাওবা
৪৫) ,, ফৈবোইজম থম্বাল সিংহ
৪৬) ,, ফুলচান্দ সিংহ খাইদেম
৪৭) ,, থিংঙুজম সামুঙৌবা

৪৮) শ্রীযুক্ত রাইখোম অঙাহল
৪৯) ,, মৈস্নাম কহ্নাই
৫০) ,, এলাংবম য়াইস্বী
৫১) ,, এলাংবম মনি
৫২) ,, থৌনাওজম অমুবি
৫৩) ,, তাকয়েনজম গুলাপসিং
৫৪) ,, থৌনাওজম নিংথৌ
৫৫) ,, এলাংবম চন্দ্রমনি
৫৬) ,, এলাংবম অঙাহল
৫৭) ,, য়ুম্নাম বিবহবি
৫৮) ,, গুলাপসিং ককচিং
৫৯) ,, খাইদেম বাবু
৬০) ,, য়ুম্নাম মধুমঙ্গোল
৬১) ,, মাইস্নাম ইবোতোন
৬২) ,, মুতুম বীজোয়
৬৩) ,, আর কে মনাতোম্বি
৬৪) ,, সোরোকখাইবম সেলুংমচা
৬৫) ,, এলাংবম কুবের
৬৬) ,, বিরচন্দ্রা শুগনু
৬৭) ,, লালা খুরাই
৬৮) ,, ইবোহল খুরাই
৬৯) ,, রেবতি খুরাই
৭০) ,, ওইনাম গুলাপসিং
৭১) ,, অবুজম চাওবা
৭২) ,, য়ুম্নাম পোংজাও
৭৩) ,, অহৈবম নিমাই মৈত্রম
৭৪) ,, মোইরাংথেম রাবৈ তেম্বা
৭৫) ,, সোরোকখাইবম বেনি
৭৬) শ্রীযুক্ত এলাংবম আদোর
৭৭) ,, রাঘোপ উচিরা
৭৮) ,, রাইখোম লক্ষমণ রাবগাই
৭৯) ,, ময়েংবম ইরাবোৎ
৮০) ,, শৌগ্রাইজম নিলো
৮১) ,, এলাংবম নিংথৌ
৮২) ,, নিপামচা ককচিংখুনৌ
৮৩) ,, কোম্বৌজম সানাতোন
৮৪) ,, নামৈরাকপম মনাউ
৮৫) ,, ঙাঙোম বাবোতোন থোংজু
৮৬) ,, য়ুম্নাম গুলাপ
৮৭) ,, মাঙ্গোলজাও উরিপোক
৮৮) ,, মোইবাংনিংথৌ খোংমন
৮৯) ,, লাইরেল্লাকম মুহোন ফকনুং
৯০) ,, খোন্দ্রাম কাউমচা
৯১) ,, শামু সওম্বুং
৯২) ,, থৌদাম য়াইস্কুল
৯৩) ,, নিংথৌজম শ্যামচান্দ্
৯৪) ,, লাইশ্রম প্রিয়োগোপাল
৯৫) ,, তাকয়েন্জম কেশো
৯৬) ,, য়ুম্নাম থৌরানিজাও
৯৭) ,, মোইরাংথেম ইবোতোন
৯৮) ,, শাৎপম মধুমঙ্গোল
৯৯) ,, মোইরাংথেম ইবোমচা
১০০) ,, শেলুং লাংজিং
১০১) ,, লাইশ্রম মাঙ্গোলজাও
১০২) ,, খোংনাং সিংহ নম্বোল
১০৩) ,, রাজেন্দ্র সিংহ নম্বোল

সঙ্কীর্ত্তগী খোঙহামফম খুরুম্বদগী অরোইবগী মাওব মপুনচিংবা পুন্নমকপু খুরুম্বগী মওংশিং




১) সঙ্কীর্ত্তনগী খোংহাম্ফম খুকম্বা।



২) সঙ্কীর্ত্তনগী মাওব র্মচন খকম্বা।



৩) সঙ্কীর্ত্তনগী মযাইগী র্মওব পজা খুকম্বা।



৪) মাওব মপু অমত্তং ভাবক খুরুম্বা।



৫) থৌবুনা পালা
গুবিববৰা হংবা।



৬। অহান্বা লৈ চন্দোন
চংবা।




৭। হৌননবা ফি সেৎপা
তৌবা।



৮) হৌননবা থৌবুনা
খুরুম্বা।



৯) বোরিবা চংলকপা।



১০। বোরিবগা মাস্তব পূজা থকম্বা।



১১। মাস্তব মপু ভাবকশিং থুকম্বা।



১২) বোরিবগী থৌবুবু থুরুম্বা।



১৩)অরাংফম খুরুম্বা



১৪)মণ্ডির পূজা খুরুম্বমা।




১৫) চৌনবা খ্বাহয়েং য়েংপা।



১৬) চৌনবা মণ্ডিরদা চংলকপা।



১৭) মাণ্ডব মচিন লৈইবক কৎপা।



১৮) পালানা মশাগী মফম যৌবগা থকম্বা।






১৯) মশাগী মফমদা য়ৌবা।

২০) লৈ চন্দোন অনীশুবা লৌবা।



২১) করতাল লৌখৎপা।



২২) করতাল মন্ত্র শোনবা।





২৩) কারতাল মরী নানথবা।



২৪) হৌননবা হৌগৎলমদাই।








২৫)সঙ্কীর্তন হৌননবা হৌগৎলকপা ২৬) ঔরূমদাই অহানবা ফিরেপ ২৭) সঙ্কীর্তন বাগ হৌবা



২৮) গুরু ঘাট খুকথা




২৯) অবাহন শানোম




৩০) গুরু বন্দনা




৩১) রাগ তাবা ফমথবা খুরুম্বা।



৩২) তিন্তাল ফমফম অহাবা।



৩৩) তিন্তাল ফমফম অনীশুবা।



৩৪) তিন্তাল ফমফম অহুমশুবা।



৩৫) বেবি ঘাট কোইবমদাই ।



৩৬) বোঁবি ঘাট কোইবা।



৩৭) সম্র মিলন।



৩৮) মেলাহৌ শালোম।



৩৯) ঘাট থাবা।




৪০) ঘাট অহানবা হাযগৎপা



৪১) ঘাট অবোইবা হাযগৎপা



৪২) ঘাট মতুংদা কবতাল খুউদ থম্বা



৪৩। বাজমেন কবতাল খিংবা হৌনবা মওং।



৪৪। বাজমেন কবতাল খিংথবা।




৪৫। বাজমেন কবতাল খৎপা



৪৬) লখী ঘাট কোইবা।




৪৭) রাজমেল অরৈবী।



৪৮) রাজমেল ফৈ নমথবা।



৪৯) রাজমেল ফৈ লৈনা করতাল পুখৎলকপা।



৫০) রাজমেল করতাল খৎপা।



৫১) রাজমেল রাশেশ্বরী রেংবা।




৫২৷ রাজমেল সেটু।



৫৩৷ রাজমেল অআনবা।



৫৪৷ রাজমেল খোঙ শৎনা থাংবা।



৫৫৷ রাজমেল করতাল মরি হাইবা।




৫৬৷ রাজমেল মণ্ডক লৈবা।




৫৭) বাজমেল খোঙ থাংবা।



৫৮) বাজমেল মৈশা নেং।




৫৯) মেন থাবা।



৬০) তাঞ্চর্প মপী শানোম।




৬১) তাঞ্চর্প মপী কবতাল থাবা।



৬২) তাঞ্চর্প মপী কবতাল খংপা।



৬৩) মেনকুপ সেটু।




৬৪) মেনকুপ অখেৎপা।



৬৫) মেনকুপ অথাইবা।



৬৬) মেনকুপ থাবা



৬৭) অকোনবা বৈথা ফম্বা।



৬৮) অহুম শুবা লৈ চন্দোল লৌবা।




৬৯) কোযেৎ মচা য়েৎপা



৭০) কোয়েৎ মচা হাম্পা।



৭১। জয ভায লৌবা



৭২। অবোইবা মান্দপ মযাই থুকুম্বা।



৭৩। অবোইবা মান্দপ মপু অমগুং ভাবক থুকুম্বা।

তাল

তাল- 'রুপ লাবনী মেন তাঝুপ

বষঃ প্রেম কেলী সম্ভোগ

মাত্রা ৮ তাম্বা ১ ফাক ১ বাগীনি সানক

শেমবীবম্বা ওঝা শোবোকখাইবম শাজৌবী সিংহ।

তাল- 'মেন তাঝুপল্ক

জযতি জয বাধা কৃষ্ণ কেলী বিলাস।

প্রতিক্ষনে নব নব প্রেমবিকাশ।

ভুজহি ভুজ বন্ধন মুখহি মুখ চুম্বন।

অধবে অমৃত দেহি মুখ অধবে (চান্দ বদনীকে)।

যেন দবিদ্রেব ধন দুহু বাখি সজতন ক্ষেনে ক্ষেনে বাডে যত সুখে।

একতাল

মুখমতি পুতমিদং যুবতী ব্রজবসনং বচিত মখন্দং, স্পর্শ মাদইতে (২) ত বিধায পুর্ণ দ্ধাযতি প্রিযগন্দং, বিবমসতি তমজনি মমখন্দিতং মিহিতম পীতম সিধং ইতি সরু সেবব দৈইনিজ বল্লভ মধবে বচযতি স্নিগ্ধং।

মেন তাঝুপ

ধনী ধনী চান্দ বদনী।

রুপলাবনী চিত্ত মোহিনী।

প্রেম মুর্তি ধবিনী।

ধনী ধনী চান্দ বদনী।

কৃষ্ণ সঙ্গ সদাই বিভাবিতা।

ধনী বদন চান্দ সীমা নাই।

ধনী বদন চান্দ আব নখচান্দ চান্দেব মালা ঝলমল কবে।

ভুবন মোহিনী রুপ যৌবনী সঙ্গে শ্যাম বাসবিহাবী।

হেব কামিনি কামধনু জিনি ভুরু ভঙ্গিমা।

কস্তুবি কুম কুম আগরু চন্দন অমৃত মিশাযা তাতে বাধানাম ঘটিল বিধি।

চঞ্চল মৃগী নযনী (২)। বস ভসিনী মৃদু হাসিনি শ্যাম মব সুখ দাযিনী।

তাঙ্কপ

ভাবময়ী শ্রীবৃষভানু কিশোরী।

কাঞ্চন চম্পক কুম কুম্ম গৌরী।

মাধব সঙ্গ বর্দ্ধিত রঙ্গ পুন মনরথ মনমথ রাগ চান্দবদনী।

মেনকুপ

সাজ করিলে শ্যামত নাগর প্রতি অঙ্গে হেরিলে।

আপ্নি সাজে আপ্নি ভুলে ওই বসিক নাগর।

বাধিকাব প্রতি অঙ্গে যতনে পোরিযাছে শ্যামত নাগব।

তাল-রুপ লাবনী, মৈতৈ লোন

(শেম্বীবম্বা ওজা খাঙেম্বম গুলাপী সিংহ)

জযতিঃ- জগোইনি কৈজৈ বাধা কৃষ্ণ ফজৈ শাথেক্তা।

প্রতিক্ষনেঃ মিৎকুপ খুদিং থোইনা পেঞ্জব ভাক্তা।

ভুজহিঃ উবীনি পাম্বোম পাম্বোমগা মাযযোক্লে মাইথোং মাইথোংগা।

অধবেঃ- থাজগী অমৃত নোংইম্না ফংলে।

চান্দবদনীঃ- নোং নোংগৌবীনি।

যেনদাবিদ্রেবঃ ফংঙমদ্রবা মণি ফংজৈ অনিমক্লি পেম্নজৈ, মীৎকুপ খুদীং হেক্লে প্রেম অনিসে।

মুখমতিঃ- মুবমক্তি নত্ত শংবান শকফম্নী ফজৈ নুংশিনা শুক্কৎনিঙাই শক্তম শেম শাজবা লৈতে, শেম শাজবা লৈতে তপচবীদো পূম্না তথক্লে তাঙ্গা মতম। মিনোক মীৎয়েংদি শুকহেন হেম্নদবনীদো মীৎ-মীত্ত মপি শিঙ্থ মতম, ঐগী শরুক খাক্ত কৎচৈ কৎচমনগীনি ফংজরে, শুকহোং হোংদে মীৎফম।

ধনী ধনী চান্দঃ- ফজৈ ফজৈ থানা ইকাইবী ॥০॥

রুপলাবনীঃ- শকফম শকহেনবী পুক্লিং হুঙম্বী প্রেমগী লমজিংবী ফাওরিবী।

ধনী ধনীঃ- ফজৈ ফজৈ থাজঙমজবী।

কৃষ্ণ সঙ্গঃ- কৃষ্ণ নীংজমনগী মহৈ য়ানবী॥

ধনীবদন চান্দঃ- থাজনা তাংজবী নৌজ লেমজবী।

ধনীবদন চান্দ আরঃ-	থাজনা তাংজবী নৌজ লেমজবী জগৎসিদা অনি শুদ্রবী।
ভুবন মোহিনীঃ-	ভক্তিনা লৈতেংবী কৃষ্ণবু কাউদ্রিবী মহাভাবকী মশক ওইবী রাধা লেমজবী।
কস্তুরীঃ-	থাজ কোটিগুম্বী পুমলং লংলিবী থাজ-মানা কৈদৌরুনি।
চঞ্চলঃ-	শজি মিৎয়েংনি নীংথিবী।
রষভাসিনীঃ-	রষতা তাউবী মোমোন নোকলিবী শ্যাম শুম্মাৎ শক্তম ওইরিবী।
ভাবময়ীঃ-	রাখল নৈবী বষভানুগী থরায়নি।
কাঞ্চনঃ-	সনাগী লৈহাউনি কুমকুম লৈতেংনি।
মাধব সঙ্গঃ-	মাধবপু কাউদে মাধবনসু কাউদে পুক্লিং পুংপেন পেম্লে- পেন্দফমসু ওইদে অমত্তনীনে- ॥০॥

মেনকুপ

সাজ করিলেঃ-	ফিজেৎ লৈতেংদো শেম শানৈদো স্বাধীনগী শকফম নুংশিদো।
আপনি সাজেঃ	য়েংঙিমখৈ পেম্নদেদো ফল্লপ ফল্লপ য়েংনৈদো।
রধিকারঃ-	রাধিকাগী লৈতেংলিবা ময়ামদো য়েংজৈ পেঞ্জেদো শ্যামদো- ॥০॥

তাল - 'মদন মুহন রস কৃষ্ণ রুপ' রাগিনি পুর্বী

(শেমবীরম্বা স্বর্গীয় শ্রী অখাম ওঝা গোপাল সিংহ)

ভাঙ্গা-(অনিকপা)

মদন মুহন মুরুাত কাম।

হেরি উনমত ভেল যুবতি পড়াণ।

কাম্নুরা কুসুম জিনি কলেবর কান্তি।

মথে মউর সিখন্দি কপাতি।

: তালঃ- মাত্রা ১৬, তাম্বা ৭, ফাক ৩
মদন মুহন মুরুতি কাম। তাল দশকুশ:- মাত্রা ৭, তাম্বা ৫
হেরি উনমত (২) মতি ভেল যুবতি পড়াণ।
শোভার বালা জাইরে॥ মরি।
কতিতে পিতম্বর ধারি।
শ্রীনন্দে নন্দোন ভুবনা মুহনরু।
হেরিমন ভুলাইল।
চরনে নোপুর রুনু ঝুনু বাজেরে।
গলে বৈজয়ন্তিমালা।
ভুরুর ভঙ্গিমা কামের কামান জিনি।
কুলেব কামিনি চিত্রাহারীনি।
লোককেবোলে কালা কালা বাধামোরে হৃদির মালা॥ অহা মবী এ
তাল জয়দিক:- মাত্রা ১৪, তাম্বা ৪, ফাক ৩
কান্নড়া কুসুম জিনি কলেবর কান্তি।
নব মেঘ কান্তি জিনী।
গলে বৈজযন্তিমালা।
শিবে শিখি মুহন চুডা।
অধরেতে বাশি থোয়া।
বাঁশিরন্দ্রে অঙ্গুলি চল দাকে রাধা রাধা বলিয়া।
শুনি শুনি দ্বিগুন জ্বালা।
পাছরিতে মরি আমা।
লোকে বোলে কালা কালা রাধা মরে হৃদি মালা।
তাল রুপোক:- মাত্রা ৬, তাম্বা ২, ফাক ১
মাথে মউর সিখন্তি কপাতি।
তাতে বেঢ়া। মালতির মালা।
সহজ রুপে প্রানকান্দে তাতে কেনে মুহন চুড়া বান্ধেগ।
আকুল অলিকুল বকুলকি মালে চন্দন চাঁন্দ বিরাজিত ভালে।
ত্রিভঙ্গ ভঙ্গিমা বাকা বঁশিধারি।
শ্যাম নট বর রুপ।

কামিনী মুহন শ্রী রুপ মাধুরী।

রস রাজ শ্রী গোবিন্দ রুপ।

পাছর বলিয়ে পাছরিতে নরে ॥০॥

(২) তাল মদন মুহন

(মৈতৈলোন্দা শেমবিরম্বা খাঙেম্বম ওঝা গুলাপী সিংহ)

তাল ভাঙ্গা

মোমোন নোকপা মথৌ ওইবা, হেক হেক হাইফেৎ মিৎচি হুবা হাকমল্লি হু-পুবা, শঙ শঙ উরি শকফম অদো শংবান শকফম শ্যামদো, মাঙলে মাঙজরে মপোকসিমা ঐসে।

খুজি তাল

মদনমুহনঃ- মোমোন নোকপনা মথৌ ওইবা।

তাল দশকুস

হেরিউনমতঃ হেক হেক হাইফেৎ য়েংব (২),
মীৎচি হুরানবা হাকমল্লি হু-পুবা।

সোভারবালাঃ- খর হাকমল্লি হাকমল্লি।

কটিতেঃ- হৈমল্লি নোংদম্ব মাসু।

শ্রী নন্দেবঃ পুন্নমক কাউহল্লি থম্মোইসে শুক্কৎলি।

হেরি মনঃ- কৃষ্ণ মাবু উরুবদা।

চরনে নোপুরঃ শ্রী চরন নুংশিবা নোপুরনা লৈতেংবা।

গলে বৈজয়ন্তিঃ- ফজে বৈজয়ন্তি মালা। পকচৈ পকচৈ ফজে থোনবদা।

চরনে নোপুরঃ- ঙকশমদা লৈতেংবা লৈতেংশিংনা তাংজবা।

গলেঃ- চুডানা চেপ্লপ মীৎচিনা ফল্লপ।

ভুরুর ভঙ্গিমাঃ- মীৎচিনী মীরৌবা, মীনোকনি মী মিহৌহনবা।

কুলের কামিনীঃ মান্নরোই মান্নরোই মাগুম্বা অমা লৈবরোই।

লোকে বলেঃ- মীনদি হায়নৈ কুচু মুই রাধাদদি থম্মোই হুই।

জায়দিক তাল

কানুড়াঃ- শংশঙ উরি শকফম অদো শংবান শকফম শ্যামদো (২)-॥

নবমেঘঃ- শুক্কৎ শাথেক শাবান্নিদো।

গলে বৈজয়ন্তিঃ- ষনশেনবুঙদা লেঙখিবদো, ষন্নী ষনাও হোইখিবদো, সখাশিংগা লোয়নবদো।

তাল রূপোক

মাথে ময়ূরঃ- মাঙলে মাঙজরে মপোকসিমা ঐসে।

তাতে বেঢ়াঃ- মীনোক চাউবী মপোকনি ঐসে।

সহজা রূপেঃ- উজনীংবা উজবা ফংদ্রে চৎন লমচৎ লাংদগী লাঞ্জব ঙমদ্রে।

আকুল আলিঃ মপোকনা নুপী মপোক ওইবনিনা ঐসে পোন্নুংদ য়োকপা পোম্বীগুম্লবীনিনেসে।

ত্রিভঙ্গ ভঙ্গিমাঃ শুদ্ধৎ শকফম শাথেক চুডানা লৈতেংবা।

শ্যাম নটববঃ বাধানা করম কাউগবা।

কামিনীঃ- জগৎ শুদ্ধৎ ঙম্বা শকফম শকহেনবা।

বসবাজঃ বসতনা থল্লবনি শকফম ॥০॥

তাল- উজ্জ্বর হার তিন তালে অচৌবা - তেউৎ -।

বষ কৃষ্ণ রূপ বাগ দেশকারি কামোদ

(শেমবীবস্না ওঝা স্বর্গীয় তোলেন শর্মা)

উজ্জ্বব হাব পিত বসন ধর।

ওঃ উজ্জ্বর হাব উজ্জ্বব হাবে(২) বালা যাইরে সখিবে।২॥৩॥৪।

তাল লুফা

হারের বালা লয়া মরিগ।

কুনধনী বিরোল পাযা (কিবা) গাঠিযা ছিলামগ।

সেই মালা যেমনী গোলা হাব।

সেই মালা শ্যামেরগোলা হাব।

তাতে আমাপ্রান নিলেগ শখিরে (৪)।

চারিতাল

ভালহি চন্দন বিন্দু (২)। এতই সাজে।

চন্দন বিন্দু বিন্দু সাজাইলে।

ব্রজের মাঝে তিল কেনা পড়ে।

ভালে ভাল সাজাই য়াছে হে।
কোপাল গুনে ঝলমল করেরে।
ভালের উপরে ভাল সাজে।
কাল অঙ্গে তিল এতই সাজে।
এ-সখি যুবতি হৃদয় যেমনী দোলে।
শখি নাদলাতে কুণ্ডল আপনি দোলে।
আহামরি কিবা সোভারে।
না-দোলাতে আপনি দোলে।

তাল লপত

মীলিত ওবলা কিনি তরিত জরিত ঘনযে॥ (৪)
যতই দেখি ততই রুপজে। যতই দেখি ততই বাঢ়েগ।
উপরে উজ্বর ইন্দু।
সখিরে প্রান্ন সখিরে।
কিঃ চান্দ উদরে। মেঘেব কুলে।
কাল মেঘের কুলেরে। বোকো পতি।
কিবা সোভারে। দন্তাবলি। মৃদুহাসি।
শিরে শিখি মৃহন চুড়া গোলে বৈজয়ন্তি মালা।
নব ঘন কান্তি জেন্নি গোপিমন মৃহন রূপ ॥০॥

তাল উজ্বারে হারে তিনতাল অটৌবা তেউং

(মৈতৈলোন্দা শেম্বীরম্বা ওঝা খাঙেম্বম গুলাপী)

উজ্বার হারঃ- উজনিংঙিবা করিগী উহন্দবা, (২)
উজ্বরে হারেঃ- উহনবিয়ু ঐবু চানবিয়ুনে
সখিরেঃ- উজগে (১) উজগে (২) উজগে (৩)
হারেব বালাঃ- উজনবা পাম্বৈ লৈত্রেদা।
কোনধনীঃ- উচেক ওইনা পাইজনীংঙি পাইঙমদ্রেদা।
সেই মালাঃ- উনীংবসে উবিদ্রমাক্লে।
তাতে আমারঃ- উসু উহন্দে কাউসু কাউহন্দে- ॥০॥

বিগপতি

"বিভ্রৎ বর্ন্নং কিমপি দহনং তির্ন্ন সৌর্বন সারং। দিব্যা কারং কিমপি কলয়া দিপ্ত গোপাল বালা, আবিষ কর্ব্বন কচিত এ তবসরে তৎত্ব চার্য্য লিলা, সক্ষাৎ দ্রাধা মধুরিপু বপু এ ভাতি গৌরাঙ্গ চন্দ্র॥"

(মানবা মৈতেলোন ওঝা গুলাপী)

"পুম্নুম পাম্বোম পিক্তক পিক্তক পীগুম ফল্লপ ফল্লপ্পি মিৎয়েংনা, পুক্লিং হুনা ফজৈনা শকফম্না শল্লাংনা চাইনা চোইনা, অনি পুল্লপ পুনশিনখ্রবনিনে ৱাক্তনা শান্নে লীলা শোয়ব্রা, রাধা শকহেনবীগী কুচুনে, শোয়দ্রে শ্রীগৌরচন্দ্র॥"

লাখ বান তাল দশকুশ

রাগীনি মাধবী, রস গৌরাঙ্গ রূপ ভাবি,

(শেমবারম্বা ওঝা ঠাকুর কন্হাই শর্ম্মা)

লাখ বান কাচ্চা কঞ্চন লেই।

মিশায়া বিজুরি শাজাই।

বাটে রূপ কতলাবনী সিমা (২)।

মাধুর্য্য (২) পুঞ্জ গরিমা।

(তাল দশকুশ)

লাখবান কাচ্চা কাঞ্চন লেই (৩)। হাহা মরি (২)।

কোটি অনঙ্গ পালাই দূরে-দূরে। রূপহেরি।

থমকি থমকি বাকা সুমধুর মধুর হাসি।

হেরিলে কুল জিবার নয়।

কতশত কুলবতীসতি হে রিলে কুল জিবার নয়।

চাঁচর কেশ মোহোন বেশ।

নিতুই তুই কামমের বানে বধিত কুল্লজিবার নয়॥

(তাঙ্কপ)

ধরকি ধরকি বহে নয়নক নীরে জয় রাধে কৃষ্ণ বলি (২) পুলকশারির।

নয়নে সুধয নেসু বঙ্ক বঙ্ক ৱারি অঙ্গ পুলকিত সঘন হাসিত লচিত পুঞ্জ পুঞ্জ রাশি রাশি। সাধু পর মুর্ত্তি হর পদম বর রম্য করএ পাপি জয় জৈম্য ভয় এ রাশি জয় গৌরা জয় থির।

দশ কুশ

সঙ্কীর্ত্তন মাঝে অঙ্গ পুলকিত নাচত জগমন মোহন।

বুক বহি পড়ে ধাবা মুকুট গাঠিনি ।

প্রেম গদ গদ হইয়া লুটাই ধবনী ॥০॥

তাল লাখ বান

(মৈতৈলোন শেমবীবম্বা ওঝা থাঙেম্বম গুলাপী)

লাখ বান কাচাঃ লাকখো লাকও ইতা ৱা খন্নহোসি মীৱা তানি ঐখোয শোযবোই।

বটেকপ কতঃ হাযনিংঙি ৱাখল ৱাৎলি নোংদম্বসে।

মাধূর্য্য মাধূর্য্যঃ ৱাবিবা ৱাফমসে খম্বদবোইদা।

(তাল দশকুশ)

লাখবনকাচাঃ লাকখো লাকও ইতা ৱা খন্নহৌসি। (৩) হাহা মবি

কোটি অনঙ্গঃ থম্মোই মৈচাক মৈশা ইংলবোই ইংলবোহ।

ৰূপ হেৰিঃ মপোর্কাসিগী।

থমকি থর্মকিঃ ৩থকই ৩থকই ৱাখল উনা উনা উনাং উনা।

হেৰিলে কোনঃ উবে ৱাই উদ্রে লৈঙমদেনা।

কত শত কুলবতীঃ নদিযাগী মৌযাম ঐখোথ অসে।

চাচব কেশঃ খোইখোই শন্নাংনা পুক্লীং হুই ফিজেৎনা॥০॥

(তাঞ্চপ)

ধবকি ধর্বকিঃ কম্পনি কম্পনি মাদি ৱাখল অঙকপনি শ্রী বাধে কৃষ্ণ শোনবা কম্পা মহৌশানি।

নযনেসু বযনেসুঃ মিৎসু মাযসু থবাক ফাওসু পিনা পুমচোৎ চোৎলি। পুক্লীং তুজুংলিবা তুবোই ঙামলোই তৌবা শৌবকপা হুমাংনা পুমচোৎ চোৎলি।

সাধু বব মুর্ত্তিঃ শাউসু শাউবা নোকসু নোকপা ওন্থোকপানি কপসু কম্পিনেসে ৱাখল মওল মওলননি নেসে, অনির্নীনা হৌনশানিনেসে ॥

(তাল দশকুশ)

সঙ্কীর্ত্তন মাঝেঃ সঙ্কীর্ত্তন মযাযদা ঙাওবিবা রাখলদা ব্রজগী রাখলদগীনীনেসে।

বুকবাহি বহেঃ মিৎকী পীনা থবাক থকতা মুক্তা পবেং মাল্লি।

প্রেম্মগদ গদঃ প্রেমনা তনিক তনিক ঙাওবে লৈমাইদা তুবে ওল্লে ॥০॥

কোকিল প্রিযতাল

বস গৌবাঙ্গ কপ বাগিনী মাধবী মাত্র ৩৬ তাম্বা ৬ ফাক ৬

(শেমবাবম্বা ওঝাশিং থৌদাম মদন সৌবাম লাবা পুবেল হংনাইবা ধন ঃখেন ঃোলেন হাওজৌ)

দেখ গৌব নট বাজ বসিক ভগত মাজ নর্টতিনর্ট ভঙ্গি মাবঙ্গে।

তপত কাঞ্চন তনু কদম্ব কিশুব জনু পুলকে পুবল গৌব অঙ্গে

সকল ভঙগন কবে হবি সঙ্কীর্ত্তন হবসিত কবে কবতাল।

অবধূত বব বঙ্গে প্রিয গদাধব সঙ্গে নাচত শ্রী গৌব বনমালী।

খঞ্জন গতি গঞ্জন চবন যুগ চালন জগজন জনি তবসাল।

ঃাঞ্চপ মচা

নাচত গৌব ভুবন মনোহব ঝন নন নুপুব বাজে চঞ্চল কুণ্ডল ললিত কপোল ঝলমল ভুষণ বাজে।

কি আনন্দে

থোংদ্রিগ দ্রাং দাং দিগবি ধিগিবি ধিকি কত কত তাল মৃদঙ্গে ধাকিটি তক ধুমকিতি তক দৃমি দৃমি বাজত বঙ্গে এ।

ওই কি আনন্দে।

কত আনন্দে কত মত আনন্দে।

তেমান নাচে তেমমি বাজে ॥০॥

তাঞ্চপ অবাওবা

অবে উব পব দোলে মালতী মালা বণযতি কিঙ্কিনি জ্বালা কিবা শোভাবে।

মালেব বালা লইযা মবি।

মালা দোলে যুবতী হৃদয যেমনি দোলে।

উহাব বালা লইযা মবি।

ভিগল কনক ওই দেহ নযানেব নীবে।

তাঙ্কপ মচা

চন্দ্রকীর্তি অনুগত তাহা হেরি অবিরত সুরচন্দ্র কুনডিনে হয়ে।

নাচত গৌর ভুবন মনোহর ঝন নন নোপুর বাজে চঞ্চল কুণ্ডল ললিত কোপল ঝলমল ভুষন রাজে।

অদ্বৈত করত রঙ্গে প্রিয় মধুব মৃদঙ্গে বাজত কোকিল প্রিয়তাল।

তাল মকরন্দ

মাত্রা ৪, তাম্বা ৩, ফাক ১।

সকল ভগতগন করেহরি সঙ্কীর্ত্তন।

কোকিল প্রিয়তাল

(মৈতৈলোন্দা শেম্বীরম্বা ওঝা খাডেম্বম গুলাপী)

দেখ গৌবঃ- য়েংঙুনে গৌরাঙ্গসে, হৈশিংবা মাগী ভক্তসে কোযশিল্লে সঙ্কীর্ত্তনবু হৌরেনে।

তপত কাঞ্চনঃ- গৌবাঙ্গসে সোযদ্রে খঙ্ভু ফীভম শকফম চিংনা যেংঙ্ভু বাধিকাগী মবুংঙোদুনিনে।

সকল ভগতঃ- জগোইদসু মমিং চৎলি, জগৎ পুক্লিং শুক্কৎলি ফজৈ ফজৈ জগোই শাবক্লেদো।

অবধূতঃ- য়েত্তা নিত্যানন্দ লেম্পি, ওইদা গদাধব লেম্পি. থাবু ইকাইহনগে মতানিদো।

খঞ্জন গতিঃ- খমত্রাংচাক খোঙথাংগুমদুনা ফজবা মীৎযেং শাথেকন্না চোংনা ফন্না শারিদো জগোইবু।

অদ্বৈত করতঃ- অদ্বৈতনা খোংথাং চানা পুঙলোন ফজ ফজনা যৈবক্লে কোকিল প্রিয়তালবু।

নিরজ নযনঃ- মায়থোং চায়রুং পুমচোৎ চোৎলে কম্প নোংখোংগুম্লক্লে ভক্তশিংসু কপ্লে উজরুবা।

চন্দ্রকীর্ত্তিঃ- চন্দ্রকীর্ত্তিগী তুংইঞ্জবা ওইজদুনা উজবা সুরচন্দ্রনা কৈদৌভ্রৌদা ওম্বা।

তাঞ্চপ

নাচত গৌরঃ- ফজবা শাথেক তাইবঙ পুক্লিং হুরবা পুম্লং লংঙি ফিজেৎ লৈতেংনা, চোংবনে থেকপনে খোঙজিনে খুজিনে পুমনিন নিনবা পুমঙক ঙক্লেনা।

কি আনন্দেঃ নুংঙাইজেনে।

থোদ্রিং দ্রাং দ্রাংঃ- চপ-চপ চানা খোঙথাঙ্গা পুঙলোনগা কৃক কৃক তর্কশিন্নরকপ নিনা তাজবদসু উজরুবদসু ঙকই ঙকই পুমপেল পেলহল্লে, কয়াদা ফজরে।

কত আনন্দেঃ- কযা নুংঙাইনরে।

জেমনি নাচেঃ- য়েংঙিমখৈ পেন্দে পেন্দে।

তাল্চপ অফাকপা

উর পবদলেঃ- উরুবদা মাবু নুংশিবোইদৌবা জগৎসিদা কনাবু লৈবা কযা ফজবা।

মালেব বালাঃ- ফজৈ ফজৈ গৌবাঙ্গসে। য়েংঙু।

মালা দলেঃ- ফজবদা ফজবঙাক্তা শকফম অসে।

ভিগল কনকঃ থম্বাল লকাঙম্বা মীৎকী পিনা মুক্তা পবেং তৎকুম্বা।

তাঞ্চপ মচা

চন্দ্রকীর্ত্তিঃ চন্দ্রকীর্ত্তিগী তুংইন্জাবা ওইজদুনা উজবা সুরচন্দ্রনা কৈদৌঙেদা ঙম্বা।

নাচত গৌরঃ- ফজবা শাথেক তাইবঙ পুক্লিং হুরবা পুমলং লংঙি ফিজেৎ লৈতেংনা, চোংবনে থেকপনে খোঙজিনে খুজিনে পুমনিন নিনবা পুমঙক ঙক্লেনা।

অদ্বৈত করতঃ- অদ্বৈতনা খোংথাং চানা পুঙলোন ফজ-ফজবনা য়ৌরকলে কোকিল প্রিয়তালবু।

তাল মকরন্দ

সকল ভগতঃ- জগোইদসু মমিং চৎলি জগৎ পুক্লিং সুম্বাৎলি ॥০॥

———:———

লাইরিক অসিবু ইননবা হোৎনজবদা তান্নজরুবা অমশুং হংজরুবদা তাকপিরকখিবা ওজাশিং

(১) শ্রী ঙারিয়ানবম কুল্লচন্দ্র (লোইশং পণ্ডিত অচৌবা)

(২) পদ্মশ্রী নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র

(৩) চিত্রেশ্বর শর্ম্মা

(৪) ওঝা কুমার (মাইবী)

(৫) ক্ষেত্রিময়ুম অমুয়াইমা

(৬) আর কে অচৌবী

(৭) রাংখৈময়ুম থম্বালঙৌ (পেনা)

(৮) করাম চাউবা (পুঙ হজবা অরিবা পালা)


(৯) ওইনাম গুলাপসিং, পালাহল দুহার

চোলোমগী লাইরিক অসি পুথোক্লবা হোৎনবদা নৈনখিবা লাইরিকসিং

লাইবিক মমীং	অইবা
১) চৈথাবোল কুম্বাবা	নিংথৌখোংজম খে াচন্দ্র
২) মৈতৈ লাই হবাওবা	ঙাবিযানবম ফুল্লচন্দ্র
৩) নিংথৌবোন লম্বুবা	ওইনাম ডোগেশ্বব
৪) মৈতৈ নিংথৌবোল	শবাংথেম বোবমনী
৫) লাই হবাওবা	ব্রাহেংবম লুখোই
৬) পুতীন	এ কে নোদিযাচান্দ
৭) লাইনীংথৌ লাইবেমাশিংগী ব্রারী শীংবুন	সাইবেম নীলবীব
৮) নুংপানগী লিবোন	চিত্রেশ্বর শর্ম্মা
৯) খম্নুং ইঙাল লৈশাবা (সনা পুযা খন্দ ৪)	লাইরেঞ্জম মংলেম মৈতৈ
১০) পাম্বোইবী খোঙ্গুল	মোইরাংথেম চন্দ্র সিংহ
১১) নাওথিংখোং ফম্বাল কাবা	নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র
১২) লৈথক লৈখাবোল	ডা ভগ্য যেনখোইবা
১৩) সনামহি লাইকন	ওইনাম ডোগেশ্বব

১৪) তুংগেংলোন	নোংমাইথেম মনাওগাইমা
১৫) নিংথৌ চহি	ঙাবিযানবম কুলচন্দ্র
১৬) অবিবা শিম্থোং	খুমল্লম্বম যাইমা
১৭) মৈতৈ হৌডম ব্রাবি	লাইনিংহল ফুলো
১৮) মৈতৈ লৈবাক্কি যেক সলাই	ডা এস তোম্বা সিংহ
১৯) হোংনেম শিল্লোন	ক্ষেত্রিমযুন অমুযাইমা
২০) নিংথৌ কাংবলোন	নোংথোম্বমচা অঙৌ
২১) মৈতৈ লেমগী মবল	মৈতৈ লাইনিং লিচং
২২) ঈবোম্নুংগী মণি	লাইশ্রম নিত্যাই
২৩) পুরাবি খাগী থীবেন	শগোলশেম বাজমুহোন মঙ[illegible]
২৪) নৃং[illegible]	ইবোম অমুবী
২৫) সঙ্কীর্তন রীচাব	চিত্রেশ্বর শর্মা
২৬) মণিপুর জাগোয়	ষ্টেট কলা একাডেমী
২৭) শ্রী শ্রী হরি সঙ্কীর্তন	কোঞ্জেংবম ধানো
২৮) [illegible] চোলোম	থাংজম [illegible]
২৯) সঙ্কীর্তন মহা[illegible]	কোঞ্জেংবম ধেনো
৩০) মৈতৈ পালা চোলোম	অবুজম চাওবা
৩১) [illegible] সঙ্কীর্তন চোলোম	কোম্থৌজম সনাতোন
৩২) শ্রীশ্রী গোবচন্দ্র থৌরম শেবেং	খাঙেনবম গুলাপ্পী
৩৩) অনৌইবোল	খুমল্লম্বম যাইমা

ওঝা গুরু মযার্মসিগী মফমদা লিংঙমদ্রবা লিস্ট তোনশিনজবে।



এলাংবম চাউভুল সিংহ
কৈশামথোং ইবোম পুখ্রিমপাক্লন, ইম্ফাল



[illegible]

[illegible] ১২ [illegible]

[illegible]

[illegible]	এলাংখাং [illegible]
[illegible]	এলাংবম লৈকাই
[illegible]	[illegible] লৈকাই
[illegible]	য়াইস্কুল [illegible] লৈকাই
[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]

[illegible]